হিরম লমাই

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা লীলাশীং অমসুং কলম পাইবীখিবশিং —

লিলা মমিং	কলম পাইবীখিবশিং
১। মুপীগী মীচংদা গান্ধারী	ও, মণি (ওম)
২। মুপীদা লংজবা কীচক	আই, তিলক সিংহ
৩। একলব্য	এল, প্রেমচান্দ ,,
৪। মুভদ্রা হুবা	,,

লীলাশিং অসিগী শরুক লাংখিবা লাংখিবীশিংগী মমিং হাপচল্লে মসি ঐগী অশোনবনি, ঐহু ডাকপিয়ু।

"লাইরিক অসি ফোংবদা তেংবাংবীরকপশিং"

১। রাই, ইরাবোৎ সিংহ (কেবিনেট মিনিষ্টর) লুপা ১৫০'০০
২। ও, তোম্বা ,, (এম, এল, এ) ,, ১০০'০০
৩। ই, কুঞ্জকিশোর ,, (ডি, সি, সেণ্ট্রল) ,, ১০০'০০
৪। আর, কে স্ন জাওবা, (ডিউলাংলেণ্ড) ,, ৫০'০০
৫। ই, নিলক ম্বা ,, (ডিরেক্টর এণ্ড কলচরেল) ,, ৪০'০০
৬। রাজকুমার শীতলসিং ,, ,, ৩০'০০
৭। এন, মঙ্গি দেবী (হেড, মিষ্ট্রেস রাইজে গার্লস স্কুল) চেরিমখাই অমা
৮। টিঐচ, শম্ফবা সিংহ (মণিপুর কলেজ) ,, রিম অমা
৯। এম, কোইরেং ,, (এম, এল, এ) লুপা ৩০'০০
১০। ও, জ্ঞানেন্দ্র ,, (ওরিয়েন্তেল কলেজ) ,, ৪০'০০
১১। এ, রতনকুমার ,, (অংস্থেম লৈকাই) ,, ১৪০'০০
১২। এম, মেঘচন্দ্র ,, (চিয়ারমেন এম, পি, এস) ,, ৯০'০০
১৩। ও, ইবোতোম্বী ,, (ঐচ, এম, বাশিখোং হায়স্কুল) ,, ৪০'০০
১৪। ও, মাধুরী দেবী (আইডিয়েল গ্লাইন স্কুল) চেরিম ১
১৫। এন, নবা সিংহ (ডি, এম, কলেজ) লুপা ৪০'০০
১৬। ডব্লিউ, তোমচৌ ,, (পি, জি টি, কলেজ) ,, ৫০'০০
১৭। একে, ভাস্করাজ ,,
S/O. একে ইন্দ্রজয় (একাউণ্টেন্ত) ,, ৩০'০০

আভাস

শ্রীনিংথৌখোম ইবোবী সিংহনা ইবা নাটক মচা 'মমিনা শাবা 'পৌরানিক লীলা নাচোম' কোবা লাইরিক পাবা ফংবসী ঐগী লাইবক ফবনি। অদুবু পা'রগা লাইরিকসিগী থোংদা চঙলগা করি উনখাই লৈবগে হায়বদুগী আভাস মতেক অমতং ইজৌ হায়বসী ঐখোন্দা'দ অরায়বা থবক মতুংনীনা ঐগী লাই-বক থীবনি হায়দ'ঙ'ই করি লৈ। অদুবু খোর্জেশুগী মখাখং থাক্রবা মনীঙ থুংব্রবসু ৱাদৈ অমা অনীদংদি ইজবা তারে।

অহানবা নাটক্তা "সুপীগী মীচংদা গান্ধারী" হায়বসিনী। মসি মহাভারত মহাকাব্যদগী লৌখোকপনী। সভাপর্ববগী মতাঙ-দুনী। ল'লা মপুঙ্তদি চৌবর শান্নবদা মরোন মমাং পুমতাক তাকপা অদু ওইনা উৎপদা জুয়াগী পো'ৎ ওইবা দ্রৌপদীবু দুঃশাসন-না বিবস্ত্র ওইহন্নবা তৌবদা গান্ধারীনা মচাগী মীচং চংদদুনা দ্রৌপদীগী মীচং চঙখিবা অদুনী। লীলাসিগী মথৈতাবা মতাঙদা দ্রৌপদীগা গান্ধারীগগী মরম থজিক্তুং য়াওয়ি। লীলা-সিগী মপুঙ ওইবা রা দ জুবা শান্নবদুনী। লীলাসিগী মিংদাসি রানীগা য়েংনবদা খিত্তং পেনবা রাংলী। মসিং অতোপ্পা অমা —কৌরব পাণ্ডবকী চৌবর শান্নবা হায়বগুম্বা অমা থোল্লগদি রানীগা মমিংগা মুং চানরমগ'নী হায়না খল্লী।

অনীশুবা নাটক মচাদুগা মমিংনা "সুপীদা লংজবা কীচক" কৌয়ি। রানীগা মমিংগা য়েংনবদা চপ চাবা হায়রদু ওইরে হায়নীঙঙী।

অহুমশুবা নাটক মচাগী মমিং "একলব্য" কৌগ্নি। একলব্যগী গুরুভক্তি ফজন চেনবগী ৱারীনী। ব্রাহ্মণগী মর্ণা পোকপা দ্রোণাচার্য্যনা একলব্যবু অত্তোনব জাৎনী হায়রুনা খুৎলাই তমবিয়ু য়াদে। মতুংদমক ব্রাহ্মণ দ্রোণবু শাওগে হায়দনা ক্ষেত্রি মচাশিংবু একলব্যনা শাওই। অতুগী মথক্তা চুম্নগী খুৎলাই তম্বিংবগী তম্বনী হায়দত্নুনা মশাগী চণ্ডাল জাতিগী কন্নবা খুৎলাই তম্বনী ওায়ত্নুনা একলব্যনা হায়রী। মসিনা জাতীয়তাবাদকী পূকচেল অপীকপা শরুক অমা উৎলে। ঈশ্বরনা শেম্ন জীব পুম্নমক অমত্তনী চপ মান্নে হায়বা মীৎয়েংদো উৎনবা ৱাঙাং থরদি য়াওয়ি হায়ববু ফজব ৱাঙাংদো ক্ষেত্রি মচা শংবু য়েংশিবা পূকচেন্নু খাংহন্নে। মসি ঐগী ৱাথমী। খোর্জেইশূনা একলব্যগী গুরুভক্তিতুদা য়েকপদা মাগী খোর্জেই শূরম্লবদি নাটকসি অমুক হেন্না লংনা ঙাম্লমগনী হায়নীঙঙৌ।

মরিশুবা নাটক মচাগী মমিংনা "সুভদ্রা হরণ" হায়বনী। সুভদ্রাগী মবুঙ অনীনী—শ্রীকৃষ্ণ অমদি শ্রীবলরাম। শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা সুভদ্রা পীনীঙঙৌ অতুগা শ্রীবলরাম-না দুর্যোধন-দা পীনাঙঙৌ শ্রীকৃষ্ণন ময়াম্নুং বলরামবু নমৎপা ঙমদে লোকাচার মতুংইন্না। মরমত্নুনা থম্মোই থম্মোই শিন্নরবা অর্জ্জুন-সুভদ্রা অনী লোম্না চেনবা তাবনী। নাটক অসিগী মিংগা ৱারীগা চপ চানৈ।

নাটক মরি অসিদা নাট্যকারগী শিল্প কৌশল ফজনা উৎপা ঙম্মী। ৱাহৈ ৱাত্তা পুম্বা নাট্যকারনা পুৱিরা ৱাথল তুংইল্লি। হায়বদি চরিত্রশিংগী শক্তাক ৱাহৈ ঙাক্তনী। পাবদা তাবদা স্বাভাবিক ওইবা ৱাহৈ-ৱাতানী। খোর্জেইশূসিগী খোর্জেই ইচেল লেপ্পবা ওইসনু হায়না ভগবানদা থুরুমজৈ।

তাং ৮।৩।৮২ ইং

শীতলজিৎ

থাগৎপা ৱাহৈ (ৱাহৈ খরদং)

"পৌরাণিক লীলা মাচোম" হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরী সাহিত্যগী সেবা ওইনা ঐনা মিৎ উথিদ্রবা মতুংদা ইজবনি। মসি কনম পাইবীবা কয়াগী মতেংনা ছুমজবনি। লীলাশিংসি এ, আই, আর, ইম্ফালদা শন্নোকখ্রে। শ্রীযুক্ত শগোলশেম ইন্দ্রকুমার সিংহ, প্রত্যুসর এ, আই, আর, ইম্ফালগী মতেংননি। ইবুংঙো প্রত্যুসরনা হৈ-শিংবা টৈকিক অমদি লীলাগী শক্তম লাংবশিং খনবদা হৈ শিংবনা লীলাগী মচু থোকহনবীখি। অসিদা নত্তুন শক্তম লাংবা লাংবীশিংগী বাচিক অভিনয়গী বল্লনামা অভাবশিংগী থমোয় চিংশিনবীহনখি। মসি ঐগী লাইবক ফবনি সৌগৈজে, পুন্সিনা মখোয়গী লমন তোশিন্নবনি।

অতোপ্পা অমনা লাইরিক অসিগী ছাপা নম্বগী মতাংদা শেলগী মতেং পাংবীরকপা, চে পাংবীরকপা নৎলমজ্রবা, লাইরিক অসি পুথোকপা ছুমজরম্মোই। থোইদোক্না পঙ্গনিংবা ৱাকম অমনা ঐনা মিৎ উদ্রবা মরম্মা লাইরিক নম্বীয়ু হায়দুনা সোল প্রেসতা লংশিল্লকনি। লাইরিকসিবু মপুংফানা পুথোক্নবা হোৎনবীবদি শ্রীসনসম মঙ্গোলজাও সিংহ মেনেজর সোল প্রেস অমদি প্রুভকী মতাংদা থবাই হকচাং য়াওনা য়েংবীখিবা শ্রীকাংঙুজম সুবোল সিংহ, উক্ত অনিনা হোৎনবীরমদ্রবদি লাইরিক অসি পুথোকপা ঙম্লমোই। অরোইবদা রাজকুমার

মীতৈলন্জিং সিংহনা লাইরিকপিগী আভাস কৌবা অভিমত অসি পীবিরক্কু না। লাইরিকসিগী মশক তাকপিবা ঐনা থোইদোক্না হয়াকৈ। লাইরিকসি ফোংবদা ইতেং পাংবরকপশিংগী মথক্তা অয়াম্বা শেনচং পুম্বা লাইরিকসি ফোংলিবা ঐগী ইচামুপা হেরামনি সিংহনা পুথোকচৈ।

লেখক – শ্রীনিংথৌজম ইবোবী সিংহ

তাং ২২। ৩। ৮২ ইং শিংজমৈ ওক্রম লৈকাই।

নুপীগী মীচংদা গান্ধারী

—:(0):—

মফম:— হস্তিনাগী রাজ দরবার।

ফিভম: - ধৃতারাষ্ট্র সিংহাসনদা ফমলি, অকল অথৌ ভীষ্মদেব, আচার্য্য দ্রোর্ণ পুম্নমক শুরে, থোইদোক্না দুর্য্যোধন, দুষাসন অমদি শকুনি মাওঙি।.

ধৃত— শকুনি।

শকুনি— মহারাজ।

ধৃত— বিদুর চংখ্রেদনা পাণ্ডব কৌবা।

শকুনি— মহারাজ সনা য়াথংলিনা।

ধৃত— উম, মসিবু করিবরনে শকুনি? মংগী করিদা হৈশিংহুনা চৌবর অহুদা মায়থিবা পিবা ভপগদৌরিবা। যুধিষ্ঠীরদি চৌবর হৈবদা মমং চংলিবা মত্রা?

শকুনি— মহারাজ খুৎশেমগী চৌবর মরু অসি মিত্রংগী চৌবর মরুমি, মায়ানি, ঐথোয়না কৌবা মথুল অহুতা ভাগদবা।

ধৃত— মীনম্বা।

শকুনি— মহারাজ।

ধৃত— মথোয়বু কদাই কাওবদি মথোয়না ত্তোগে নিংলিবা?

শকুনি— নচা ইবুংঙো অহল দুর্য্যোধনা হক্লৎচরগনি মহারাজ।

ধৃত— দুর্য্যো'ধন।

দুর্য্যোধন— পাবুং মহারাজ নচাগী উপায় পুন্নমক ময়া কুমত্র-বনি হু পিজক্লবা ভীমদা শিদে, আমৃত থক্তুনা হল্লকই, চাগী য়ুমদুদা মৈ থাদুনা হাংকে লাঙলুই শিদে, ভারতকী নিংথৌমচাশিংনা মীতানফম ওইরবী দ্রোপদি অর্জ্জুননা মীনা ককচমত্রবা লক্ষা ককতুনা ভারতকী নিংথৌ মচাশিংবু কল্লক কঞ্জাও থোককম্না মখোয়না পুরকশি।

ধৃত— ১দু ভারত বংশগী মাই পাকপা নত্রনে?

দুর্য্যো— মাই পাকপা নত্রনে? পাবুং মহারাজ দুর্য্যোধনসু ভরত বংশনি, নিংথৌ মচানি, দুর্য্যোধননা করিগী শিংনক্লরিবা—পাবুং মহারাজ পাণ্ডবসে কুরু মহাবংশসিগী সিংহাসনগী মপু ওইফম থোক্কবনি হায়বাসিমদি নচানা মুন্না খংলে। মখোয় খুমিৎ খুদাং মচামক্লি হায়বা য়াই। শতশৃঙ্গ চীংলৈবাক্তা খুরায়াইমা পণ্ডুগী চুপথানা পোকপনি। নারক শিংলক্তগী হৌরকপনি মখোয়। পিদোম্না মপা লৈত্রবা তুংদা হস্তিনাদা লাকখিবা নত্রা? পাবুংগী পুম্নোক লাংগোল মরক্তা চাওহল্লরগা ঐখোয় ইচিন ইনাও চান্মদা তেমশিংনরকখিবনি, ভীমমক্না ঐগী ইনাওশিংবু কুদেকখিবা, য়েথুখিবা, মতুংদা, লীশু বিদ্যা হৈরবা তুংদুদদি অর্জ্জুনগী নাপন মখোয়গী মতিক মথৌনা খিত্তং উবদা ইবুধৌ ভীষ্মনচিংবা অহল লম্মন্না শেমথক থোংদুনা যুধিষ্ঠিরবু যুবরাজ ফম থিন্দোকখিবা দুর্য্যোধনা করিগী কল্লকখই। নত্তে

হায়বিয়ুনে পাবুং মহারাজ—, কম অহুবু দুর্যোধনগী নত্রানে ?

ধৃত— মহুদা ইপানা করি তৌবা ঙমকম থোকখিবা ইপাগী ইমিৎ (হিক হিক কপ্পা) ।

দুর্যো— মহুদনি নচানা চাকখিবসু কুরুগী নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্রগী মপাঙ্গল কল্লি শামূ অযুত অমগী পাঙ্গলনি নিংতি য়াওদবা, মহুনা মনাও য়াইমা পাণ্ডুবু নিংথৌ হাপখিবা, ময়াম্বা হুন-দোকতুনা । মহুগী লমনবু নচা দুর্যোধননা শিংলবু হায়বরা ? শিংখিগনি, পাণ্ডবপু তাম্থোকপগা যুধিষ্ঠিরগী মরৈবাক লৌখিগনি ।

ধৃত— নং হৌজিক পেনকম থোক্লেদনা দুর্যোধন, নং হৌজিক হস্তিনাগী যুবরাজ নিংথৌ অনি শুপ্পা ওইরে ।

দুর্যো— দুর্যোধনগী থৎমোয়দা পাণ্ডবকী মথক্তা শাওনিংবা পেম্মবা অসি শরুক চামা থোক্পা হেনগৎলে । পাণ্ডবসে নাপল চাওবনি হায়বসি থঙবিয় । মহুগী ময়েক লারবা খুদমদি হন্দক্তা রাজসূয় যজ্ঞ তৌখিবা অসিনি । মথোয় দুর্যোধনবু তেমশিংনবা লাক্লবদা ভারতবর্ষ পুম্নমকী নিং-থৌমচা পুম্নমক মরল মুনবিনবগীদমক দিগবিজয় চৎপা যাদব বংশগী লুচিংবা কৃষ্ণনা মথোয়দা ইনশিন্দুনা জারাসন্ধ হাৎতোকহনবা মহুসু মীনম্বা লাংলোংদা—মসিনা ভারতকী নিংথৌমচা পুম্নমকপু থুকহনখিবনি । দুর্যোধনবু কল্লক-হনবনি । (নোকপা) পাণ্ডবসে ঐথোয়দা য়াম্না লেনরু-

লিংই, রাজসূয় যজ্ঞতুদা মখোয়গী চুম শো পুন্নমক ঐবু পায়হল্লি শিরৈ মখোয়গী সনা লুপা মনি মুক্তা ময়ামতু—।

ধৃত— উম যুধিষ্ঠিরনা সর্ব্বভূমা পত্তিদি ওইখ্রেদনা।

দুর্য্যো— দুর্য্যোধনসু নোমিংত্রবা কো'কনা ইরাম্বা অহনদা মোনকম থোকপা কোক্তু নতুনা নিংথৌরেলনি হায়না য়ানা ইকোক নোমগ্রবনি। মসিদবু চাকফম থোক্তবয়মে পাবুং মহারাজ। ইস। মখোয়গী পুকৈ লনচৈগ দলাল মখোল মখোল নোংথক্তা পাইরিবা লৈচিনগা তেমশিংনবা থোংমী ল'ম্মী রথ দোলাই মশিং মামগ্রেদা—মতুদা ঙৌরোক ঙৌবা মমিং তরাও তরাওবা ভীম হায়বতু'না ইমা'দা তুবৎ তুবৎ মাগা মায়বা মনাই লিশিং অমগা লোইপোৎ পুজরক্লিবা নিংথৌশিংবু চংহনত্রিবা নিংথৌ মাথং ঙাইহল্লিবা ই'মংসি ত্যাংনিংই, উনিংদে তুক্তচে। যুগ কয় পুক্লরবা লঙ্কা'গী নিংথৌ বিভিষণদা কৃষ্ণনা যুধিষ্ঠিরদা নকোক নোনগদবনি হায়না তকনৈ,—মাদ্রবদা যতু হৈবা, যতুবীর অতুনা যাতুনা রাম্ভংজুনা যুধিষ্ঠিরদা মকোক নোলহনথিবনি।

ধৃত— মখোযত্র নংগী নত্তোন্না পোকপা নচিন ননাও ঙাকনিনে দুর্য্যোধন।

দুর্য্যো—পাবুং মহারাজ নিংথৌগীবু মচিন মনাও লৈত্রবে? নিংথৌদি নিংথৌনি, অচান চান্দা লৈত্রনে? নিংথৌনবু মীচং মীথাই নাইত্রনে? নিংথৌগী সিংহাসন মুনগে থৌরাংলকলবদা মচিন মনাওনি হায়রতুনা লেপ্পা তোক্তবরা?

ধৃত— পাণ্ডবনা নংগী সিংহাসন মুল্লববরা ?

দু'র্য্যো— ঐতগী মুনবা ওইরবদি ফৈনে পাবুং মহারাজ ভারত নিংথৌমচা পুন্নমক্তী সিংহাসন মথোয়না মুনশ্রবনি।

ধৃত— কদিনোদা—হৈপাদি ভাওবেদা।

দুর্য্যো— পাবুং মহারাজনা হৌজিক্তা কায়বিথিবদায় মথোয়না সর্ব্ব ভোমাপতিদি ওইগ্রেদনা।

ধৃত— উম উম করমদি হৌনি।

দুর্য্যো— অদুগী থৌরাংনি। পাবুং মহারাজ পাংক্রবা অমগুম ভিংঙক ভিংঙক কোইরেং য়েংদুনা লৈবদুগী মতুংদা মথোমবু মমথনবা উপায় থিরিবনি মদু পুবা নোংশা। মতা অসি ঐথোয়না শারিবা শারং অসিদা হোয়জিনগদৌরিবনি। মথোয় চ'উ হায়বা য়াগক্ত্রা ? পাবুংনা কৌবিগ্রেদনা মথোমবু লাকওইগ্রে থোইদোক্লা ইভোনবিরুয়না চৎথিবা নগ্রো— ?

ধৃত— মভোনগী য়াথং, ঐগী য়াথং পাণ্ডবনা ভাকনি শোয়দনা লাকনি। ঐনা হায়বদি শায়ংদুদা মথোয় চংউ য়াগ-দরা অসিনি।

শকুনি— নশেন শকুনিনা হোয়জিনগদবনি চৌবয় কাক্ কাক্ থিংদুনা চৌবয় মরুগী কাংথুলসিদনি।

ধৃত— নংগীদুবু মীনথা চৌবয়নি হায়বদায় শকুনি ?

দুর্য্যো— পাবুং মহারাজ মীনমবা ধর্ম্ম অধর্ম্ম মসিগী য়াসি ভোয়না পনবীগ্রে, অদুনা ভাকপিরিবদি পাণ্ডবসি ধর্ম্ম

চেনবনি মথে'ম লানজদবনি। লানজরবা পাণ্ডব ধর্ম্ম চেনবা যুধিষ্ঠিরনা হন্নক যজ্ঞ তৌরিবসে মথোয়গী হুমাংনলগী মরল য়াওথবরাও নিংথৌ পুন্সমক্তগী মুনকপা মরল মথুন্না নত্রা ?

ধৃত— অন্ধবুদি দ্বিগাবজয় চৎপা হৌনৈদনা রাজনিতীনা য়ারি হায়বা।

দুর্য্যো— রাজনিতিনা য়াবি হায়বজুদি চুথী নিংথৌদি পঞ্জনা নত্রগা থীনমদুনা ওইরমস্ত নিংথৌ থুডম লৌবা য়াই। মাসবা পাণ্ডবন। পঞ্জনা নিংথৌশিংগী মরল মুনাবরবনি লৌনম তৌদুনা জরাসন্ধ হাৎলিবনি। নচানস্ত অমূক থীনম্বা চৌবরনা পাণ্ডব মীনাই ওইহনগনি মরৈপাক লৌগনি মতাং চাত্রগনা কৈশুমশঙদা লংশিনগনি নত্রনে মামা শকুনি ?

শকুনি— মহারাজ মহারাজ ওইথোকপা। ঙাক্তনি পুন্সমক্ত।

দুর্য্যো— মিত্র কর্ণ (নোকমিরবা)।

(ময়াম য়াদিংদে, লাল্লি-চুম্বী লাংথৎলকই) নিনবিগন্থ পুন্সমক অহল লমনাশিংস্ত গুরুদেব ইরুধোনচিংবা ময়াম পুন্সমক নিংথৌমচাশিংগী কুটৈস্ম য়েংবিথিগদবনি। নিংথৌগী থবকনি মসি রাজ ব্যবাহার থঙবিবা ঙাক্তনি, রাজভক্ত ঙাক্তনি।

ধৃত— মচুদা মতামত্রা ? মশিবু ফগত্রবে দুর্য্যোধন পুন্সি তন্নোই-ত্রবে ? ন'চম লনাও ঙাক্তনিবে মথোয়দু॥

দুর্য্যো — পাবুংনা তোইনা পনথিরে মত্থ নমুচিদানবপু করিগী ইন্দ্রনা তানথোকখ্রি শোরারেন থুতংদগী পোকমিন্নবা ময়াম্বা চত্র ? কুন্মৈত্তা ময়েংথিন্থ নচাগীসে করিমত্তা লানদবনি। মাস রাজনিত্তৗনি, কুতনিত্তৗনি।

(ময়াম লংনরকই পাণ্ডবশিং লাকপগী)

ধৃত — ঐগী ইচাশিংবু কৌশিল্লকউ। যুধিষ্ঠীর, ভীম, অর্জ্জুন, নোকুল, সহদেব মখোয়গী খোংলোইশিংগা। চৎলু প্রতি-কামী। (প্রতিকামী চৎখি)

দুর্য্যো — মাম্মা।

শকুনি— নংগী মাম্মা চেংকশিন্না রাখল চুম্না তৌরি মহারাজ।

দুর্য্যো — মিত্র কর্ণ।

কর্ণ - ঐগী থুংলাই অত্থ চেংকশিল্লি, ঐগী থুৎশু থুৎলাই চেংকশিন্না পাইরি।

দুশা: - নিৎনা শিংনা মিৎকুপ নাহুম চোইদনা ইথোদাংগীদমক ইঙ্গিং য়েংহুম্না লৈজরি।

(পাণ্ডবশিং মথং মথং চংলকই মসুংদা)

যুধি - ইপল মহারাজ নচাশিংনা থুরুজরি।

ধৃত — মখোয় শুম্ম মঙ্গল ওইয়ু নথা ইবেম্মা কুন্তী মহারানী দ্রৌপদী মঙ্গল ওইরিব্রা ?

যুধি - শুম্মা মঙ্গল ওইজরি। লৈমরক্তা দ্রৌপদীসু ইপল নিংথৌগী য়াথং তুংইন্না লাকচহুনা চংগ্রে লৈমকোম্মা।

ধুত — সুংঙাইরে নখোয়গা হরাওমিন্নদবা সুংঙাইমিন্নদব কুই-রবনি, কুরু পাণ্ডব ইপন্দদি অমত্তনি। নখোয়গী সভা মাণুব জগত্তা ফাওরে। ননাও দুর্য্যোধনগীসু ইপলনা অমা শাবিররবনি, সভা মণুব হোংবগী মসিগী উপলক্ষ্যসদা চাম-মত্তা নখোয় চৌবর শান্নৌ রা রা নোক্লা ফম্মু নখোয়গী আসনশিংদা।

দুর্য্যো— য়াম্মু' মহারাজ লেংশিনবীনি। সনাগী তাংবল মত্তা মনি মানাক্য বুত থিনব; থারিবা অদোমদা!।

(ময়াম পুন্নমক য়াগী মফমশিংদা ফমনথি)

যুধি— মসি রাজনিতীগী শন্নবা রাকম নত্তে। অধ্যাত্মিকী অরাংবা ছিড়ি অত্থ কাথৎনবা রাকম নৈংগদবনু নত্তে। ইচম চম্বা লৌশিংতং তাম্নবা পোংনি জুরার শান্নবা হায়ংবসি। মসিগী অনোমমন্না ফংবদি লৈথা তাবা পুকচেল পিক্থবা। শিংনরকপদা চনফদে, চেংফদে হায়বত্তুগী লাকচরবনি ঐ। মিত্রং যাত্থ তৌবিগনি নিংজদে।

দুর্য্যো— য়াম্মু' মহারাজ পনথৈ অত্থ ননাওগীসু পনথৈনি।

যুধি— চৌবর মরুদি কনানা পাইবা তারি?

শকুনি— চুম্নগী সুংঙাইনবনিদা পুরুমিত্রনচিংবা চৌবরদা হৈং-শিংলবা কয়া য়াওরিদনা। মখোয়বু পায়ংল্লোয় নংগী মাম্মানা হেক মপায়গনি মসিদা থংবিরো তসগী চৌবর অসি মিত্রং যাত্থ য়াওদে ইচম চম্বা চৌবরনি। নংগী মামাবু মিত্রং যাত্থ হৈবা মীথাদো মরুসিমকনি হংগদৌরিবত্থ।

(কোক্ কাক লাওনা লৈমায়দা থাইব)

যুধি— ঐবু নিংথৌ অমা ওইনা কৌবিরিব্রা ? নত্রগা মচিন মনাও অমা ওইনা কৌবিরিবরা ?

দুর্য্যো— নিংথৌ অমা ওইনা নিংথৌ অমগী সভা মাওব শক্লাবদা। য়াম্মুং মহারাজ পোক্লাদি নিংথৌ, ওইনা থাবিগদবনি।

যুধি— ঐগী পুক্কৈ লনগে পুম্নমক থাদে।

দুর্য্যো— ননাওনিদো ননাওগী পুক্কৈ লনগৈ য়াম্না মচোওব্রবশু মচাবিগনি।

যুধি— অচুদি থাদে, ওম্না থাদে।

শকুনি— (যুধিষ্ঠিরদা) নিংথৌরেল চৌবম মরুপি।

যুধি— হুনগে মাম্না (হুল্লি) পো-বারো।

শকুনি— থোকব্রমাংল নিংথৌরেল মাম্না শরু লৌথকলে।

দুর্য্যো— মাম্না থোনবিরো।

শকুনি— ছো, তিন—নয়।

(থোকলে— ২ ময়াম পুম্না নোকথেবা)

কর্ণ— মহারাজ যুধিষ্ঠিরগী পুক্কৈ লনগৈ পুম্নমক মহারাজ দুর্য্যোধনগী পুক্কৈ লনগৈদা হাপচিনজরে, হৌজিক পাণ্ডবকী মরল লিকোল অমকাওবা লৈত্রে।

(ময়াম নিন্নকই)

দুর্য্যো— ময়াম পুম্নমক তুমিন্ন লৈবিন্ন নিংথৌগা নিংথৌগা শামবা জুবার, নখোয় মীচম্না উবত্রা ? ওসিগী জুবার অসি

মমাংদন্থ পান্নখিত্রি মতুংদন্থ পাম্নরকলরোই। মাস্থং মহারাজ
(যুধিষ্ঠিরদা) ঐগী থোংমী লাম্মী থারে।

যুধি— দোংলাই লাম্মী, শগোল লাম্মী, শামু লম্মী অক্ষৌ-
হিনী তেঙ্গোল ভরেৎ থারে।

দুর্য্যো— মাস্থংবু ননাগী অক্ষৌহিণী তেঙ্গোল ১২ না চাঙ্গরি।
মগা হেন্না হাপচরবা পোম্থ্নি।

যুধি— (শকু খিঙলগা) পাঁচ ত্রি মারেবিচি।

শকু— নোংদম্বসি থিদা নিংথৌরেন। থোকত্রেনেসে মাম্ম'মুক
হুন্নগেদো। শৌত্রি (হুনবা)
(মীয়াম্না থুক্তা চুশ্মী ২ নিনথি লোকখি)
(মাংলে-১ ওয়না চপ মান্ননা থুম্বা খোঙ্গেলস্থ তারি)

ধৃত— লথোংম নচিন ননাগ কনানা থোইনরিবনোনে নিল্লিববো ?

কর্ণ— ননায় কর্ণনা কঙ্গৎচগনি মহারাজ নঙা ইবুংঙোনা
কিরাল মমাই খিক্তং চুমলি। সভাসিদা তিনবিরিব-
শিংনা খঙবিরো পাণ্ডবকী রাজ্য শাসন তৌনম্নবা লাম্মী
অমকাগবা লৈত্রে, মরল লৈত্রে। নিংথৌরেল যুধিষ্ঠির
চুমলেদনকো ?

অর্জ্জুন— অঙ্গরাজ কর্ণ নংঙাংগন্থ অস্তুমক তুমিন্না ফম্মু নং
কাকংলকপু নশোং কাংগন্থ অর্জ্জুন মাওরি।

যুধি— ধনঞ্জয় ইয়াম্বদা।

অর্জ্জু— মাস্থং মহারাজ। (কেক হম্মখি)

দুর্য্যো— মখা তাবিগনি।

যুধি— যুধিষ্ঠিরগী লৈপাক ঙাকুবা লাম্মী ইন্দ্র পুন্নমক লৈরে।
ঐগী লৈপাক মঙা তিলপ্রস্ট, ইন্দ্রপ্রস্ট, কুশপ্রস্ট, বারুণি অমদি বারুনাবত অকংবা লৈপাক্তা তারে মঙাসিমক থারে।

দুর্য্যো— ননাওগীনা বীজয়া হস্তিনাপা লোইননা লৈপাক তন্নানা চারে লাইবক ফবিয়ু, য়াম্মুংগী পোম্বাদগী অথোয়বা মঙাপা কোম্ননা লৌবিনবা চৌখর পোমিং কৌবিয়ু।

যুধি— ত্রিঃ ত্রিঃ ত্রিঃ থোকউ (শরু হুনবগী খোঙ্গেল)
(অতৈ ময়ামনা লাওরকই শুকওই ওইরবা শুকথোক থোক্লুবা)

শকুনি— ঐবু চৌখর মরুপিবু হুনথিগত্ররে,
(কত্রাক কত্রাক লৌশিনবা কাকৃ—২ য়ৈ, উশিং থৌওই-দনা খোঙ্গুল লুম্না নোকখি।)

দুর্য্যো— মাম্মাগী পোমিংপু!

শকুঃ— খোকত্রসনুদা। ছোতিন নোম! পাণ্ডবকী লৈপাক মাংজরে পাণ্ডব মরৈবাক লৈত্রে পাণ্ডবনা ফমলিবা কিদা মঙা অসিসু দুর্য্যোধন নিংথৌনা থাবনি।

ভীম— ভীমগী কৌমুদী গদা লৈরি।

অর্জ্জুন— অর্জ্জুনগী গান্ডীব পাম্নরি।

যুধি— ভীম অর্জ্জুন। (থাম্বা)

ভীম— ধনঞ্জয় লেং ওৎপা য়ারোইদৌরি ধর্ম্মগী থৌরি চেৎনা পুনশিনলকলি।

বিদুর— য়ামুং মহারাজ! চৌখর লেপকনবিরো মসিদগী হেনজিনলকলবদি শাগৈ অসি হুম্মরকলপনি।

ধৃত— বিদুর ইয়াম্বু কদ্দি লেপ্লে হায়রা ?

বিদুর— য়াম্বুং মহারাজদি ভরত বংশগী নিংথৌনি। চৌবর থাম্বগী শক্তি য়াম্বুংগী লৈরি, মহাক পুরা লিনগুম্বা দুর্য্যোধনবু দুংশিরা থাদোকপিয়ু।

দুর্য্যো — তুমিন্না লৈগদবনি মীনায় মচা বিদুর। নহাক কুরুগী ঈরৈমথাক ওইরবস্ মীনায়না পোকপনি, অদুগী চৌবরদা নহাক্কী অধিকার লৈতে। ঐনা হন্না হন্না হায়রে, পুম্নমক না তাংখিগদবু তুমিন্না লৈথিয়ু।

বিদুর— ঐবু তুমিন্না লৈবা তাবা ইচা তাক নত্রা কুরু পাণ্ডব।

দুর্য্যো— মহুদনি মীনায় মচা হায়রিবা মীনায়দি মপুশিংগী মরোল থগদে। হৌজিক্তা হায়নি শ্রবা নিংথৌ ওইনা শাসনত্রা মচিন মনাও ওইনা কৌরিবরা য়াম্বু যুধিষ্ঠিরনা হংবদা নিংথৌ ওইনা কৌরিবনি খুমখিবনি মহুগী অর্থ থগদেনে। মীনায় মচা বিদুরনা যুধিষ্ঠির, দুর্য্যোধন মচিন মনাও নত্তে নিংথৌগা নিংথৌগনি নিংথৌ অমদা নিংথৌ অমনা চংকম থোকপা ব্যাবহার অদু চংনরিবনি। করে যুধিষ্ঠিরনা নিংথৌ মসামরা অমদা তোকচরগে হায়রল্লু, মহুনিনে রাজ ব্যাবহার। মীনায় মচানা থামগদবা নত্তে। (যুধিষ্ঠিরদা ওনশিনলগা) য়াম্বুং বাকমসিদা কররি হায়বীনিংবা ?

যুধি— নিংথৌ যুধিষ্ঠিরনা মরৈবাক লৈত্রবা মরম লৈত্রবা থোংমী তুমগ্রবা ওইদুনস্ নিংথৌগী শনমানদি হৌজিকস্ তাকথিগনি। মামা চৌবর হনখিগনি।

শকুনি— অদুবু নিংশৌরেল —॥

যুধি— ঐগী সন্দেশ নোকুলনা পোম্বানি, লিশু তেনশু হৈবা তাক্তনি মখোয়।

দুর্য্যো— অতোপ্পদগী থিগৎলকপনা ইমাও কুনমথাংদা চাৱে।

ধৃত— ইপাদা দুর্য্যোধন।

দুর্য্যোধন— পাম্বুং মহারাজ ঐগী ইনাও কুনমথা পাবুংনা পোকপিখনি পাবুংগী নয়ননি নচাগীসু ঈবেমথাকনি. ধর্ম্ম-রাজগীদি মাগী ঈরৈমথাক নশুবনি থানরুগদ্রু· হায়বিরিবরা ?

ধৃত— হায়দে, হায়দেদা।

যুধি— পো থাৱ (লংবা)

শকুনি— মাম্মাদি ধর্ম্মরাজ নহক্কী ওসিগী দায়সি করিনো খঙ্ত্রে। অদুবু শুংঙাই শকুনিগী পোমিংনা চুমথঙ্— ঐগীদি ইম্মাক চাম্মগা অনি শুগদোরিবনি। থোকলো ছোতিন নয় (থোকপা উথদা) শকুনিগী ইম্মাক চাম্মাগা অনি শুরে। (হোনা লাওই)

দুঃশাসন— শাওগদ্রু মাম্মা, মাম্মাগী নমাক চাম্মাগা অনি নত্তে চাম্মাগী মীনাই অনি লাকলে হায়দুনা হয়াওগদবনি।

(ভীম, অর্জ্জুন অনিমক্কা থাংগমরনা-দুঃশাসন হায়না চংলকই)

(কুরুগী কাংবুনা ফাক ফাক নোকলকই, মাকল অমদগী —দুর্য্যোধন চৌথর তোকলো, চৌথর তোকখো হায়না লাওনয়কই)

দুর্যো— ইবুধৌ ভীষ্মনচিংবা গুরুজনশিং তুমিন্না লৈবিখো। নিংথৌপা নিংথৌপা করম্না শাম্নবা মশামনো মুম্না য়েংবিরগা অহুম্মক তুমিন্না লৈবিয়ু জুবার থুগাইবিগনু।

শকুনি— মহারাজ যুধিষ্ঠির! চৌবর অসি লেপ্পা মতাং চারে-না। সহদেব নোকুলবুদি সহদেব নোকুলনিদো মাংজ-শ্রবম্ন।

ভীম— চৌবর লেপখিরোই শান্নখিনি য়াম্মুং মহারাজ চৌরব শরু পাইথংপিয়ু। ভীম অর্জুনবু থাদোকপিয়ু কুরুগী মীনাই ওইগে থোক্তগনু চৌবর পোমিং। পাণ্ডবকী ভীমনা কুরুগী মীনাই ওইনা মখোং মথুৎ নোয়রগা মখোং থুদেক্কে (কা-হা চাওনোক নোকই) অদুদগী মচিন খিবা মপু য়াওরকসনু চরম মেৎথায়গে। য়াম্মুং শরুদু পান্নথংপিয়ু মাম্মা শকুনি! নংনা সহদেব নোকুলদি সদদেব নোকুলনি ভীমনা মীনাই ওইনা লাক্লগা নঙোন্দা অস্ত্রম্না হায়য়ু হায়না ভম্বীরখিনি। নশা শাগলদু লাক্কুনা চিংলগা রা অচুম্বা ভাকপিগনি। নংসে অউননায়নি মচেম গান্ধারীগী মীনাই কোক ওইনা হস্তিনাদা শায়দাংলবা অওৎ-অপা শারবা তুঃ নমাংদগী নবুঙোনি হায়রবা দুর্য্যোধম অসিমক্না নত্রা নয়াম্বা মায়ফুতরামাপল হাংখিবা। ভোম্নবা নংনা চাক-লেম চাবা ফংনবা কিয়েম শেৎপ ফংনবা হুই[illegible]ম্না মপু-নিংবা শাত্নুনা মনাক্তা কুম্নিনে।

দুর্য্যো— ভীমসেন। নংনা মরক থৎফম থোকলিবরা?

ভীম— সহদেব নোকুলদি, সহদেব নোকুলনি কনানা মরক থংহনবনো !

যুধি— ইয়াম্বদা বৃকোদর (ভীমদা)

(শকুনিদা অমুক) মাম্মা হিড়িম্বা বকনচিংবা কল্লবা হিংচাবা মাংহনবা ওম্বা, ক্ষেত্রিয় অকনবা জরাসন্ধবু হাৎওম্বা ভীমসেন, শিশু ৈবো পার্থ কুবেরবু ওমজবগী, ধনঞ্জয়, লাইকোটি কুম্ভ্রাঙুমদোইবু ওমদুনা ইন্দ্রগী খান্দবনবু মৈ থাওম্বা ভোজবৃষ্ণি বংসগী নবুংঙো, যদুবীর শ্রীকৃষ্ণমক্না ইতাও হায়না কৌবিবা ভীম অর্জ্জুন অনিমক থারে ।

দুর্য্যো— কুনগজক্কশুবা ইনাওদগী থিগলগা ইনাও য়াথৈ অমগা অমুক চারে ধর্ম্মরাজ ।

কর্ণ-- মহারাজ ননাও ইবু ঙোশিং য়াথৈ।

দুর্য্যো— মানি মিত্র কর্ণ ভীম অর্জ্জুনগুম্বা ক্ষেত্রিলক্ষগী পাঙ্গলবা ইনাও অনিগা চায়বা পেস্থানি য়াথৈ সনবু মতিক ওইব্রা:ন ? অনিসিদংগা লৌশিনবা ওয়বা ইনাও ওইনা থয়বসু মীনাই ওইনা থয়বসু মচুদি ময়াম্বা খবরগা থোকনি ।

(ময়াম য়ায়া নোকই লাওই হংই)

মাম্মা শকু হনবিয়ু ।

যুধি— (হুল্লি) পাঁচ ত্রি মার বিচি (থোকখিদ্রে)

ভীম— হা: হা: (নোকই) ভীম অর্জ্জুন মীনাই ওইনা লাকপা তারেদনা চ্যেকশিল্লু কুরুগী মচাশা ।

দুর্য্যো— মাম্মা অনিসিদংগা লৌশিনহনিংঙ্গ্রেদকো নমাক্তি ।

শকুনি— ভগবানগী নোংদম তারে। থুম্বকইদে। থুংসে ওসাই-মথৈদি, শত্রু ইবেম্মা নংগী থোজাল মতাইরে খোকউ—ত্রি—ত্রি—ত্রি—

(লংই—কাক্ কাক্ লাওনা খোঙ্গেল খোকই।

দুঃশাসন— মং ঊঙ্গত ওাইরি হায়বদাই?

কর্ণ— নিংথৌগী মাংদা মীনাইনা সনাগী সিংহসনদা কয়া চুমলিবরামেহে মতমসিদো?

দুঃশাসন— ননাও দুঃশাসন্না। হায় চংউ বাহক তরামওা, মথোয় মরিগী সিংহাসনশিং অসি চিংখোকউ।

ভীষ্ম— নৈবাক মচা ত'দবা রাওাং ওাংগনু দুঃশাসন ঐখোয় নৈবাক্তা ফমলবসিনি।

দুঃশাসন— নৈপাক্তা ফমলে মপুদ! মনাইনা চৎকদব' লমচৎ অচু চুমলে মীনাই ফীজোল। হাংদোক্কে মীন ইমা ইনগদবা ফিসিদি ইনবাত্তায়সে (লংশিনলি) ফিসে জো—॥

কর্ণ— ভাবিরেদনা উবিরেদনা মীয়াম্না। পাণ্ডব মওাগী মপুংদা পাণ্ডব মরি কুরুগী মীনাই ওইরে।

ধৃত— শকুনি করিনো হায়রিবসে ঐগী ইচা মরিবু কুরুগীদা নৈরগদবা?

শকুনি— চুম্নগী নৈরগদব মপ্তে মহারাজ মপল অমদি মচিন মনাওশিংগী সেবা ফংজরগদৌরিবনি। তৌবতনু মীনাই হায়বচুমতংদি মদিংতা ওইনা হৌবা ভাই।

শকুনি— ইবাই মহারাজবু।

দুর্য্যো— চৌবরসিবু য়াম্মু' মহারাজনা।

যুধি— চৌবর ভোকখিরোই ঐ চৌবর শাম্নখিনি চৌজিন্থু থুং নিকল্লি য়াথল হোংফ্রি ঐগী ফীরেপ চপ চানা লেপলি— ঐগী লৈবাক লৈরে শাম্মা লৈত্রে ইরল লৈত্রে ইনাও লৈত্রে ইথম্বা ওাইরে। ইথম্ভদ' হংবদাপাওথুম অমা পিরকই নং থাত্রো জুয়ার অসিদা অচুনাঐ থারে মাম্মা চৌবর মরুকমদা।

(অমুক লাওরকই— ধর্ম্মরাজ নশাবু থাদোকন্থু ওাইথো চৌবর লেপথো)

ঐ চৌবর লেপ্পোই ঐ ইশাবু থাদোকনি, নিংথৌ যুধিষ্ঠির থারে। দুর্য্যোধন।

(মনাও মরিমক অমদি মীয়াম পুম্না হৌনা লাওরকই মাংলে মাংলে—। ধর্ম্মরাজ ফুক' হোগৎলিন)

নখোয় মরি মীনাই ওইগ্রবনি ঐনা থাদোগ্রবনি।

ভীম— য়াম্মুং মহারাজ।

দুর্য্যো— নিংথৌ দুর্য্যোধনা দুঃশাসনগা লোয়ননা ইনাও কুনমরিশা পুম্না ঐখোয় কুনমওানা চারে।

যুধি— পো বারো (খোকত্রে) ইনাওশা ঐখোয় পুম্না মীনাই ওইবা ভারেদনা কুরুগী।

(মাইকৈ অমদা কুরুনা ফাক ফাক লোকপগী মখোল মরক্ত' শকুনিনিগী শরু খিংবগী মখোল)

শকুনি— ত্রি—ত্রি—ত্রি থোকউ (অমুক্তা হৌনা লোকপা) পাণ্ডব মচা মীনাই ওইরে কুরুগী।

বিদুর— য়াম্নুং মহারাজ ঙসিগী মাঙুব হোংবগী উপলক্ষ অসিদা কনা য়াম্না নোকলে কনা য়াম্না কুপ্পৈ মুংঙাই-রেদনা অকিবা অঙকপা থোদোক কয়াম্নু উরেদনা নচা চাম্মনা কয়াদা মুংঙাইনা পনজন থোইবগী মিনোক্না হস্তিনা রাজধানি পোকথায়রে অমরোমদনা ভারতকী নিংথৌরেল যুধিষ্ঠির মীনাই ওইনা মনাও মরিগা লৈবাক্তা কমলে চৌজিক্লা ঙাইহক্কী মমাংদা ভারত-ধশ্বর নিংথৌরেল যুধিষ্ঠির মরৈপাক মরল তুম্নবা অচুদগী হেন্দোকুনা মীনাই ওইরবা কয়াদা ঙকপ্রবা অভিনয়নো। মসিবু অচুম্বরনে য়াম্নু মহারাজ।

ধৃত— বিদুর ইয়াম্বদি মিং য়াওদেনা করিম্নু উদেনা পাণ্ডব মীনাই ওইরে। কুরুনা মপু ওইরে।

বিদুর— য়ম্নু মহারাজ।

ধৃত— অভিনয় হায়রিবা অর্থ করিনো? অসিবু অভিনয়রনে? বিদুর ইয়াম্বদি উদেনা। মিং তাংলবনি মিং তাংলবা।

বিদুর— অভিনয় নত্তনবু, নিংথৌ অমনা নিংথৌ অমবু জয় তৌববু চৌবর মরুনা তৌবা হোনবরা? নিংথৌ অমনা নিংথৌ অমবু জয় তৌবদি খুৎলাইনা ওইদবরা? সভা মাঙুব হোংবগী মুংঙাইরবা মুনিং অসিদা লৈবাক প্রজা চোম্না তিল্লবা অহল লমন গুরুজন য়াওবা ময়ামগী মমাংদা চৌবর মরু থরা ক্রোক ক্রোক, ক্রোক ক্রোক হুম্নরগা

নিংথৌরেল অমনা মীনাই ওইরে চাকনিবা ওইরে মরৈবাক মাংজরবা ওইরে। সিবু অভিনয় নত্তব্রনে ?

দুর্যো।— মীনাই মচা বিদুর, মূর্খ। নিংথৌ অমনা নিংথৌ অমবু জয় তৌবদি অস্তুম্না চৌনবনি। লৈবাক মচা ভাদবা অপংবা নিংথৌশিংনা খোংমী লাম্নী লোয়নদুনা মগা মীগা হাৎনরগা লৈবাক জয় তৌবাস নিংথৌ মক্কম মুমবনি। মদুদা ছাওলিবা ঈদু নিংথৌশিংগী ঈরা কনাগী ঈনো প্রজাগী ঈ মত্রা ? পাণ্ডবনা মী-শুংশি খংদনা মখোয়গী অচৌবা ভেঙ্গোল থাদোক্তুনা নিংথৌ পুম্নমক্কী মরল মুনবদা মী কযা শিথি মী কয়াগী ঈনা তাংজুনখি। নং খঙত্রা ? মচা মাংপ্রবা মপুরোইবা মাংতপ্রবী দুপী কয়াগী মীকপথোল অদুগী শরু পোলাংগী মথক্তা লেপ্লগা তুঃ মাংদগী নচা যুধিষ্ঠির অসিনা ঐ নিংথৌরেলনি হায়না লাওথোকপ্রিবনি। উপ্রিবা নত্রা নাস্তু বিদুর ভারতকী নিংথৌ মচা কয়াগী কোকয়াম্না যুধিষ্ঠিরগী খুয়াদা নোনখিবস্তু শুংশিদুনা নোনখিবরা, কিদুনা নোনখিবদা, মদু নং উবা ছমখিবরা, মখোয়বু শুংশিবিবা নং উত্থা—দুর্য্যোধনদি শুংশিদুনা নত্তশাংস্তুশিং অদুনা মখোয়গী চহিগী তানজুরুবা মরল নমাংদগী ধর্ম্ম চেৎলে হায়রিবা নচা যুধিষ্ঠির অসিদা কৎলগদৌরিবনি। মানা লেমজা চাগদৌরিবনি ঐদি হৌজিক ঈ তায়দনা কনাগীস্তু মথ্যাই মাংহন্দনা পাপ চেল্লবা নিংথৌ অসিবু ঐগী মীনাই

ওইহল্লে। ভারতকী নিংথৌ লথা অমবু মনিং মথা তমহনজুরি মখোয়গী লোক্তপোৎ লৌখিরমই।

(জয় মহারাজ নিংথৌরেল দুর্যো'ধনগী জয় মাইকৈ অমদগী লাওরকই)

ঐনা ইথুং লোয়ানা হুঙচংবি সভা মাগুব হোংবদা লেংবিরকলিরা ভারতকী নিংথৌমচা পুন্নমক ঐবু নিংথৌ রেল হায়না খ্যরবিগনু।

(মমাম্না অমুক্তা হম্না লাওরকই জয় মহারাজ দুর্যো'ধনগী জয়)

শকুনি— পুন্নমক্তা হয়াবনথ্রে সুংজাইনথ্রে মহারাজ যুধিষ্ঠির নংগী মাম্মা শকুনিদি সুংজাইবা তমদে। ভারতকী খুইদগী লাইবক ফবা নিংথৌ নংনা তসি লৈখা তারে, মসি ঐ ওন্থে রু' সুংজাইতে॥ মহারাজ দুর্যোধন।

দুর্যো— মাম্মবু।

শকুনি— তসি মাম্মানা হুনবা চৌবর মরকী পোম্বাদা পাণ্ডব মাংলে পুম্মং মাংলে নখোয় পুন্নমক্ত হয়াওরে নিংথৌ-শিংনু হয়াওরে মাম্মাদি ইমাক অকুলিনা ইখিংতা ইশা তারে।

দুর্যো— অকপিনি মাম্মা মথা তাবিনি।

শকুনি— ঐগী ইম্মাক যুধিষ্ঠিরদা মাম্মারা খুদোংচাবা অমত্তঃ পিখিগে হায়রবু নিংথৌরেল কররম্বা, মরাখং?

দুর্যো— মাম্মানা পুজারীনি। ওসিগী মুংঙাইরবা উৎসব অসিগী মখেল মুক্তোই পুম্নমক মাম্মানা শিনবা, মাম্মানা থোংবিবা, হাওহনপে হাওহনলোই মাম্মাগী নমিংনি; মাম্মা নমিং ভোজো।

শকুনি— মহারাজ (যুধিষ্ঠিরবোমদা) মহারাজগী হৌজিক করিমত্তা লৈত্রে লৈরিবা হায়রবু কৃষ্ণ দ্রৌপদীদা মঙাইরে মহাকপু থাও পোম্বা ওইনা মসিদা মহারাজনা ওদ্ব থোক্লবা মহারাজগী মাংখ্রিবা পুম্নমক হনজিনখো নপা মীনাই ওইবা কোকলিম্নু থুদোং চাবা অসি পিজরবনি নিংথো- রেল অমা ওইরম্বা মীনি হায়রদুনা।

দুধ— করে মাম্মা যজ্ঞদগী পোকখিবী যজ্ঞশ্রেণী মহাকমক্তি দুপীলকগী অখোয়বী ফজবী, নিংখিবী গুন কয়ানা তিন- বীনি, মঙনদুমক্তনা মকাকী লক্ষ্য সয়ম্বরদা নিংথৌ লক্ষা লক্ষা লক্ষ্য ককননবা লাক্লখিবনি। অতুগুম্বী পাণ্ডবকী মহারাণী দ্রৌপদীবু থারবনি। পোম্বাসিগী পোম্বাবু কার- নো তাকপিখিবদু মাম্মা।

দুর্য্যা— পোম্বাদুগী পোম্বাদি মবাংদদি লৈবাক্তা লৈবাক্তা লন- গৈগা লনগৈগা লাম্মীগা লাম্মীগা ইশাগা ইশাগনি। রাণী থারে রাণীনা ওক্ষম থোকই মসিদা য়াম্বুংগী হেমা ওইজবা কংনবগীদমক থুদোংচানবগীদমক য়াম্বুংদগী ঐনা লোকপা মঙাগী মরল মথুব করৈপাক মপা হয়া পোম্বা থাজরে—।

যুধি — চৌবন্ন শকু! নংনা ভসি ঐগী পুক্সিবু অমুক্তং কল্লুদনা য়ে গি। ছায় ভিন নন্ন। (ছুনখা)

শকুনি— ধর্ম্মগী মচা ধর্ম্ম চেনবা নংনা কৌবা চৌবনগী মখুল ভাত্রে পুম্নমকম্ন য়েংবিযু শকুনিনা চৌবন্ন মরু শোক-ৈচয়োই। চুমলে থোকত্রে ঐ লৌশিনলগে পাঁচ ত্রি থোকউ থোকলে (ময়াম্না পুম্না লাওন্নকই পাণ্ডবকী দ্রৌপদী কুরুগী মীনাই ওইরে)

দুঃশাসন— মীনাইগী ফিজেংসি লৌশিনবিয়ু, য়াম্নুংহনম্ন সিংহ-সন্দগী কুমথবিয়ক্তুনা লৈমায়দা ফম্বীগনি।

বিদুর— হৌতিক কৰি লৈরি? কবি লেমহৌরি? পাপ অসিদগী হেনবা পাপ অমমুক কুকনা তৌনিংঙাই লৈ-রিব্র? কুকৈম্মসিদগী হেনবা অভিনয় লৈরিব্রা? লৈব্নবদি মথা চপ্পথো মথা চপ্পথো পুম্নমক মাংনবা পুমতুম ভূম্নবা করিগী তুমিন লৈবিরি মন্তাং অসি য়োরফাওবদা ভীষ্মদেব, দ্রোনর্য্যগুম্বনা পাণ্ডব নোংশা মত্তা অসি ধর্ম্মগী থৌরিনা মথোং মথুৎ পুনত্রে ভুমখুল হুনত্রে নথোম্নমা মিকপ খোক্তুইঁডদা কুরু মহাবংসসি কম্নবা তৌথৌবনা ফয়োইত্রা পাওথুম পিবিয়ু উপায় হায়বিযু কক্তিনো তুমিয়া লৈবিরিবা? তাও কুরুপতি দুর্য্যোধন নথোয়না খেক্ খেক্ নোকলি হয়াওনা নখোয় ভুমগনি হায়বা থওত্রি অসিদগী হেম্না চৈ থারুগম্ম মথোয়দা মরৈপাক মরল হল্লোকপিখো মথোয়গা সদ্ধি তৌনৌ নপুক্সি শাংনিংলবদি, নখোয়না কায়দবা থবক

কয়া তোরে হায়বসি নখোয়না থগ্রে। ঐগী ইরা লৌনিংত্রে। জুবার শামবা য়ু থকপা শা-চাবা ওক্কবী-শিংগা লোয়নদ্রনা লৈবা থবক মরি অসিবু থবকনি হায়না শিংথানরবনে লৈবাক মচাশা।

দুর্য্যো— অমুক ঙাংলগনু খুরাতোন ঐনা ইতোন্নী হায়দ্রনা ঙাংলিবা নরৈন্দ্র করুনবা য়াথং পিদবনি নংনা পাপ কয়া তোরে হায়বসি পুন্নমক্তু পুন্য ঙাক্তনি পাণ্ডবশিংসিগী মথম্মোয়শিং চাকপা যৌদ্রি মসিদি থরক্তনি মীনাই ওইবনু করি অরাবনো মখোয়না মীনাইবু অরাবনি খল্লবদি মখোয়গী মীনাই লিশিং লিশিং করিগী লোয়রি। মখোয়বু মীনাই ওইবগী অরাবা অদু ঐগুম্বা মীনা থগুহনগদবনি অমুক। হেন্না মখোয়গী মখোইদো শিক্তদবা থবক তোগে অদুনা কোংশুং মপুংদগী মীনাই দুপী দ্রৌপদীদু —।

বিদুর — দুর্য্যোধন নংনা তৌরিব'স করিনোনে? কুরুমহাবংশসিদা নংগুম্বা ভমথিবা মীসিবু পোক্প্রবরনে, ঐ নংগী নরা লৌদে।

দুর্য্যো— (মোকই) হা— হা— চৎকদ্র ইনগদু ঐগী ইরা, প্রতিকামী লৈমরক্তগী মীনাইদুবীদু কৌথোরকউ।

প্রতিকামী— মহারাজ (চৎখিবা)।

ভীম— দাদা মহারাজ য়াথং, খোংবী মরার হায়গৎপিয়ু ঐঙ্গং পিথিয়ু থম্মোই পুণ্ডমলক্তে কুরুগী মচাশিংসি ভুম্বা হাৎ-চররগে। ঐ'ঙ্গৎ পিদে খোংবী মরাই হেন্না লুকপ্রে অর্জ্জুন নোকুল সহদেব অসুম খাংবদা মতারবরনে ইচিন ইনাও মরিবু মরাগী য়াথং ইনবা হায়বদুদা মীওইবগী সনমান

ইঙ্গং ঙম্নমক শুপতেক নাতেক নমশিল্লসি হায়ব্রবরো হায়রো ইনাওশা করি ভৌরবগেনে নখোয়না তুমিন্না লৈরিবসিবু ? কিবরা ! কিরিবা হায়বত্রুবাও নওনে অর্জ্জুন নংবু গন্ধীব শুরিবা নত্রাও সব্যসাচী নংবু কৌ- ন্নিবা নত্ত্রনে নংবু অর্জ্জুন—ও গাস্থ তুমিন্না লৈরেনেসে শগোল লান্দা হৈবা ভাবাক লান্দা হৈশিংবা নোকুল নংস্থু পাওথুম পিদে—কদায় সহদেব চুঙ্গোয় থা' পাইত্নুনা লানগীদমক চোংথোকপদা নমাংদা লেপঙম্ববু কনানো অত্নবু নংস্থু শীরে ভীমত ঙাইরবা কিত্রিব'স। যু'ধষ্ঠিরদা) য়াম্বু' মহারাজ ফত্ত্রবা ডকু ফাওবনা মথোয়না থম্বা মী- নাহ সুপীদি থ'দোক্কদে জুবারদা, ঙসিদি করি থল্লুবননো য়াম্বু: মহারাজ নত্তে—ঐ য়াথং ইল্লরোই ঐখোয় অস্থুম হিংবা পাংদে অর্জ্জুন গদা কদায় এগী কৌমুদী।

অর্জ্জুন— য়াম্বু' য়াইমা মাংহৃরে পাণ্ডবকী করিস্থু লৈত্রে, দ্রৌপদী থাদোকত্রে অদুনা গদা থিবিরি। পুম্নমকসি পাণ্ডবকী অচৌবা অর্থ অমগীদমক মনাও অর্জ্জুন তুমিন লৈখরি। মী নত্তবা লাইগী দেবতাশিংগা লান্থবদা ঙমত্নুনা থগুবন মৈ থাবনি উৎকৃষ্ঠা কুরুশিংসিবু করি লৈ- বনো, ব্রাহ্মাস্ত্র হৈবা মনাওগী ভেনবৈ অমদা মিংকুপ্তা জাজোয় ভাগদবনি—হৌজিক উরে কুঙ্কনা লন-থুম ফংলত্নুনা ফাক ফাক নোকলি, হয়াওজরি। পাণ্ডবনা মরাম্বনা ভৌগ্রবা থবকনি হায়ত্নুনা তুমিন্না লৈরি। মরাম্ব: নিংঙক্লনা

ম্বাংলবা চীংদোন অসি অসুম অসুম রাংবা হেনগংলকনি। কুরুনা কনি করিনো থরদি লোংম্রে। পাণ্ডবকী মরল অমসুম্‌ লৌথিবা ওমত্রি। দাদা মাইমনা মচু শিথোকপিগে হায়রিবরা? লৈংশিমু, পোথাবিয়ু কমসি মু খাইদোকপা অমা অনা খোকপা করিসু লৈত্রি।

(প্রাতিকামী চংলকপা)

দুর্য্যো— প্রতিকামী নং লাকলে কদায় দ্রৌপদীদি?

প্রতিকামী— মহারাণী দ্রৌপদীনা মহাক হৌজিকসু কুরুগী মীনাই ওইত্রি হায়রি মহারাজ যুধিষ্ঠিরনা মশা হায়না থাদোক্লুনা মীনাই ওইরবদা ইন্দ্রপ্রস্থগী রাণী'বু থাদবগী অধিকার লৈতে।

দুর্য্যো— নিয়ম কানন খংজবী মিংথোগী মচানুপী কায়বদ্রনিদনা চংলোইহ দুঃশাসন মশম লাক্লুনা চিংলকউ মীনাই মুবীদুনসু মনিংথোনা কৌবদা য়েংচবা শারি। দুঃশাসন নংবুনে?

দুঃশা— য়াম্মুং মহারাজ চংচরনি।

কর্ণ— মতিক চাওরবা নিংথোরেলমু কর্ণনা থাগৎচরিয়ে।

দুর্য্যো— অচুম্বরনে মিত্র কর্ণ?

কর্ণ— রাজ সভা মরাইদা দ্রৌপদীবু নমচুনা চিংলকপা হায়বসি থজিক থরাকী থৌনারনে। ইন্দ্রমক্কা মমিৎ কয়া য়েংজবা ওয়া? পাণ্ডবকী শিন্থা পিবা রাজমসি মহারাজগী মুংঙাইনবনি, পাণ্ডবকী শিন্থাগী লায়াৎ অমা কৎচগে—নোকুল

সহদেব মশা নাপ্লি মশক ফৈজে মহারাজগী নাক-য়েংতা চামর থোগল তৌসনু। লিশু হৈবা অর্জ্জুন শা-লান পামজবা মানি সনা লুপা থোমগংপা ওইদুনা দিগবিজয় চংসনু মহারাজগী পূক্কৈ চোম্লেদনা হেম্না; অদুগা ভীমগী শিঙ্খাদি এঃ অস্ত্রা শিঙ্খা পিবতাই মহারাজনা দোলাইথক্তা লেংখৎলপা মানা মকোক্তা পুজসন্, ইনিং-থোনা য়োনিংবা লেংবিনিংবা মফমদুতং মঙ্গেন্দা হেক মতাকপিবা। ধর্ম্মরাজগীনা মহারাজগী মুগী কাগোক্ মখনজসনু অদুগা দ্রৌপদীগী শিঙ্খাদি ঐগী ইভিক নঙ্গ্রে মহারাজগী অনিংবা ভুংইমা পিবীবা তাই।

অর্জ্জুন— মপুগী থুয়াদা কুনবা হুই, নং নথ্বাই মাংবা তাই নরৈ ককপা তাই অদুবু চৌজিকমক্তি ধর্ম্মগী থৌরিনা ইথোং ইথুৎ পুয়ে লানফমদমিকো নংবু ঐনা নথ্বাই লোগদৌরিবসে হাংকদৌরিবসে। উমত্রবা অর্জ্জুনগী ইপা ইপু পুন্নমক নরক্তা তাথিবা ওইসনু। নহাকপু শুংশোই শোইদনা ঐনা হাংকদবনি।

দুর্য্যো— কিনিগাই ওইগ্রবা রাশকহায় হাঃ—হাঃ (নোকপা)

ভীম— দুর্য্যোধন নহাক মহাপাপীনি নংনা পাণ্ডবকী মথক্তা তৌরক্লিবা পুন্নমক্কী মরালসে ভাকপিফম শুকনৈ নৈতে অদুনা ভীমনা মরাম্বা হাংপগী পাপ কিররোই। নংবু হাংকে, মীহাৎ থিনা হাংকনি। ঐগী চাওরবা গদা অসিং না নথুউ অনিদু থুদেক্লপা থোংপাক্লা নরাইবক্তদা নেৎকনি।

(মপাল্লগী খোঞ্জেল)

দ্রৌপদী— দুঃশাসন ঐবু রাজ সভাদা পুশিনগনু গুরুজন কয়া সভাদুদা য়াওরি ঐহাক নুমিৎ খা থুরুম্বা য়াবা মতাং খোক্তি।

দুঃশাসন— লাও নংনা হায়বা তাক্তা ইনগদবা নত্তে ঐনা নংবু সভা ময়াইদা লংশিল্লিবা অসিনি—
(ইনশিনবগী মখোলনা লাংলকপা. লাওনরমই—মাংতে, মাংতে—খোদেম্নরকই দুশাশ্বর ফুইনা হোৎনবগী খোঞ্জেল তাই তাইহাক লাংলম্লগা চিকখি)

দ্রৌপদী— ঐনা হেক পোকপদগী নংলকপা অরা অনাগী মরক্তা অসিগুম্বসি অমুক্তম্ থেংনখিদ্রে কুরুগী রাজসভাদা নুপীবু ফিভম অসি ওইরবকো মপুরোইবগী মমাংদা মতাংলোইবু অলোপ্প নিপানা কল্লকখোক্লবকো ক্ষেত্রিপা, লী-শুবপা, নখোয় নুপী ওইবীবু কনবিবা ঙমদ্রবকো। অদুবু পাণ্ডুম অমক্তদি পিয়ুদনা। নখোয়গী মিৎ-মাংদনি শাগ্নখিবা জুবার অসি ঐবু মীনাই নুপী ওইখ্রবরা? জুয়ারদা থাদোকপা হায়বসি লম-থুম, সনা লুপা, মাগী ইম্খোল শাষণ লোইনমক থাদোকনৈ মী থাদোকত্রা মীদি থাদোক্লখিদে। মী থারে ঐবু হৌজিক থারে—হায়রি, মীনাই ওইরে হায়রি ঐ ইশানা য়ানিংদে চায়বদি নখোয় ঐবু নমতুনা মীনাই ওইহনবা ভাবিত্রা অদু ওইরবদি নখোয়না নুপীগী ইজ্জৎ কদায়দা থম্মীরি—অদুবু ওইরো—। ধর্ম্মগী

মচা যুধিষ্ঠিরনা মশা মীনাই ওইরগা ইন্দ্রপ্রস্থগী মহারাণীবু থাবলিবু চুম্বা পাওথুম পীয়ু ?

(ময়ামা — চুমদে চুমদে হৈরাং লাংলকই)

দুর্য্যো— ঐনা হায়রি দুর্যোধনা চুমই হায়দুনা তৌগ্রবনি। মতুংগী চুমই হায়বগা প্রমাণ ঐনা হৌজিক তৌখিগনি। হায়রু দ্রৌপদী মীনাই ওইরবা পাণ্ডবশিং অসি নংগী নপুরোইবা নত্রে হায়দুনা, খুদক্তা ঐনা নংবু মীনাইদগী থাগনি হায়রু খুম্বু (দ্রৌপদী মুংশা ফুইনা হোম্দুনা লৈ) ঐ হায়গে তাও নংনা ঐগী থবক অসিবু পাপনি লৌরে, পুকচেল পিকপনি লৌরে, লৈবাক পুম্নমক্কী মাংদা ওইথিবা তৌখিবা পুম্নমক ঙাকতনি উহৌদবা তাকৌদবা মচেৎনা তমলিবসিনি, পাণ্ডবকী মরল তুমলে মরোল মরল তাকলে মুংশিবিদুনা মাংমা শকুনিনা তৌরকপা প্রস্তাব যুধিষ্ঠিরনা দ্রৌপদীবু চৌবরগী পোন্থা ওইরবা অমরোমদা মখোয়না থাদোকগ্রবা মশা—সম্পত্তি পুম্নমক মাকহল্লগা মরায়বক য়েংশিনবনি, হন্দোকখিদনু হায়দুনা। অত্তমক্তুদা মরাইবক নেস্রবা তোল্লবা নহাক্কী নপুরোয়বশিংসিনা নহাকপুম্ন ফিভম অসিদা তাহল্লিবনি, হন্দোকচবা ওমখিদবনি। খল্লু— মসিদা ঐনা করিদা লানবা নংনা পুম্মীবু থো ওইদে হায়রি, ঐনা নংবু কয়দা মমল্ল কাওথহনগ্রবনো হায়বদুদি নহাক থওল্লি। য়েংশিদে পাণ্ডব মচা অকনবগী চৌং মঙানি হায়রিবা অকনবশিংনক্কা চৌংগুবা মখোয়গী মরল কুরেরগুবা,

মখে য়গী কোন্নুং শোরারেনগী কোন্নুংগুম্বা অতুগী মথক্তা লেংবা লান্মী তেঙ্গোল ময়াম অতুদগী হেন্দোক্লুনা ভারতকী নিংখোমচা পুন্নমকপ্পু ওম্বা মখোয়গী শক্তিগী মমল হায়বদি লোইপোং ময়াম অতুনা নতোমতগা মরুম মাংহনবা. মসিদা ছুর্য্যোধনবু থাগৎতদুনা চৈরিবা। মতুগী মতৈ নংবা থংলম থোকই। (দুঃশাসনদা) দুঃশাসন মীনাইশুবীসিবু মাংদ মুল্লু।

দুঃশাসন— য়াম্মুং মহারাজ।

ছুর্যো। . মিত্র কর্ণ ঐগীসিবু লাপ্লব্র, নুপীমে নিংখোগী য়াথং ইন্দনা অহে অপা শাবিনি অতুগী মথক্তা মপুরোইবা মন্ডা শুবীন, মখোয়বুদি কৈথেল কৈথেলদা ফোহুনা খোঙ্গোয়-নবসি য় জানন্দিগী মরু ওইবা নত্রবরা? পাণ্ডবনা সর্ব্ব-ভূপতি ওইরিঙৈ শক্তি শিজিন্নদুনা অম্মুক তুকচরবা থবক অসি তৌরকপনি।

কর্ণ— মহারাজ, মহারাজ, দুঃশাসন নিংখোগী য়াথং পাংখোকউ।

দুঃশাসন— মহাবীর (ফি মুনগে চংশিল্লি)

দ্রৌপদী— ইকু নিংথৌ খুমদে ঙাংদে (ফিচিংবা হৌরকই) অবুধো ভীস্ম, তিংগুক তিংগুক য়েংদুনা মরৈ দ্রোনচার্য্য হে গুরু দ্রোন নখোয় অম্মুক য়াম্ববু (মীয়াম—মাংলে য়ানিংদে তুককৈ আমঙ্গল কপ লাওবগী খোঞ্জেল তায়— নুপীবু উশিংপিদ্রে নুপীবু থোঙ্গোইনবিরে হৈকাইবা পীরে অসিনচিংবা নুপী ময়ামগী রাকৎতাবা ফংই)

(গান্ধা'রী চেস্থোরকই)

গান্ধা'রী— সুপী ওইবাগী সনমান নিপা ওইবশিংনা খঙকম খোক্কে মখোয়দি সুপীদা কল্লক কন্না ওবতগীনি মখোয়গী অপাম্বা অত্তগীনি মখোয়গী মরল তিংনিংলবা নোক-শিন্নরিব, কপশিন্নরিবা পুন্নমক অপাম্বা অত্তগীনি মত্ত গান্ধা'রীনা য়ানিংদে ইনেম কৈরি। দুঃশাসন চংলু চৎপোকউ ইমোবো অস্সুম তৌরবকো (দ্রৌপদী কপই গান্ধারী কপই) তৌল্লিহে নিপা ওইবশা নখোয় মরমগী মাংদা মফি....মফি...তুকৎচৈ কনাগী য়াথংনো মসি হায়য়ু কনাগী য়া'থংনো।

দুঃশাসন— (কিনা) মহারাজ দুর্য্যো'ধনগীনি।

গান্ধারী— দুর্য্যোধনগী। নিংথৌগী য়াথং তাওথরিবা? সুপী ওইবীদা অসিগুম্বা য়াথং তাওথরিবা সভা মা'দা সুপীবু খোঙ্গোয়নবা অদুগা সভা মীয়ামস্তু রাজভক্তিনা কায়তুনা য়েংতুনা লৈরিবসিবু অশেংবা রাজ ভক্তির শাশিন্নবরা? ঈশ্বংদা লৈরবা ভাবু কংকালদা চোংতল্লগা ইকোই কোই-শিল্লগা য়েংনিংবত্তরা? সভানা তৌরিবসে। মহারাজ ধৃতরাষ্ট্র নচানা তৌবতা ইল্লবা নহাক্কী মপান খোংগী মিৎ উত্তে হায়তুনা খম্মোইগী মিৎনা মিৎ শায়তুনা অরাংবা মায়-কৈদদি য়ে'বিত্রে; করিনো তৌরিবসি?

দুর্য্যো— ইমা নচা দুর্য্যোধনগী য়াকম থরদং।

গান্ধারী— তানিংদে নংগী নরা ঐ তারোই নংনা অচুম্বা ফনা তৌজবস্থ ওইসনু ধর্ম্মগী রা কযা তাংখিবস্থ ওইসনু ঐ লৌরোই নংগী রা অমত্তা তানিংদে দুপীবু খোঙ্গাই-নরম্বা মসিনি নংগী অচৌবা নরালদি। শকুনি! নংনা ঐগী ইচাশিং মাংহন্নবা চৌবর হন্নমলিবা নংস্থ তুরুচে।

ধৃত— রাণী গান্ধারী ঐ পুম্নমক করিমত্তা খঙহৌদবনি নংগী নচাশিংনা চুম্নতগী চৌবর শান্নহুনা মুংঙাইমিন্ননী হায় কত্তবশিংশিগী রাথলদি চংভোবু তৌরুদে। দ্রৌপদী ইকুগী মাই য়েংহুনা নংগী অশাওবা নেমথো।

দ্রৌপদী— ইকু মহারাজ! নমৌ রায়োবা লৈজদে।

ধৃত— অদুদি ইকুদা নংনা অপাম্বা বর অমা নিজৌ।

দ্রৌপদী— ইকু নিংথৌ ঐগী ইচা মচা "প্রোতিবিন্ধ", "শুত সাম" সুত কর্ম্ম, সতনিক, জয়সেনবু মীনাই মচা হায়দনবগীদমক, পাণ্ডব মচামকপু মীনাইদগী কোকপিয়ু।

ধৃত— মদুমক কোকপিরে ইপানা, ইপানা পেল্লে সতী অতোপ্পা বর অমগ নিথো।

দ্রৌপদী— পাণ্ডবকী মরল মথুম মরৈবাক খোংমী-লাম্মী পুম্নমক হায়গুম্না পাণ্ডবতা হন্দোকপিয়ু।

ধৃত— মদুমক ওইরসনু মখোয়গী মরল অথুম পুম্নমক হন্দোক-লে। বিদুর খোজা ইয়াম্বদা সিদা লাও ইয়াম্বদা চংশি-ন্নকউ।

বিদুর— মহারাজ ননাও বিদুর চংশিনজরকলে।

ধৃত— সভা অসিদা লাওথোকউ থৌতা ওসিগী চৌবর শান্নবা লোয়রে পুম্নমক সভাষদশিংগী মুঙাইহনবা কুম্মৈনি মুরু

পাণ্ডব চৌবর শান্নবখিবদা পাণ্ডব মীনাই ওইখিদে— মরৈবাক মাংখিদে পুন্নমক কুম্মৈনি।

(মনুংলোমদগী দুর্যোধনগী কাংলুপ্পা য়ানিংদবা ফোংদোকলই—য়্যানিংদে —২)

বিদুর— মহারাজ ভাবিনি রাজ সভা পুম্বা মহারাজ ধৃতরাষ্ট্রগী য়াথংনি ঙসিগী চৌবর শান্নবা লোইরে। কুরু পাণ্ডবকী পাঙ্গলদা অমাং অতোং কনামত্তা লৈনখিদে পুন্নমক হন্নখিবা য়ারনি।

মুধি— লোইদোক্লা পুজা ভৌফম ওইরবী ঠমাহন ইবেম্মা নংদি নুপীশক্তিগী অথোইবনি। নহাক্লা কিরোল চাম্মরক হন্না থেগুনা নপুরোইবনা মমিৎ উত্ত্রবদা নংন মিৎ উখিগদ্রা হায়ত্নুনা নমিৎ থুমজিনলগা ভাইবগী মণ্ডালদগী ভোংভানা লৈরবনি। প্রকৃতিগী ফজবা থুংলেমগী পুন্নমকসু য়েংদ্রবপু মীওইবগী অচুম্বা ধর্ম্ম অমদি লমচৎপুদি নংনা উই। থোইদোক্লা নুপী ওইবগী মীচং চংই ফিদমফম পিং ... ভাস থুদোং খিরবা মতমদা নমৌ দ্রৌপদীবু কনবিরবনি পাণ্ডবপু কনবিরিবনি নফমদা মচা মঙানা থরুমজরি। মথংদা ইপল নিংথৌগী থুয়াগী উফুল যুধিষ্ঠিরনা লৌজরি নংগী থোঙালগী হিরেল অসিদা ভোংদুনা পাণ্ডবনা অরা মীপাক অসি লাম্থোকচরি। মথংদা থ্রৈগী ইনাও দুর্য্যোধন নিংথৌ মাম্মা শকুনি নথোয়না গুরুজনগী য়াথং ভাক্লা চৎপিরিবা অসিমক ভাইবং অাসিগী য়াইফবনি। ইনাওশা লাকও চৎলস॥

নুপীদা লংজবা কীচক

অহানবা উৎপা

মফম — বিরাট কোংমুং সুদেষ্ণা মহারাণীগী সংগাই

ফিভম — সুদেষ্ণা মহারাণী মোপরা কীচকা বারী শারি।

সুদেষ্ণা— সেনাপতি! হন্দক মরক কোন্নুংগা ইচেমগী নাক্তা চচং চংলকতে। নংবু উদবা হায়রবসে ইচেমগী অরাবনি, নুং-ঙাইজদবা।

কীচক— ইচেম মহারাণী! নোপরাগী থৌ অসি চিনপ্রে, ইবাই মহারাজনা অহল ওইবনা লৈঙাকপগী তারসি নোপরা-না পুজরিবনিদো। হন্দক ত্রিগর্ত্তা নিংথৌ সুসর্ম্মাগী লাল কল্লি ইচেম মহারাণী। মহাক্তা লৈপাক চাইথাইরে মপ-নাই পুন্নমক থোমগৎতুনা পুররক্লগা ইবাই মহারাজগী লনগৈ চোলহনজরবনি। ত্রিগর্ত্তগী নিংথৌ সুসর্ম্মা মরৈবাক থাদোক্লুনা চেনপ্রে।

সুদেষ্ণা— নিংথৌ অদু মরৈবাক মাংজবা ওইরে।

(শৈরন্ধ্রীনা সন্দেশনচিংবা পুরক্লুনা থম্মবা) শৈরন্ধ্রীনী!

শৈর:— মহারাণী ইবেম্মা।

সুদে:— মধু পুথোরকউ।

শৈর:— মহারী! (চংথিবা)

কীচক— সুসর্ম্মা চেনজপ্রসনু। ইচেম সুদেষ্ণা রাণী নোপরানা কোন্নুংদা কারকতবা অসি করা কুইরে।

সুদে— থা তরামুক খাবক্লগনি।

কীচক— উম। মশুরম্নগনি। অদকী ত্রিগর্তগী লাল, অকনবা লালনি। অসিদমু শোকনরকপা নত্তবা। মথং মথং।
(তাঙ্গাসিদা শৈরন্ধ্রীনা মধু পাত্র পুদুনা চংলকপা)

শৈর— মসিদা থমজরে মচারণী ইবেম্মা।

কীচক— কদাইদগী অদুম্না থম্বু মাত্রা?

শৈর— উমঃ। (কলহাটনবা খোঙ্গোক্তা মানিংদগী সুংশ শ্বর শাংলপ্না হোনদি।)

কীচক— কীগনু। মধু অদুত্রম পত্রদুদা হৈরকউ। পিরকউ বা—য—বা ঐনা চাংবদি।

শৈর— মচাবাণী। (চৈঙ্গং খোরাংবা মাকাদা কবিগী ঐবু অসুম্না তৌরিবনো হায়বগী মতৌ।)

সুদে— হোয়দা। চংলো চংলো। (শৈরন্ধ্রীনী চংখিবা)

কীচক— ঐনা থা ১০ রোম লাক্তবসিদা ইচেবেম্মাগীদা মীনৌ লৈরংলিবসি কনানো? ঐহোঙ্গা মধুপাত্র পিরমদে?

সুদে:— ইকাইজতুনা, কিজদুনা—। (তোঙানবা অকিবা অথুকপা অমদা হায়খিবা রানি, শৈরন্ধ্রীনীবু কীচকনা মিত্তাবনি চায়বা ভাব থংবনা।)

কীচক:— উম! কিজসগুদা অদুবুদি। মতুংদা ফজরক্কনি ইচে-বেম্মা কনানো মহাকনি?

সুদেঃ— শৈরন্ধ্রীনীনি।

কীচক:— হায়বদি, যুমকোইবী মীনাইমুবী?

সুদেঃ— মখোনি, অঙুবদি ওইরবা মহাক মাথা খোঙগনোন থংবী মীতেক 'মীরো থংবী অচৌবা কোন্নথা সুমপোইরকপা নুপীনি অদুনা মতম পুন্দা মথাবু চেকপিনবৈ। ...মাং শাঙাংদা, মিংয়েং নায়েংদা পুমতোপ তোপ্পী শৈর-স্ক্রীনীনি।

কীচক— করম্না, কদায়দগীনো ?

সুদেঃ-- দ্বারিকাগী কৃষ্ণগী মতাবোই সত্যভামাগী সংগাইদা সৈরন্ধ্রী কায়, মতুংদা দ্রৌপদীগা সত্যভামাগা মান্না চায়বৈ। অদুনা শৈরন্ধ্রীনীবু সভ্যভামানা ইন্দ্রপস্থদা পুরকখি। দ্রৌপদীগা শৈরন্ধ্রীনী ওইরে। মতুংদা পাণ্ডবনা বন্দা চৎপ্রবদা শৈরন্ধ্রীনাসে চংজকম লৈত্রদুনা ঙাওদুনা লাক-পানি, ঐগীদা অমুক লৈররবা।

কীচকঃ— মথং মথং। ফজবী শৈরন্ধ্রীনীসে ডশেংনা মীনাই-সুবীরা ? (মতোমতা মুরুম-২ শোটৈ)

সুদেঃ— মহাকসে বাশক চেৎপী, তোংদবা থবক্তা মপুক্লিং চংবী, অকে অমৌগী পোৎলম মশক থংবী, বেনী লোনবা নিংথিনা হৈবীনি, অদুনা মথং মথং মপুনা চানবী ওইদুনা লাকপিনী।

কীচকঃ— বেনী লোনবী হৈবী। অদুগা করিগী মাগী মশমদি, করিগী ইকাদা কানা লেংপাক লেংদোল অনিদা ইচাই চাইরি। শাংপ্রবা মশম অসিনা লৈমাইদা শোরো শোরো

চিংবা ইচেম রাণীগীদা নারায়ানী তৈল থক লৈজরবা ? লৈজরবদি ঐগীদগী লোৈরোদনা।

সুদেঃ— সেনাপতি ! সুপীমচা অসি খংবদা বাবা মচোরিং অমদি শাজেলনরি। মহাক মশাগী অকে অংযোদা অকাওয়াই অমদি ইচু চুরি। মদুগী অর্থ খংবদা ওম্মোক্লা রাখ্রে। পোকই, মদুম্নু মনোক্ অমনি। সংগাই মিনোক্তা মহাক নোংমম্নু মনোক্লপা য়াওই। মদুম্নু মনোক অমনি। মি-নোক অদুগী অর্থ লোৈবদু ওম্মোক্লা রাই।

কীচকঃ— উম ! মহাক্কী ফারিবা মশমসি করিগীনো হায়বা রাফং অমা ইচেন চেন্নবা উরি। লৈচিন থাংলবী থাজ-গুম্বা মাগী মাইথোংসি উবদা, মশেক মচাক নাইরবী ফজবী কয়াগা চংদম্নবদা, মহাক্কী মফম অসিনা লুম্বা থোকই। সুপী ওইবীগী মরোল লোল্লব, মিংয়েং কয়াগা চাংদমনবদা মরোল ইয়াও য়াওদনা উরিবা মহাক্কী মীৎ-য়েং অসিদা চল্লিবা পাওথোং অসিনা হেন্না ফোংবা ওমদে। মহাকসিবু কনানোনে ? ইচেম ইবেম্মা মহারাণী। মগাক্লা লাকখিবদা নহাক্লা করম্না মহাকপু থমখিবা ? মহাক্লা করি হায়খিবা ?

সুদেঃ— ঐনা হায়খি। লৈপাক কাইগনি মং ঐগীসিদা লৈগম্নু।

কীচকঃ— আহা হা হা (নোকপা, মাগী মিনোকসে শৈরঙ্কী-নীদা মানা মীতারম্বা রাখলগা চুনবা রাইহেন্দুনা নোকপনি) লৈপাক কাইগনি ! মদুবু করি হায়রিবনোনে ইচেম রাণী।

দ্রুপে— নিপা ওইবগী মমিত্তা অসিগুম্বা শকসে উৎনবা কীব-
নিনে ইচেম্না।

কীচক— (নোকপা) হ্': হা: ... .।

দ্রুপে— নবাই বিরাট মহারাজনা মাবু উবদা নচেমনা লৈপাক
কাইগনি কি।

কীচক— অদুদি করিগী থমজিল্লমলিবা ?

দ্রুপে— মহাক মপুরোইবা গন্ধর্ব মণ্ডাগী তালোইনি। অত্তোপ্পা
নিপা মহাক্না হঙ্গোক্টৈজে। চিংনরিবা অদু থাদোক-
পিয়ু। মহাক্না মাম্না কুপ্পা মেনজবা রাক্ষস লৈ। মতুদি
অত্তোপ্পা নিপাগী মকমদা মাবু পাখোল শিবিগনু, লুখাক
পিজবিগনু। মীগী মখোং নোইহনবিগনু।

কীচক— অদুগা করিগী মানা মত্তোমন্তা কোইনা চৎলিবা।
খুৎখাং খুৎখাংদা মীনাইনুবী ওইদুনা লৈরিবা ? মসিবু
য়াবরনে ইচেম ইবেম্মা মহারাণী। অসিগুম্বী ফিরা তম্ফা-
গুম্বী নুপী অসিবু ওইরিবা অবস্থা আসনা য়োমদুনা থম্লিবা
অসে অসিগী অর্থ করিনো ? ঐ শুকখা থাজদ্রি। থা-
জবা শুকণম ণমলোই।

দ্রুপে— সেনাপতি। বড় সেনাপতি! ঐসু ইথা থাজদনা
ইণ্ডক ণক্না থাবুম তরা অসি লেপ্লকলিবনিনে। মাবু
উবদা তত্তনা হংঙি। নবাই মহারাজ, অতৈ মন্ত্রিশিং
ঐগী য়াকা অমদা মখোয়না অকুপ্পা অর্থ থংনবা ঐত্তোম্না
তকশিনবা ণমদবনি।

কীচক— (লাওরপনা নোক্পা) হাঃ হাঃ-২ মখোয়না কৈদগী অর্থ থংনবা তকশিনবা হৌমগদবা ? ঐখা য়াগী মশক্তা মতৌদা উবদা ঐনা অর্থ পুম্না থংলে।

সুদে— অচা অথকাশিং অসি চারো। সে নংগী মধুপাত্র অসি লৌরো।

কীচক— পুমকাও কাওক্লরে ইচে মহারাণী। মকাকী মতৌ শকফম অসি উরুবদা। চারগে (চাবা তৌবা) অস্তুক ফজবী অসিনা করীগী চিংহি শন্মাল লাংনা, মকোক্তা নারায়ানী তৈল তৈদবা, মসিনম্ভু ঐখোয়না হংফম থোকপা য়াহং কয়ামুক লৈহনলিবনি। অহুগা করিগীদমক, মপুরোইবা মঙা অতনা মহাকপু থাদোক্তুনা অসুমনা অস্তুম থমলিবা। মত্তেনে ইচেম মহারাণী! মখোয় গন্ধর্ব্ব মঙা অত্তবু কদায়দা লৈ লায়বগে ?

সুদে— মখোয় অস্তুম মহৎ লৈ! ঐখোয়গী মিৎলম য়াংমদা। ঐখোয়বুদি উহন্জনা, মখোয়না মহাকপু অত্তম্মক ঙাক শেল্লি হায়। শৈরন্ধ্রীনী অসিনা।

কীচক— (ঈশি শিনা নোক্তুনা) হাঃ হঃ থংলে থংলে অর্থ মহাক পিদোনবী ওইগদবা নত্তে। মতম থাংনা পিদোকনবী ওইহুনা লৈরকলে। মহুমীনি মহাক্ত তৌরিবা ব্রত অসি। মাগী কারবা শমখোং মরক্তা চনপ খোইনপা ঈ অকংবা পকপা উরি। মহাকপু কনাগুম্বা অমনা শাথিনা ওৎপী কৌবিগ্রে। মহুগী পুংঙাইহুবা অমা যামা লৈজে। মহাক মপু ওইহনবা তারি।

সুদে— নঙ্গে। নঙ্গে। ইচেমদা সেনাপতি। মহাক লৈংলবা য়াবী সুপী নত্তে। নংগী য়াক্তা অদুদা ইচেম য়াম্না কিয়-কলে মাগী মপুরোইবা গন্ধর্ব্ব মন্ডা —।

কীচক— মতু থাজবা য়াবা বা নত্তে। শরু পোলাংগী মীতম শক্তম গন্ধর্ব্ব মণ্ডা লৈ হায়রিবা শৈরন্ধ্রীনী অসে মাগী নিংঙমদবা চেইরোলশিং অদু লোম্লিবনি মীপুম খুদিংবা। মহাক্তি য়াম্না শিংবিনি মহাকপু মীতাবা মীহিংচা কয়া-মুক লৈ হায়বা অসি খংবি সুপীনি, অদুনা মাবু শোক্লনবা করি হায়নি মমিংনা কয়া য়েংবা ফাওবা ঙমদনবা মহাক্না গন্ধর্ব্ব মণ্ডা হায়বা চোইরোল অসি লোম্লিবনি। অদুগা লৈমংকোল নিংথৌকোল কয়াদা মাগী কাইদোংকম মতিক চাবা কনা লাক্তদগে, অসিগী কোইরিবনিনে ইচেম মহারাণী।

সুদে— নত্তে! নত্তে! নংগীদু য়েংমনগ্রে সেনাপতী।

কীচক— করিগী য়েংমনগদবা? ফজবা হৈ নিংথিবা লৈ সেনাপতী কীচক্কীনি। কদাই শৈরন্ধ্রীনী (লাওনা কৌই, খোরকতে)

খোরকতে মধুপাত্র অমুক্তা পিহনগে তৌবনি। ইথুংনা হেক লোকজরগে। (লোদুনা থকপা য়াম্না পেনবা হৌরূপ মওংদা) ইচেম মহারাণী! শৈরন্ধ্রীনীবু এগী য়ুমদা থাবিরকউ।

সুদে— মাবু থারকদবা?

কীচক— থারক্কদবা ? মহাক অসিদা মীশাই ওইবা য়াদ্রে। মহাক ঐগীদা মহারাণীগুম্বা লৈগদবনি। মসিনা নহান মথৈ মহাক্না চল্লকলিবা পাওথোং কীচকনা ফোংলবনি। হৌজিক কনানা মঙোম্দা তুহৎপা ঙমগদৌরিবা। মহাকপু মশম লাক্কুনা হাইহৎপিখিবা মীশক অদু কীচকনা চাৎকনি।

সুদে— সেনাপতী। মপুরোইবা গন্ধর্ব্ব মঙা লৈরিবী শৈরন্ধ্রী-নীদা লংজবা ওইরোইদ্রনে ঐখোয়বো, নহাকপো ?

কীচক— হায়র হায়রগা ইচেমদি পংবা অসুম হেনগৎলকলে। কনাগী গন্ধর্ব্ব মঙা কনাগী কীয়র, ওইসনু লাকসনু, মস্য-দেশকী কীচকনা নোইহৎকনি মাংহনগনি।

সুদে— ইচেম নংগী রাকম অসি য়াম্না কী, মাবু থারকপা ঙমলোই।

কীচক— ঐ চৎলে ইচেম মহারাণী। মস্যদেশকী রায়েনজ্জৈ ইবাই মহারাজনা শুজ্ঞরবন্থু মস্যদেশ ঙাকলিবদি, সেনাপতী কীচক ঐনিদো। চৎলে, শৈরন্ধ্রনী থাবিরক-দবনি।

সুদে— ও। মাংলেদো। সেনাপতী করমনো ইচেমদা। (কৌবা) শৈরন্ধ্রীনী।

শৈর— মহারাণী হবেম্মা।

সুদে— লাও থোরকউ। —গে ইমাদা সেনাপতীনা চারম থকলম্বা পাত্রশিং অসি ইমানা লোইশিল্লবনি। নংনা সেনাপতীগীদা চৎলগনে অফবা চুহি থরদং লৌরুগদবনি। ইমাগীদা লৈত্রে। ইমা য়াম্না চানিংগে।

শৈর— ঐবু বড় সেনাপতীগীদা থাবিগনু ইমা। অদৈ কেশিনী হংশীনীনচিংবা লৈরিবা নানাইনুবীশিং অমবু থাবিয়ু।

সুদে— (পাত্রশিং লোইশিন লোইশিন্না থাংবা) মখোয়দা নত্রেনে শৈরন্ধ্রীনী ঐনা হায়রিবা অসি নঙোন্দনি, নংবুনি।

শৈর— ঐনা চংজরকপা মতমদা হংগৎচখিবা মহারাণীনন্নু য়াবিরে হায়না রশকপিখিবা অহুম অচুগী মপুংদা চনবা নত্রনে, সেনাপতীগীদা ঐবু থাবিরিবসিবো ?

সুদে— রাশকখিসনু। মচুদা করিমত্তা মাংদে। নং চত্তবা য়াদে শৈরন্ধ্রীনী।

শৈর— ঐগীদি মাংলৈ হায়না লৌকৈ মহারাণী। সেনাপতীগী মিংয়েং, সেনাপতীগী য়াঙাং, ঐবু মধুপাত্র হেক্তা পিরকউ মতাকপিবা।

সুদে— থংদে ! নং ঐঙোন্দা পাওখোং চনগনু। নং চৎতবা য়াদে। ঐ পাত্র লৌথোকলুখিগে।

(পাত্র ময়াম পূহনা চংখিবা)

শৈর— (মঙোমতা শোনবা) লোইজিবোইরে নৈ ইকপসি ঐগী। ঐনা চৎলুবা খুদিংমক ভিংখং ঙাক্তা। ইস্ ! খেংনবা তারিদনা, শিরবমু শিপ্রসনু। (সুদেষ্ণা খোরকই মথুত্তা পাত্র পাইদুনা)

সুদে— সেঃ পাত্রসি লৌ। সু লমজাওগী থারোমদা চুমত্রিংনা চৎখো। থরা চৎলগা মপা পুংবা মনা অপুংবা কৃষ্ণচূড়া

পান্থী অমা হৌরমগনি। মন্থুগী মনিং পাংবদা উরিবা দলান অহু সেনাপতিগী নি। চৎলো থুরকদবনি।

শৈরে — মহারাণী।

সুদে— ঐ চংলে। হায়বা হৈনগদবনি। লৈরাক পুরিবা সেনাপতীনি। থৌগলোল কাইরুপন্নু। মহাকী মাথং ইংগদবনি। করিগুম্বা তাকপিরকপা অমদা (চংথি)

শৈরে — রাণী সুদেষ্ণা। নহাক সুপীনি। সেনাপতী অসি নৌপরানি। সেনাপতীনা মচেমদা রা অসি থংবা মচেম্মা মৌপরাগী রা অাস ঐ:তোম্দা হায়বা মসিবু মচিন মৌপবাগী লোইনবা মরোইনরা? রণী সুদেষ্ণা সুপীনি, সুপীনা সুপীবু কনবিফম থোকপনি। ওইদসনু মস্যদেশ তাক-মনগী, রাণীনা ঐবু মৌপরাদা শিমগে? ফরে ঐ চৎকে। (পাত্র পুরগা চৎথ)

২ শুবা উৎপা মফম— কীচকী য়ুম।

কীচক — সঙ্গাইশংবীশা। করিনো মোৎহনথ্রে। পুনচাই হেক চাইহনবা, শুমাং, সঙ্গাই মাঙ্গোল। য়েংউনেসে নৈগী গমলাশিং অসি মফম চানা থিনদে। নৈতেং পোৎ অমত্তা মফম চানা থণদে। কদাই? সনাগী তাংবল, য়েশমগী মোনতেক, অতৈ নৈতেং পোৎশিং সঙ্গাই মাঙ্গোল অসিদা থেল্লুনে। পুরকউনে। (মরাম মথং ২-পুপোরকই) হো অসিদনা মোনতেক অহু থমউ। অচুদনা তাংবল অহু থাও। (ইরাং লাংই পোৎ থাংদোক থাংজিবগী খাজেলনা)

মোনতেক অসিগী মথক্তা ফিঙৌ অমা কুপউ। হো অমা কুপউ। সন্দেশশিংনা কদাই ? হাওর, হাওরবা সনাগী পাত্রদা ওম্মা হাপকদৌবনিকো থুরকউ লাক-লগনিনে। সুবাসিতজলন্ত লুপাগী পাত্রদা থনগোক্তৌনা হৈরক্তদবনি। — (হৈবগী মখোল তাম্বকই, খোঞ্জেল খোক্কা থমখি) হায় হায় মীনাই দ্রুপা মখৈদি লৈগদবনি। নবেম্মা-গী ঔঙ্গিৎ ঙাইগদবনি। নখোম দ্রুপী মখৈদি লোয়না চংখ্রে। কাইদনো থংদে লোত্তুনা লৈখ্রে। নবেম্মাগী মমিৎ নাগনি। মনিং থুংজত্রা অবা লৈচিন্দা পুরক্লবী নবেম্মনিকো। মপুক নাজনবা হাদে।

(হায়রিবৈভদা শৈরঙ্ক্রীনী পাত্র পুত্থনা চংলকই) কব্রিগীনো অকি হংগোইনা উরিবনো। লেংশিল্লকউ ঙাইজরমলিবনি সেনাপতী কীচক ইশামক্তা। ইয়া মীনাইশা খিঙ্গুং হন্দোকউনে। লেংশিনলকসি কাথংপিরকসি মোনতেক অসিদা।

শৈর — সেনাপতী। মহারাণী সুদেষ্ণানা চুহি থরদং লৌজল্ল লাকচবনি। পিনবিরো চংচগ্রগে।

কীচক — (নোকপা) হাঃ হাঃ। ওয়মে লাল্লে। য়ুমসিগী মবেম্মা ··· ···· কদাইদগী চুহি লৌক্ল হায়বা পাওখোন ....। পাওখোন নাই ওইগদবা নত্তে, ওসিদগী মপু ওইরগদবনি।

শৈর — সেনাপতী। তাকপিমনবে ইকমদা হেম্মা তাকপি-মনলে। চুহিদুদং পিনবিরো চংচরগে।

কীচক— করিগী তাকপিয়মবা। নোনজরিবনি, চংজরিবনি।
ঐগী মবেম্মা ওইবিয়ু।

শৈর— চৎচরে সেনাপতী। (পাত্র লংশিয়লম্মী থুনা য়াংনা
চৎখি)

কীচক— ইয়া মীনাইশুবীসি! নং কদায়দা লৈৎকদবা। শৈর-
ন্ধ্রীনি—২ তাম্‌খিবা, তায়বগী খোঙ্গেল ক্রুক—২ লাওবা
খোঙ্গেল তাই, শৈরন্ধ্রীনা য়ানা চেনবগী মুংশাংমর ফুইনা
—২ হোনবগী মখোল তাই)

শৈর— হে অঙানবা সুমিৎ কোবা লাই। ননাই লাইবক
থিরবীবু কনবিয়ু। চহি ১২ বনগী খোংচৎতা নংনা পাকক
পাত্র পিবিদুনা ঐবু কনবিখি, অচা অথক পুম্ব খোংনবা
অদুদগী কংহনবিখিবনাই (চেয়া-২ তাংথি)
(আশাকবানী) য়ামু য়ামু যজ্ঞশ্রেণী) সুমিৎ কোবা লাই
ঐ লৈ। কিরন কিকরী। পাপী কীচকনা যজ্ঞশ্রেণীবু
কাহনবা য়াদে মাগী চংজফম য়োম্রিবা ফাওবা। (গ্রুং ২
লাওনা চেনবগী মখোল তাবা কংথি)

কীচক— মীনাইশুবী! মপু ওইজো য়াদবী য়া কারেদো।

শৈর— (খোনকম-কাইনা) ভগবান সুর্যাদেব কিরন কিকরী)
মুর্খ কীচক (খোংপাক্লা কাওবা, কীচক প্রাক-২ লাওনা
ভুখিবগী মখোল তাই, লেপ্তুনা পাখৎনা চেনবগী মখোলসু
অদুমক মতাই) ঐ হৌজিক কদাইদনো! য়াজদরবার তম্পা
তাই।

কীচক— শৈরন্ধ্রীনী। ভাইখো। শৈরন্ধ্রীনী চাৰ্টখো (শৈরন্ধ্রীনী-না বিরাটকী রাজদরবারদা চেনশিনলকই)

শৈর — মহারাজ। ঐবু কনবিয়ু, ঐবু কনবিয়ু। (রাজদরবারদা ছুরৈ, মরাম পুম্নমক অমত্তু ওইনা লাওরকই—মাংলে মাংলে কপ্পনো মতম অতুদা কীচক শাওনা চেনশিনলকই অমদি থোংপাক্লা অমুকতং কাওবগী মথোল ভাই। শৈরন্ধ্রীনী চৈনাখোল খাংবগী মথোল অয়ে -২)।

কীচক— কনানা কনবিগদবা রাজদরবার অসিদা। খংদবা শাই যীনাইবুরী। (ধকা তৌনা চৎথি)

শৈর— লৈত্তাকপা মপূনা অমুনা তৌবিবা হৌনবা? নিংথৌ মাংদা, সুপীবু অপমান পিরবা। মীবু ঙাকপিখিদ্রবা? ওস্লোকপনি। মসিবু রাজ সভ নত্রবরা? তমথিরবা অসিগী মথুংগী ঐবু কনবিমবা মফম অসিদা চেনশিনজররকপনি। অদুগা খিভম অসি ওইরবকো? কদায় রাজ ধর্ম্ম! কদায়দা চৎখ্রে! নিংথৌনা সুপী অতাং মণ ব্রহ্মণবু ঙাকপিফম থোকপা নত্রা? থোইদোক্লা সুপী ওইবীগী সনমান ঙাকপিফম থোকত্র? মত্র ঙাকপিবা ঙমত্রবদি করিগী রাজ সিংহসনদা ফমফম থোকপ্র? ঐগী ইরাল লৈবা য়াই, লৈতবা য়াই। য়াকং অমদি হংবিফম থে কই। নংনা "করিগীনে." হায়বতদি হাংবিফম থোকইনা। অদুদি নত্তনা, মাবু ঙাকপিখ্রে। নিংথৌ বিচার তৌবিয়ু। নিপা অসি কাবিয়ু। নিংথৌ সনা মাংমতকদা লম হেনবা শাজং

চৎপা নিপানি মসি। ঐ ইরাল লৈজদে ঐদি ইচম চম্বনি। মহারাণী সুদেষ্ণাগী শঙ্গাইদা শৈরন্ধ্রী ওইনা লৈজবীনি। ওসি ওইরিবা অসে ঐগী ইরাল অমত্ত নত্তে। মহারাজ বিরাট ঐগী সনমান ত্তাকপিয়ু। ঐগী রাকৎ তাবিয়ু। লিপ অসিবু ইকোম কোম্না থাদোকপিগন্নু, মহারাজগী মথা পোনবা সেনাপতীনি চায়। মমিংনা কীচক কৌই। মহারাণী সুদেষ্ণাগী মৌপরানি হায়। মাবু মতিক চাবা রায়েল চৈরক পিবিয়ু ঐসে লমচৎ নাইদবী নৎচদে। ওইরবদি অসুম্না রাজদরবারদা করিগী চেনশিনলকদগে ?

বিরাট— (থুমদনা লৈ থর চাওনা চাওনা হানবগী খোঙ্গুপ তাই)

শৈর— করিগী তুমিন্না লৈবিরি মহারাজ ! লৈপাক্কী মপুনা রাকৎচংবু লৈপাক্কী মপুনা তাক্তব্রবা ? ও: তোনত্রেদা ! মৎসাদেশসিদি শাগী ডাগী লৈপাক্কু ওইরে ; ঐদি থংদে। মৎস্যাধিপতা ঐগী পুন্সি অসিবু কনবিরমোইদ্র ?

ভীম— চৎলো শৈরন্ধ্রীনী। মসি রাজদরবারনি। নংগীদু মৈ কনমনলে, থংউ। মৈ কনমললবসু চাকথেকপনি, শোনমনলবসু মুংপনি। ময়াইলখী চৎপা তাই। মদু থংনা চৎলু।

শৈর— চৎচরগ নে বল্লভ ঠাকুর ! ঐ থরা হেনঃনপ্রমায়ে।

বল্লভ— চৎলে শৈরন্ধ্রীনী। মফম অসি নংগী রাকৎকম নত্তে। নংগী নপুরোয়বা গন্ধর্ব মঙা লৈ হায়বদাই। চৎলো মখোয়গী মফমদা রাকৎলু।

শৈর— ঠাকুর বল্লভ! চৎচরগে ! (তপ্না২ চৎখি)

৩ শুবা উৎপা

মফম— চাকশং বল্লভনা (ভীম) লৈরিবা।

মতম— অহিং অথেংবা।

ফিভম— বল্লভ তুমদুনা নাথোক্তুনা লৈ, শৈরন্ধ্রীনী তপ্না তপ্না মপান্দগী চংলকই।

শৈরন্ধ্রী— মহাবীর চেপপিরিবরা ?

বল্লভ— কনানো ?

শৈরন্ধ্রী— ঐহাকনি মহাবীর ননাই দ্রৌপদীনি

বল্লভ— করিগী লাকলি। করিনো মফম অসিদা ?

শৈরন্ধ্রী— ওঃ ঐগী ইরাল ওইরবা? মহাবীরমকপু অম্বুম্না ঐবু লংনপোংশিংবিরবা মুম্না থৈনবিরবরা ? ফরে খোং হাংবিরগনু। ঐগী ইমাইসি য়েংবিনিংদ্রগা শিজরুবা ডাই। (কপ্পা)

বল্লভ— সে চংলকউ খোং হাংলে। (খোং হাংবগী মখোন, দ্রৌপদী চংলকই) করিনো ওসাইগী মতৌ অদো ?

শৈরন্ধ্রী— (মুংশাম্বর শাংনা হোনলি) ম-তৌ-অ-দো করম্না পাপকী রাকম অসি তমগদবা ?

বল্লভ— তমউ হায়রু। ঐ রাকম অহু ডাগে। দ্রৌপদী নংসে নরাইবক থি। পুম্নাক ধর্ম্মরাজগী ধর্ম্মগী লীপুননিকো। হাইস্ তোনখ্রেদা ভীমগী পাখোম অচৌবা। কৌরবকী

রাজ সভাদা দুঃশাসননা চিংখিবা নশম হুজিক ফাওবা পুন্দ্রিবা। মহুদা কাইখিবা ভীমগী থম্মোই, অদু ভাই-শিনবা লোইদ্রিবৈদা পাপী কীচকনা ওসিগী রাজসভা মমাংদ নংবু খোংপাক্না কাওখিবা। নংগী নরান করিনো ?

শৈর— মহাবীর ! লৈপাক অসিদা থ ১০ হেন্না লৈরক-লবী মুর্খ অসিগা ঐগা অমুক্তা খেংনজদ্রি। ওসিদি স্নুদেষ্ণা মহারাণীগী মঙ্গাইদা মহাক লাকলে। মহারাণীগী মোমরানি, লৈপাক অসিগী বড় সেনাপতীনি হায়। মহারাণীনা মাবু যম্না ইকাই খুম্নবা ভোই। ঐনা মখোয়গী মীনাইপুবী, চাননবা শম্মেশ পুখোকই। পাপী অদুনা ঐ-ভোম্দা য়েংজি মাগী মিংয়েং অদু থকই, চাগদবগুম য়েংভি। পাপকী মিংয়েংনি, মহুদা ঐগী থম্মোইসি নিকখি। করিগীনো থাদে, মহারাণীনা ইফমদা মধু পুখোকশকউ হায়।

বল্লভ— আচা। নঙোম্দা মধু পুখোকউ হায়রবা ?

শৈর— হায়ব্রেদনা মীনাইপুবীনিদনা, মহাক্না মপুনিদনা ইন্দবা য়াবরা ?

বল্লভ— নংবু ভরত পুম্বগী নিংথৌরেল যুধিষ্ঠিরগী মহারাণী-নিকো। অদুদগী নং মধু লোখোকউবরা ?

শৈর— লোখোকউরে। থমলে। ঐ অদুম চংই মহুদ পাপী অদুনা হাব—চংখিম্নু! মধুপাত্রদা মধু হৈরগা পিরমউ হায়। মহাবীর ঐহাক কোক্চাওবী কাখি।

বল্লভ— মহৃদগী নংনা মধু পাত্রহৃদা মধু থনকে'ক্লা হৈরে, মঙোন্দা পিরে, নত্রা ?

শৈর— মহাবীর! ঐবু অদুম্বা থাজবিরবকো ঐ পিরমদে, ঐ অছুম চংলে।

বল্লভ— থাগৎলি। নংবু ঐনা থাগৎলি। থম্মোই নিকট। ধর্ম্ম পত্নীবু মধু পাত্রদা মধু হৈরকউ থোদাবা। মুর্খ কীচক নং হিংলি। মথা ভাও, মতুংদা করম তৌরে।

শৈর— মতুংদা করম তৌরে হায়বা? পাপী অদু চৎখ্রে মচেমদা করি হায়রম্বনো করি লৌতুনরম্বনো, ঐ মথেক শেংনা থংত্রবম্নু করি থোক্লগবা হায়বা থম্মোইদা অকিবা কাওরকখি—অদুদগী রাণী সুদেষ্ণনা ঐবু কোথোকলকই। সেনাপতীদগী অকবা চুহি লৌরু হায়না পাখোলশি। ঐনা চৎচরোই কয় হায়রৈ। মপুনা মনাইদা পৌদাবনি মহাবীর, চৎতবা য়াদহুনা চংলুবনি পাপী অদুগী মনাক্তা।

বল্লভ— মথাদ?

শৈর— মুর্খহুগী রাকমদি করি অমুক হায়গনি, পাপকী রা ঙাক্তনি। অদুম্মক চেনজরকলে মহাবীর। নোংশাগুম্বা পাঙ্গনবা অদুনা ঐবু তাম্নরকখিবা, ঐনা চেনজরকখিবা, করম তৌনবু চেল্লকপা, কয়া য়াংনা চেল্লকপা, ঐ তমফম খংতদে। পাপী অদুনদি হেনজিল্লকপা চরাম্বা নোংশানা শজিবু তাম্নরকপগুম্বনি। দরবার অদুদা চেনশিন্নলক্কুমা তুজররিবা অদুনি। মানা ঐবু কাওথুবিরম্বা অদুনি। ঐসিবু কনানো? (কপ্পা)

বল্লভ— নংবু কনানো হায়বা? ধর্ম্ম পত্নীনি নংসে। ধর্ম্ম-রাজদা হংউ। সত্য ঙাকপদা, ধর্ম্ম ঙাকপদ, ধর্ম্মরাজ মাগী পাণ্ডব ৫ নংগা লোইননা, অরাবগী কক্ষুং অাসদা তারিবা অাসিনি। ধর্ম্মরাজদা হায়রু। চৎলো ধর্ম্ম'র'জদা হায়য়ু।

শৈর— অদুদি দ্রৌপদী ঐহাক শিজংখ্রা হায়রিবনিদনা চুমই, নহাক্না শিকম লোক্লবনি ঐবুদি, ঐনা অয়ম্বী ওইবনা, থরাই অসি পাম্মু নঙ্গনা হিংঙুনা লৈবনি। পাণ্ডব ৫ গীদি নহাক্না শিজ্জখ্রে হায়খ্রবনি। নত্রবদবু অদুগুম কুরু সভা ময়াইদা, দুঃশাসন ইফি লাক্নুনা চিংবা, সুপী ওইবাগী ইজ্জৎপুম মাংহনবা, ইফী লাক্নুনা চিংখ্রব, করিগী চিংলিবা, মদু পুম্না পাণ্ডবনা থংশিন্নদনা, ঐখোয়দি মীনাই ওইখ্রবনি মপুনা লৌবদ ঙাংফম লোকতে হায়দুনা মখোয়গী ধর্ম্ম-পত্নীগ কনবিথিদবা মদু করিগীনো? ধর্ম্ম ঙাকপগীরা, মথরাই পাম্মুবগীরা? ঐবুনা অদুম চোপচরো, অদুম মাংজরো অদুম শিজ্জরো, ডপিস্ত রাজদরবার, অদুদা, পাপী অদুনা মখোংনা কাওথুরম্মা, তিল্লিবা রাজ সভা পুম্নাক্না তুমিন তুমিন্না লৈখিবা নিংথোংগা লোইননা মহাবীর ঐগী থাংলৈবগী পাঙ্গল লৈজত্রে ঐবু লংনবির-গন্দ্রা পাপী কীচকপু হাৎপিরোইদ্রে অসিদা হায়বিয়ু?

বল্লভ— করিনো নংন হায়রিব অসে?

শৈর— পাপী অদুনা হিংলদি, হয়েংস্তু হংচিৎস্তু মশেমস্তু নিতিগী ভতন পাপকী রাফম অদু ইকমদা ঙাংলগনি।

রাজ দরবারা অদুদা ঐবু হালেংবা নৈতনা ঐবু ফুদংপা ভম ধর্ম্ম লৈতবা পাপী অদুনা, ঐবু হাংপিখিরোইদ্রবনে, মাগী পাপকী মরা মপাওদা থাওইদ্রবদা ঐবু — ।

বল্লভ — ভাইখো ! নীংশু হৈরবা অর্জ্জুন মাগদি উমরকলবরা ?

শৈর— উনজরকলে ।

বল্লভ — করি হায় ?

শৈর — মহাক হাংপদি পাম্বোমগী পাঙ্গলগী লাননা হাংপনা চুমগনি । খংহল উৎন্দ্রনা শোংশাংভা লোইশিনবা ভম্বদি দাদা যাইমা ভীমনা ভমগনি, ভাকপিরকপনা লাকচরিবানি ।

বল্লভ — (নোকপা) হাঃ হাঃ-২ ! চিরবা মভাংদা মখোয়দি অসুম্না নৈখোকনবা ভাক্তনি । ঐতনা চেনবা য়াদবা । কীচকপু হাংপা ! করম্না হাংকদবা ? উম নৈরে । দ্রৌপদী কীচক হাংপদি নংনা হাংপা ভাই ।

শৈর— ননাই দ্রুপীনা করম্না হাংপা ?

বল্লভ — হৌজিক পাণ্ডব অরোনবনি । লোত্তুনা নৈবনি ; নংনা হেন্ন খ'লিবনি । লোংলমদবা থোক্লবা ভীমার্জ্জুননা (ভীমনা অর্জ্জুননা) বিরাট সভাদা, পাপী কীচক অদুনা নংবু কম্না খোংপাক্না কাওবা ভমগদবনো, হৌজিক পুন্নাক হৌদ্রে । কুরুগী সভ'দা ধর্ম্মগী লীপুন্না, ইথুং অসি পুনখিবনা ক'রিম্ভ ভৌবা ভমাথদে । হন্দক্তি

কীচক হাৎকনি। নংনা মাবু কৌরকউ। অহিং অথেংবদা; রাজ কৈনা। উত্তরাগী জগোইশংদা।

শৈর— ঐ থরা শুকলে মহাবাহু। পাপী অদুবু ঐনা করম্না পুরক্কদবনো? অদুম্না ঐবু লংনবিরগমুদা থম্মোই অসি কাইগদৌরে।

যল্লভ— (হাইফেৎ নোক্লুমা) হাঃ হাঃ …. … … নংনা পুরক্কদবদো নংনা অদুম থংদ্রে। কীচকনা নংবু উবদা, পাপীকী বাথল থনশিবদো, নংগী মোহিণীগী মশক অদু-নদি। শুন্নায়াই অদুদা শাওরবা কীচক্না, হৌজিকস্তু শাওরি। নংগী ময়াই কাওজ্রি। নংনা মশোন্দা নোক-নিংদনা নোকশিন্নৌ হায়নিংদনা হায়শিন্নৌ। সুংশি মুংওল লাংগী রাহৈ থরনং, পঞ্চালি! মতুদা কীচক অদু অদুমমক্ত থুজরগদবনি। থংদে! থংদে ঐ! নংগী মিৎচিনা হাইফেৎ য়েংবা, পুক্রিং হুবা ময়েং নংতনা হৈবা, নংগী মোমোন ভৌবা মীনোক্লুদা অপাম্ব ইথক হৌহম্নবগী, মীনোক অত্তম্মু নংতনা হৈ। সে! কৌরকউসে, পুরকউসে, বিরাটকী মী কনা উদবা থংদবা মফম "নমৌ হবেম্মা উত্তরাগী জগোইশং, মোংরাই চবুক লোনবদা, শাইজরমগদবনি" সেনাপতীবু অশুম্না হেক্তা হায়রু। শোইদনা লাকচগদবনি। পাপী কীচক্লু। ঐনা মতুদা নং শাদুনা শজি ওইবা কীচক শারাক তমগে। লোইরেদনা

শৈর— মহাক লাককদরনে?

বল্লভ— লাককদগা হায়রবা। লাকনবা হোৎনগদবনি মহুনা নংগী নথৌ। মাবু হাৎপনা ঐগী শরুক। নখয়োইদি মুং ওনগদবনি।

শৈর— পাপী অদুগী মমাংদা লেপপুবা। রাহৈ থরা হায়রুবা। রাহৈশিং অদুদা মীনম্বা রাহৈ ওইরবসু খয়োই শিরবগী রাক্ষস অমা কাংলুবা, নোকউবা, মিৎয়েংদা তোংতানবা, মিয়েং য়েংলুবা। উস। বহাবীর (খররশাংনা হোনাল) ঐবু মহু ভম্মু গত্রা? পাপী অদুগী মশক হেক উবমক্তদা ঐগী খয়োইসি চেং থৈগনি। হুমাং কাংগনি। চিনবান প্রক কংলক্তনি, মিত্তা ঈথেং কারকপনা হানগনি। নোং-থাংগুম্না ঐন শুকথং থংহৌরোইদবা অদুবু কমদা শক্তিনা থামগদবনো?

বল্লভ— লমন খুমমিংবগী নংগী থৌনা অদুতনা পুম্নমক অদু থামগদবনি। নংনা থৌজিক ঐগী ইমাক্তা লাকলি, অহিং অথেংবা অসিদা কপলম্নিবা নত্রা? পাপী অদুদা লমন খুম্বীম্নু হায়না। হয়েং অমুক নোকউ মাগী মমাংদা, মহুম্ন লমন মখুম অমনি। অপংবদুবু নংগী অপাম লাংদা খুহম্নু নত্রবদি মাকু হাৎপা ভমলোই অদুনমি নংগী খয়োইদু মুং ওনম্নু হায়রিবসে। ভসোই ঐনা বিরাট সভাদা হায়খিবদো কাওগন্নু, মৈ কনগন্নু, মৈ শোনমনগন্নু নং ঐগী মৈসে মরাই ওইনা চাকপা তাই। চৎলো শৈরন্ধ্রীনো। মসিদা মতম পংশাং শাংনা মাংহনবা কক্তে।

সুপীদা লংজবা মীশিংগীদি ঐনা হায়রিবা লাংসিদা শোয়দনা থুরগদবনি। চৎলো নোকউরো, ভাংলুরো শা-শিন্নবা খোইথুম্নবা নরাহৈ।

শৈর— মহাবীর চৎচরে। (চৎথিবা)

---

৪ শুরা উৎপা

মতম— অয়ুক অঙনবা

মফম— মহারাণী সুদেষ্ণাগী মঙ্গাট

ফিভম— মহারাণী সুদেষ্ণা অমদি শৈরন্ধ্রীনী রায়ী শান্নরি লৈ।

সুদে — শৈরন্ধ্রীনী। ইমাদি করিনো হায়বা সকথং থংদবনি রারোৗশঙ্কো।

শৈর— ওস্থোলনি মহারাণী! ঐনা পংলুবা হায়বদুনি সেনাপতীদি লৈপাকসি মথুক্তা লৈরবদনা দরবার অদুদা সেনাপতীদা কনানা করিমত্তু হায়বা ভমখিদে।

সুদে— অত্তুদনিদনা শৈরন্ধ্রীনী ঐনা মঙোন্দা করিমত্তা হায়বা ভমখিদবসে ইপবানি হায়দুনস্ত, ঐস্থ স্থপীনি। সুপীবু সুংশি, সুপীগী সননাম, ইজ্জৎ ঐস্থ কনলিংভি,

অচুবুনবৈ শৈরন্ধ্রীনী ঐ ভৌকম খংদ্রে নৈপাক পুরিবা মচোন্দা ইপরানি হায়চুনস্লু করি হায়গদবা ? মবাই মহারাজনা নিংথৌগী রায়েল, চৈরাক পিকম থোকপা অদু পিঙমদবা ওরাংগী থৌদোক অদুদা মৎস্যাধিপতীস্লু থম্মোই কাইগ্রবনি।

শৈর — মহারাণী। পংরা রাবিগনু। পুম্নমক খংজরে।

সুদে — নংনদি অদুম্ন হায়বা. নংগী থম্মোয়দি য়োনা শোকপ্রিবা অদু ঐনা উই। নংবু লাকচবিদ্রে ঐগী ইপরাসিনা, শৈরন্ধ্রীনী! ওরাংগীদি ওরাং ওইদ্রে; ওসিনা করি ওইগদৌরি। হয়েংনা করম ভৌরকপা, মসিগীদমক ঐ রাদবা ওমদে। নংনা করম খাংগদৌরিবা, ঐ রাদবা ওমদ্রে। নহাক্কি মালেমদা নিংতম্বী সতীনী। নপুরোইবা গন্ধর্ব্ব মঙানা হাকল চংলিবা অসিদা ইমাগী চরম কংলে।

শৈর — (অর্থ লৈবা মীমোয়া নোক্তুনা) হাঃ হাঃ .... মচুগীদি করিস্লু নত্তেনে ইমা। খংজরে সেনাপতীবু খংজরে। সেনাপতীনা থাংজনলকদৌরিবা খোংথাং, চাওগান্নরকলিবা খোংজংনা ঐগী ফীজ ফৈন নেৎকে ভৌররে। ঐনা খংহৌদনা থংদ্রেক থ'লুরবনিদো ইমা, হৌজিক্তি চনিং ত্তারে। ঐনা মাইরোং য়াগদবা মওং অদু ঐনা খংজরে। সেনাপতী কচক্কী করিস্লু মাংলোই। মহারাণীগীস্লু করিস্লু মাংলোই। মৎস্যদেশকী করিস্লু মাংলোই।

সুদে — করিস্লু মাংলোই হায়বা।

শৈর— মহারাণী—করিম্নু মাংলোই। সেনাপতীনা ঐবু সুংশিবিরিবা, মহুক্তনা থংনদি রাজসভাদা নিং থককংহনব্রে। লৈপাকী ওইনম্নু "করিনো" হায়নব্রে। পুম্নমক নেম্নবা ঐ শেম শাজরে। মসিনা সেনাপতীগা ঐগগী মরিদা নিংখিনা শাস্তি থম্লগনি। (হায়রিবৈঙ্গ মতমসিদা সেনাপতী লেংশিনলকই) ঐ চংজরগে মতম চানা শিন্থা। অহুম্মক পিবিরকউ ননাইদা। ঐ ইকাইজৈ সেনাপতীবু!
(নোকশিনরগা চংথি)

সুদে— (কীচক চংলকপদা) চংকলউ ইচেমদা সেনাপতী। ফম্মু স্নাগী তাংবলহুদা।

কীচক— থুরুমজরি ইচেম মহারাণী।

সুদে— মারেদা মারেদা। কমউ (কীচক কমথি) গুরাংদি ইচেমদি পূমগুক গুকথি। রাজদরবার ফাওবা গুরব্রে হাযবা।

কীচক— থরা হেনব্রে। কীচককুম্বদা মীনাইনুবী অমনা ইকাইবা পিমনখিবা, অহুদা করম তৌনম্নু মানা দরবার তাম্না চেনশিনখিবা ঐনম্নু করম হায়না তানশিল্লবা। অচাওবা হায়বহু ওইব্রেদা।

সুদে— অচাওবা হায়বা অহুম্মকনি ইচেমদা। শৈরন্ধ্রীনী মগুণ চেনবীনি। মালেমদা কোইচৎ চৎপীনি। মপুরোইবা গন্ধর্ব্ব মচানা নাওকোনবীনি হায়। সিগীদমক ইচেম রাই সেনাপতী। মহাক মপুরোইবা লৈবিনি।

কীচক— লৈসবু গন্ধর্ব মচা। য়ানিংঙাই কিনিংঙাই করিসু লৈতে ইচেম মহারাণী। ঐনা খংই। শৈরন্ধ্রীনা মপুরোইবা অমত্তা নত্তনা মচা করিগী লৈরিবা। কনানা কংম তৌনা মশিবু য়ারিবা। মপুরোইবা মচা মুপী অংগুনা। ঐগা তরুকশুবা ওইনা কনানা য়ারোইদৌরিবা? য়াগদবা মানা য়ারবদা, য়াথোইরনে ইচেম মহারাণী। ঐসু মচাদুগী মরক্তা তরুকশুবা ইচিল ইনাও ওইনা লৈমিংনগী হৈনবী অদুগী শক্তি লৈজগনি নত্তে মথাকপু করম তৌরিবগে? হৌজিক কপলিবরা মুংনালিবরা?

সুদে— সেনাপতী। নহাক থবক অচৌবা পুরি লৈপাক অসি-গী ভাগ্য বিধাতানি। অদুক য়াম্না খুরৌ চেনবা থবক অসি তৌগদুদা। শমুনা শোংদা পুথবগুম্বা ওইগনি। নংদি শামুনি। মুপীগী শুদ্ধলাংগী শোংদা চংশিনগনু। চাওখৈজ হায়বা অদু মচাই, শোংদা পুথরবা শামুনা করি তৌবা ঙম্বগেদো ইচেমদা সেনাপতী।

কীচক— (নোকপা) হাঃ হাঃ ……… ………।

সুদে— (কীচকতি অকুপ্পক নোকলি) ইচেম্না হায়বদি সেনা-পতী। শৈরন্ধ্রীনীসে অচম্বা মাপ্সে। অদুবু মহাক হিংচাবীদি নত্তে। মহাক হৌজিক কপ্তে। মহাক করি তৌরিবনো ইচেম খংদে। য়াজদরবারদগী চংশিনলকপদদি মহাক কপখি। হৌজিক্তি কপত্রে।

কীচক— (নোক্তুনা) কপল্রে। মতুনি নৌপরানা থংনিংলিবনু। হোৌখিক্তি থংলে। গন্ধর্ব্ব ইচিন ইনাওশিংতুগী মনুংদা ভরুকপুবা গন্ধর্ব্ব নৌপরা কীচকনি।

সুদে— সেনাপতী! অমুকস্মু, রাখল অদু লিশাং থামমলে। নিপা ওইবনা অস্রুগা সুপীদমক্তা করিমত্তা খল্লনা, রাখল লিশাং থাবগে ইচেম পামদে। নং অকনবনি। নচিন ননাও অমত্তা নম্বনা চাম্বা জগৎকী বীর রথীশিংনা ব্যবহার তৌনরিবা কীনরিবনি। মপাম্বোমগী পাঙ্গলনা অহল ওইরবা নবাই বিরাট মহারাজ, নিংথৌ মরাখ কশ্মিরবদা অহম্মপুবা কীদাদা কমজবা ঙমজরিবনি। মসিদা নচেথম্মু সুংজাইজরিবা।

কীচক— পুরনক অদুগা মসিগা করিমত্তা মরি লৈনদে ইচেম মহারাণী।

সুদে— করম্না লৈবোটদোরিবা সেনাপতী। নংগী পাঙ্গল, নংগী মথৌন, নংগী থুংকল পাঙ্গল্লিবা হেকমক হাইরবদা স্নাজংগুম্বা নঙোন্দা লাকচবিরমগদবা ইচেমনা মালংপান অসিদা কনা লৈতে থনবনি। চন্দকী মতাং অসিদদি ইচেমদা থুক লাওবা অম ফাওই। হায়কম থংদনা অকিবা অমনা, ঐঙোন্দা ইতং ভত্তনা হায়বরি। নৌপরাসে সুপীদা লংজরে। নীগী সুপীদা মীত'রে, মশি কমলানবনিদো। তাইবংসিদা কমলাল্লবা কনা অমত্তা লিংখিদে। হায়রুনে ইচেদা, লঙ্কাগী রাবনবু হিংখিবুরা? মহাক অদু লাইশিংবু

ওবা, মৈ ঔশিংবু শিজিন্নবা নত্রা? সীতাদা লং-জরুবদা অত্থুম্মক শিত্রিবা অদুনি রাবণী থুত্তা। নিপা ওইবনা ইত্তং তন্তনা দ্রূপী ওইবীশিংদা লংজবদা হাপেংদে। কিদে। মশিমক্তনা মশক মমিং নাইবা নাইদবা ওক্তবা নিপা কয়ানা মৈরানবীগুম মথাম্ন মাংনব্রিবনি। সেনাপতী হক্কী অসে ইচেম কীবো। শৈরন্ধ্রীনী হায়বীসি অচম্বী মাঙ্গে। মতোম্দা ইচেমনা নংবু লংজহনিংদে। নংনদি হায়রি ইলাই লাইনা গন্ধর্ব্বশিংগী মরক্তা মাওরুগনি, ওইরুনি তরুকশুবা গন্ধর্ব্ব। শাগৎথিবা ভাবকী দলান অদু, মা মৌনা রাংত্রে। রাংমনত্রে। থংলমদে শৈরন্ধ্রীনীগী করি পাওথোংনো। ঐথোয়না মিৎনা থোংনা উরুবা থেং-নরুবা নত্তে, মাতনা হায়বনি। করে ইচেমদা। নংনা গন্ধর্ব্ব অদু উমরুখো, রায়ী শারুখো। অদুগী ভুংদা তংতাবা অদু থংলুখো। অদুগা লংনৌ শৈরন্ধ্রীনীদা, নত্তনা ভাবকী দলান অমদা মশানা যাদবীদা কয়েম্নবা কমলান রাতাংসি তাংলবদি নংগী পুক্নি তেনথিগত্রা। ইচেম্না রাবনি।

কীচক— মত্থুদি লাইনা হেক্তা থংগনি, ইচেম মহারাণী শৈরন্ধ্রীনী কৌথোকপিরকউ। ঐ করি অমত্তা চাত্রি থম্নদং চানিংঙি।

সুদে— কৌথোকউ হায়রিবকো? সেনাপতী। ইচেমদা—

কীচক— যৌজিকমক উগনি। কৌথোকপিরকউ হায়বা ইচেম মহারাণী চিংনমথোনে। (তপ্পা-২ অত্থুম্মক নোকই)

সুদে— শৈরন্ধ্রীনী। শৈরন্ধ্রীনী

শৈর— (মসুংদগী) মহারাণী ত্তাকপিনি।

সুদে— সেনাপতীগী সেবা লৈত্রি।

শৈর— (মসুংদগী) মহারাণী (ত্তাইহাক লৈরগা সজ্জেপ পুর-
হুনা থোরকই) সেনাপতী লেংবিরক্লি।

কীচক— অহোয়, লাকচরি। থরা হেনমনথ্রেকো।

শৈর— (নোক্না) এঃ এঃ কারম্ন থনজদে সেনাপতী।
(পাত্রদা ঈশিং হৈ, মথোল ভাই) লৈজর থুংশেংদোক-
পিয়ু। (চংখিবা)

কীচক— উবিরেদনা। পুমতোপ তোপলবা মিৎয়েং রাঙাং
রাঙা।

সুদে— মসিনা হেন্না কীপ্রবনি ইচেমদি। শৈরন্ধ্রীনীনা ত্তরাংগী
লমন মখুম অমগী করি তৌরকখিগদবা। মসিনা নংগী
নপুক্লিং পুমহু হুপ্রবা নভ্রদো ?

কীচক— পুক্লিং হুপ্রে, রাখল হুপ্রে। এনী করিম্ন লৈহৌ-
ব্রেদনা, ইচেম মহারাণী। ঐ শৈরন্ধ্রীনীগী ঋজি পাইহুনা
চৎনিংঙি।

সুদে— সেনাপতী চোয়োল লোল্লে। নহাক ত্তাওরে। পুমত্তাও
ত্তাওরে সেনাপতী।

কীচক— ত্তাওসম্ন। ত্তাওননবা নেপা থকনরি। অসিগুম্বী
কজবী অমগীদমক কীচক্না ত্তাওবদি ত্তাওফেনা ইচেম
মহারাণী। ঐত্তনা ত্তাওরবরা ? কনাদি ত্তওরোইদ্রৌরি।

নত্তে গন্ধর্ব্ব মগুাচুনা, মাগী মতুং ইন্নরিবা নত্রা ? মখোয়দি কীচকসু নত্তে। দেব দানবশিংসু লাহৎপা ওস্না গন্ধর্ব্বগী ভাংদি। মখোয় অদু ফাওবা মানুষী ফজরবী শৈরন্ধ্রীনী-দা ওাওচুনা মখোয়গী মাল সনমান পুম্নাং মাংহনলিবা নত্রা ? কীচক্না ভাওজবদা করিগী অভাওবা হায়গদৌ-রিবনো ?

সুদে— উম। সেনাপতী। নং অহনবা নাইররোই ইচেমগী রা ইল্লরোই ?

কীচক— করি রাবু ইনজো তাকপিরিবা ?

সুদে— সুগ্রীবা লংজগনু শৈরন্ধ্রীনী থাদোকউ।

কীচক— চুমই ! ওহাং কীচক্ক শৈরন্ধ্রীনীবু লংজরমই। ওসিদি শৈরন্ধ্রীনী কীচক অনিগী পম্মোইদা প্রেম হায়বা ইকুৎ অদু ফাওদোকনরে। কৌরমই "সেনাপতী" মাগী খোঙ্গাং অদু তরাম তরামই। রাহৈগী খোঙ্গাং, খোনবৈগী অথুম্বা মচুনা কীচককী পুক্নিং ইনৌ নৌহল্লি। পুমশাৎ লাৎতোক-হল্লি। হৌজিক নোপরা স্বর্গগী নন্দন কানন্দা কৌইজরি।

সুদে— সেনাপতী ! নংনা ভাওখিবনা, মাগী খোঙ্গোক খোন্দা নীনোক মিরেংশিংদু নংনা পুমথুম থুমখিবনি। ইচেম্না নদু পুম্বদু চাগদোবগুম রেংহৌই। মুন্না ভাহৌই। মিৎরেং অচুনা, অমেংবা মিৎরেং নয়ক্কা নৈরি, অথুবা খোনবৈদা হগী সুংশিৎ য়াওখিবা ইচেম্না খংহৌইনে সেনাপতী।

কীচক— ইচেম্না পংকপা থবকিরে। হাঃ হাঃ (নোকপা)
(ইমুংদা ওনশিন্দুনা) — শৈরন্ধ্রীনী।

শৈর— (মমুংদগী) সেনাপতী ডাকপিগনি।

কীচক— মধু পাত্রগা লোইননা মধু।

শৈর— (মমুংদগী) কগনি।

কীচক— হাঃ হাঃ হঃ হাঃ (নোকপা)

সুদে— উম! (মুংড ইভবগী খোঙ্খোক)

শৈর— (মধু পাত্রগা লোইননা থোরক্লুনা) সেনাপতী লৌ-
বিগি ফানবিসি (পিবা)

কীচক— (লৌরগা থকপগী মখোল তাই) হাঃ হাঃ ……
(খোদেম্বা) অমুকুগা।

শৈর— ফগনি সেনাপতী। (অমুক হৈবগী নখোল তাই)

কীচক— (থকপা) ইচেম মহারাণী শৈরন্ধ্রীনীগা রাজা মতেক
অমম্বা শাগে ঐ।

সুদে— সেনাপতী! (অশাবগী খোনকনবা)

কীচক— (কল্লপা) ইচেম ইশেম্ম মহারাণী! ঐ শৈরন্ধ্রীনীগা
রাজা মতেক অমম্বা শাগে।

সুদে— শৈরন্ধ্রীনী?

শৈর - সেনাপতীগী মাংদা করম তৌনা হিংজোক্লগে?

কীচক— আহা …… … (হয়াওনা নোকই)

সুদে চংলে ইমা। (চংখিবা)

কীচক— শৈরন্ধ্রীনী! ঐ লানজখ্রেকো ঙাকপিগানু। নংবু মুংশিরুবতননি।

শৈর— লৈপাক পুম্বিব অকনব অকনবনি থংজরে। কনখ্রে। পুক্সিং চাং য়েংজনিংহ্রুনা (করাওশিন্না, খোইথুম্বহুনা লোকই)

কীচক— য়েংখোক্লকলিবা মিৎয়েংগী মিংচিনা থম্মোই অসে থুম্না হেক প'ম্লে। শৈরন্ধ্রীনী ঐ লাম্লবনিকো।

শৈর— তোইনা পনবিখ্রে। ওম্বোক্লা মুংঙাইজখিত্রে। হায়-জনিংবা কোঙ্গাই লৈখ্রে, য়ামখ্রে. ম্নাম্না হাইজগদৌরিবা পোৎনি।

কীচক— হায়রো! হায়রোমি। য়াম্না হায়রোবা?

শৈর— অসিদদি কৈদগী। হোয়েন অহিং নোংয়াই, মীচিক মীরাওখোল ভানত্রবা কালদা, নমো ইবেম্মা উম্বক্লাগী জগোইশংদা, ঐ ঙাইজরমগে হায়বা মহুদা হায়জগে হায়বা। য়াম্না হায়জগদৌরিবনি, চংজবে মীয়াম্না উখিনি মীয়াম্না উখিনি। লৈপাক পুম্বিবা নিপা পংগনো।

কীচক— (য়াম্না মুংঙাইনা লোকই) হা হাঃ লাকচগে।

শৈর— ঐদি ঙাইজরমগদবা। লেংবিরক্কনা হেক তোক-থোকপিয়ু। (চংখিবা)

কীচক— মু'ঙাইরে পেম্লে। (তপ্না) অহিং নোংয়াই জগোইশং।

শৈর— (থুনা হনজিলক্কুনা) ইস। য়েংঙোই কনা অমত্তদা হায়দোকপা য়াদে, ঐবু থাৎপা পাপ পুবিবা (তহা তহা চংখি)

কীচক— নোংমাই। ঙসিগী নোংমাই। হৌজিক্তি অয়ুক্কী নণ্ডু তরুকলোমদা মচৎলমথিনি, শাংনা ঙাইবা তাম্বিদা। শাংনা য়াংলিদা।

সুদে— (থোকরতুনা) সেনাপতী! খংব্রেকো।

কীচক— ইচেম ইবেম্মা। য়ামনপ্রে। থল্লুবম্ম। পুমকোক কোকনয়বনি। শৈরন্ধ্রীনীগা ঐগা য়াথৈনয়বনি।

সুদে— সেনাপতী। অদুদি চৎলগদ্রা?

কীচক— চৎত্রবদি কৈদৌনি।

সুদে— ঙাইখো সেনাপতী। করিবু হায়নয়বগে ইচেমদা শেংনা হায়য়ু।

কীচক— মসি ইচেম মহারাণীদা শাবা য়াবা য়াগী নত্রে। মচিন মোপরাগী য়ারী ওইদ্রে। শৈরন্ধ্রীনীগা ঐগতা ওইবা তোঙানবা য়ামীনা। ঐ চৎলে থেংগ্রে। (চংথিবা)

সুদে— সেনাপতী নং ঙাওরেদো। আঃ নিপাসে হিংলমোই।



৫ শুবা উৎপা

মফম— উত্তরাগী জগোইশং।

মতম— অহিং নোংথাই।

ফিভম— কীচক তম্বা তম্বা চংলকই।

কীচক— (চংলকপা) হৈঃ করিনো! ঐবু থাই লাওবা অমা তৌটনা। পোকপদগী তৌরক'প্রবা অথুকপা অমা তৌই। করিনো ভুসিগী মতৌ অসিবো! হেঃ ঐগী ভাবনা পংথল থনজবনি করিস্থ নত্তে। (থোংদা কাক-২ লাওনা খিনথি')

বল্লভ— (মথুংদগী) কনা ওইরবনো? (শৈরন্ধ্রীনাগী মখোল মাম্না থুম্লকই) কনা ওইরবনো সেনাপতীরা?

কীচক— (ভুরা থোকই তারিবা থোঞ্জেলসিদা। অত্তুবু মতৈগী শৈরন্ধ্রীনাগী খোঞ্জেলদ' সেনাপতীরা হায়বাসতনি তারক্লনা) মানি ঐনি লাকলবনি থোং হাংলো।

বল্লভ— (শৈরন্ধ্রীন'গী মখোল মাম্না) নহান রাজসভাদদি কনপ্রবা খোংগাল্লনি থোং অত্থু কাওথোকপিরকউ।

কীচক— আহা…… ....(নোকপা) নপুক্লিং থুংশিন্নবোইরে। অদুদি ঐ কাওথাইরগে। (থোং কাওথাই)

বল্লভ— সেনাপতী অসিদা নৈজরে। হোগৎপা থমজব্রবনে।

কীচক— লমন শিংলপা হেকমক কনগনিদা।

বল্লভ— কমদৌনা করি লমন সেনাপতী?

কীচক— ঐনা নহান শাওনিংবগী ময়াইনা ঐনা নঙোঙ্গা খোংপাক্লা কাওখ্রে। মতুগী শেন্দোই শেল্লেপ পুন্না অহুম্মক কাওজরোদনা।

বল্লভ— অদুবু ইতিকলা? হৌনবরনে সেনাপতী;

কীচক— অমুক য়েংলবগনু। হৌনবা শৌনদবা থিরগনু। খবাক লোংনা য়ারবনি। সে কাওরোসে।

বল্লভ— ঐ থুরুমজরি দোস পুম্নমক ঙাকপিগনিকো। কাওজরে। (দং লাওনা খোংপাক্লা কাওই, কীচক খোংপাক্লী চৈথেংদা ইক লাওবা মথোল থোকখি শ্বর থিঙিং ঙাইহাক, তপ্পা তপ্পা শ্বর শোল্লকই)

কীচক— খোংপাও মরু হকথ্রেদা। মসিমক থোকলে ঐনা পাম্বা। সেনাপতী কীচকী লোইনবা নোংশা অমোমমক পোকলে। সেঃ মশিং শুনবা কাওজরো।

বল্লভ— (খোংপাক্লা মথবাক্তা তিক২ লাওনা হেক কাওবদা ইক লাওনা কীচক তুই, থিংলুবা শ্বর ঙাইহাক লৈরগা হোন্থরকই) সেনাপতী (নিপাগী খোন্দা) সেনাপতী (শৈরন্ধ্রীনাগী খোন্তোক্ত,) (কীচক্লা মকোক উরু উরু ঙাওনা খোল্লেলশিং অদু তারি।)

কীচক— ঐবু কোক উরু উরু লৈ। শৈরন্ধ্রীনী নংগী খোংপাও অসিদ ওন্থোক্লা কনখ্রেদা। কীচক অকনবা কয়া কয়া থেংনরকলে। অসুম্বা ঙসিগী নংগী খোংপাও অসিগুম্বা অমুক্তা থেংনরক্তি। য়াম্না হেক য়ারোপ্রমামে।

বল্লভ— সেনাপতী। ঐনা লানথ্রবরা? দ্রুপীদানি লংজথ্র-
যায়ে।

কীচক— হন্দকমুক্তা ঙাইরে। কাওরো কাওরো মশিং শুনবা
কাওজরেগে।

বল্লভ— সেনাপতী। (ভংনা মযাইদা দং লাওবা খোম্থোক্তা
খোংপাক্লা কাওশিনলি)

কীচক— ইস! য়া তেকলে, যাইর্নিনে।

বল্লভ— (ইশি শিনা নোক্নুনা বল্লভকী খোঙ্গেলনা শাংনা
শাংনা নোকই খোংপাক্লা অমুক্তম্মু শাফু কম্না কাওশিনলি)

কীচক— নংনা কনাগে? শৈরন্ধ্রীনীরা। হিংচাবীরা। মায়া-
বীরা নং কনানো?

বল্লভ— হায় পাপী লাওগন্নু নিনগন্নু। ঐ গন্ধর্ব্ব মতাদ্রুগী
মত্রুংদনী অমনি। নং ঐবু উননিংলম্বা য়াই। উননবা
ঐ ঙাইরমলিবনি।

কীচক— গন্ধর্ব্ব! নখোয় মতাযক পুল্লপনা উরবা পাম্মী
নগাক্তো কৰিগী নখোয় মতাবু কীচকনা হাৎতোক্লগা
শৈরন্ধ্রীনী ঐগীতা ওইবা মসিনি ঐনা পাম্মা। চৎলু মখোয়
মরিবুম্মু কোক্লুচো।

বল্লভ— নিনগন্নু লাওগন্নু অমুক ঙাংলগন্নু। (বল্লভকা কীচকা
লাক্লরকই, পাঙ্গলবা ঙাকনি দং দং পুপ পুপ থানৈ ঙকথি
চপনৈ লংনৈ, মুংশা মপী হোননৈ, তুপ তাপ মখোল

ভাই) থংলবরা পাপী ! য়েংহৈদবা য়েংবা নফিং, কাওহৈদবা কাওবা নখোং ঙাংহৈদবা ঙাংবা নৈরে ।

কীচক— থংলে। অকনবগী মগুন অকনবতনা থংই। তশেংনা নং কনানো হায়বা অতুভাদি, ঐগী অন্তিমগী মতম অসিদা তশেংনা থংজনিংই ।

বল্লভ— ঐ পাণ্ডবকী ভীমনি। শৈরন্ধ্রীনা দ্রৌপদীনি নংগী যগদ অপুম্না পাণ্ডবকী ভীমগী মখুত্তা শিরকই তমজরকো। থংলত্রা সীতাদা লংজমন, সুপীদা লংজমন, থংলেদনা, সুপীদা লংজবা কীচক। মখোয়বী মেংশি কীচক অমোয়বা খোঙ্হোক্তা ওঃ ওঃ হাইনা লাওই) কীচক হাংলে গন্ধর্ববনা কীচক হাংলে।



'একলব্য'

— :(0): —

অহানবা উৎপা

মফম— একলব্যগী যাংলৌকল ॥

মতম— অয়ুক।

ফিভম— একলব্যগী শাংপোকপংগী মফমদা দ্রোনগী লৈপাক্কী শাবা মূর্তি লৈরে পুজাগী পোৎলমশু মূর্তিগী মমাংদা থেংহুনবা থমলি একলব্য অমা তপ্লকপা খোঙ্গ্রেপদা মখল্মোইনা লৈজবা থাহেলিং চিঙ্খাল থাক্লকলি

এক— গুরুদেব তোল্লবা চণ্ডাল শাগৈগদা পোকপা একলব্যনা নকমদা অস্ত্রগুরু ওইনা বরিজরি। মসি থম্মোইননি থম্মোইদ। হে দেব! তেল্লবনি নমাইদি। মীওইবগী ব্রাহ্মণগী চৈথলদ চণ্ডালদি শোক্ক পাম্বা খাদবনি। থোইব্রোক্না গুরুদেবদি ব্রাহ্মণনি ক্ষত্রিয়শিংগী অস্ত্রগুরুনি অহুনা হকথেংননা পুজা কৎচবদি মতিক চাদবনা থম্মে ইদা আংচনিংবা ঙৈথিল অসিগীদমক লৈপাক্কা শাজবা গুরুদ্রোনগী মচুম মাংদা লেপপিরে। কমাদা পেনজরবনো। হায়বিয়ু

দেব, ত্তোল্লবা একলব্যগী তেলগী খুংকাপ অসি অম্বুপোন অমদা খুংকাপ য়াংঙ্খ্রেদি উমজয়ে। মসিদগী ক'র থাক অম গুরুদেবনা লৌখিবিগদৌবগে তাকপিয়ু।

(মতম অসিদা লৈপকী মূর্ত্তি অত্রদগী দ্রোনগী খোজেলদা বা ডাংলকপগী প্রতিধ্বনি তায়কই)

প্রতিধ্বনি— একলব্য নংকী অভ্যাসকী শিক্ষাদ ইপানা নংবু লীশুবিদ্যাগী তর মাখোংশুব থাক অদু য়ৌনা তম্মী রবনি। মত্ত য়াংলবা খুংকাপনিকো একলব্য। নমাংদা য়থী অমনা খ্বাংবদা বারগদবনি খংউ।

এক— গুরুদেব। খুংকাপ অসি য়াংলবা।

প্রতিধ্বনি— উম য়াংলব'ন লিয়ীগী খু·চিং অমদা মিৎকুপ অমা চংবগে মকারাথী অমনা হৌজিক কাওবা কাপ্পরিবা খুৎকাপনি। অমুক্তং কাপ্পদা মিৎকুপ অমা নকমদা ইপানা তম্মীরব খুৎকাপ অসিদি অম্বুপোন অমদা খুৎকাপ য়াং-ঙৈখেনি। মিৎকুপ অমদদি লিশিং অহুমনি হায়বদি অম্বু-পোল তুগক্কুনা মিৎকুপ অমনি। নংাক মঙ্গল ওইরবনি। মঙ্গল ওইয়ু।

(খোঞ্জেলদু ঈপোম নাইনা হপ্প ২ মাংখি)

এক— গুরুদেব!

(হিক হিক খোঞ্জেল থোক্না কপপি। মতম অসিদা ফুলারী চংলকই)

ফুলারী— কপলিবয়া?

এক— নং অমুক লাকলে দুলারী? নংনা করিগীনো অমুমা হেক হেক ওংলরিবসিবো?

দুলারী— ই: সিবু ওংপা ওইরে। খ'গুবরা, নংবু হেক হেক য়েংবা লাকপা অসিবু ঐগী ইথৌ নত্রে'?

এক— কমদোনা নথৌ ওইবিরিবা?

দুলারী— নংগী নত্তো অসিদি ঐ কিশিনলক্লবনি থংলত্রা? লৈপাক্কী চাওরবা মূর্ত্তি অসি কনানো? করিগী মগাংদা নংনা ক্ষেত্রিশিংত্তনা পাইগদবা লীক্লং তেল পাইদুনা হুমাং ত্তপ ত্তপ ত্তাবমথৈ পান্দমকম থংদবা লীকাপত্তা পংকাপত্তা কাপ্তুনা শামরিবা? নমিৎত্তা নপি ঈরা চেম্বুনা অমুকস্থ সুং সুং কপালবা। করি ননিং থুংত্রবগে নংবু? নংগী ননিংত্তা থুংনবা দুলারী ঐ লৈরি। লৈরিবসিনি, হায়য়ু করিনো?

এক— দুলারী ঐনা কপলিবসিগী অর্থ নং খংবা ওমলোই, নংনা নোকহনবস্থ ওমলোই ঐবু। নংনা নোকহনলমই ঐনা সংসার অসি মশক মুমা থংত্রিত্তৈ, অকনবনা অশোনবশিং নৈৎপি চায়বসি উত্ত্রিত্তৈ। অপিক অচৌ জাং খাইবগী অথুবা মিংয়েংনা অপিকপশিংদা তিনশিং মাইশিংনবা উত্রৈ। মতুংদি দুলারী নং ঐ চেন চোংদুনা শামমিমবা, নোকমিমবা নংনস্থ একলব্য, ঐনস্থ দুলারী, থম্মোইদা কমাদা কাওথিবা য়ুংত্তাইবনো? মতুংদা ঐহাক পুমপেন হেক পেনখি! হৌজিক্তি থম্মোই অসি চাক্লদুনা

তৌথোরকলিব এগী চংঙৌ অসিদা নংন এগী অচাওবনি হায়রিবনি। চুম্মী, তুলারী এ ঙাওরংনি।

তুলারী— নহাক ঙাওরবনি। করি মথাই চারুহুনা ঙাওরিবা। মংনা ঙাওরবদি এগী ঙাওনিংঙি। মথাই অহু পিয়ু চংগে এগী অহুগা ঙাওগে।

একলব্য— নং ঙাওনিংব্রা তুলারী? করিগী মতম মথাই অহু চত্তাল শাগৈসিবু খুন্না য়েংউ। মথোই অসি করাদা তোনগবা নংগী নবত্তা থক্তৌ। মত্তে মংনা হস্তিনা রাজধানিদা করিগুম্বদা চংলুরবরা?

তুলারী— চংনিংদে এ রাজধানিদা। শুকচং চংনিংদে।

একলব্য— অহু হায়রগা করিগী পেঙৌ পেঙৌখিবা?

তুলারী— নোংমা এ রাজধানিদা চংলুগ। শড়ক লৈরাংথক্তা এবু চংহনদে। সুপ্নগী গীয়ামশিং অহুনা হায়, অমাংবা, অমাংবা শৌরক্লিবু। মসিনা তুপী মচ অসিগী মমিংঙৈ-লুয়ে, মাংলেদো থগে।

একলব্য— মতুংদি নংমু থেংনব্রা?

তুলারী— থেংনরকলে।

একলব্য— অহুদা নং করি থাদি?

তুলারী— থম্মোইসি কাইহেন্ত্রে। মকমহুদা এ অহুগী শিনিং-ঙবনি। মত্তে একলব্য, এখোয়সিবু গী নত্ত্রবরনে? এখোয়বু অশুরগী শৈরীবা নত্ত্রবরনে?

একলব্য— (অথম্মোই চাক্লা লোকই) মখোয় এখোয় কীনত্ত্রবনি।

তোরবা, অমাংবা জাৎতা পোক্লবা চণ্ডাল জাৎনি, [illegible] বিরিবা মখোয়না। অদুগীনি ঐনা লৈপাক্কী মূর্ত্তি [illegible] মমাংদা লীকুং তেল পাইদুনা অভ্যাসগুম চোংলিবনি। নংমা কায়খিবদাই পান্দমকম থ'জবা লীকাপ্তু পংকাবা কাপলিবা কায়বদো ?

ছুলারী— পান্দমকম থংলিবরো নংগীদো ?

এক— পান্দমকম থংনা কাপলিবনি। চাওথোক্লবা ক্ষেত্রিশিং অদুগী মকোক করুনবা কাপলিবা লীকাপনি। মখোয়নি ঐগী পান্দমকম।

ছুলারী— লৈপাক্কী মূর্ত্তি অসিনা কনানো ?

এক— মূর্ত্তি স লীশু বিদ্যাদা মথিং চৎলবা জগৎগুরু অস্ত্রগুরু দ্রোণচার্য্যগী মূর্ত্তিন।

ছুলারী— হৌজিক হিংলিবরা আচার্য্য দেবসে ?

এক— হিংলি।

ছুলারী— লৈপাক্কী মূর্ত্তিদা অসুম্না নত্তোমত্তা থুংলাক ওইরাই-গদৌবগী শরুক আচর্য্যদুগী মনাক্তা চত্লুনা তমলুবনা করি ?

এক— মসি ছাওরেদো।

ছুলারী— কমদোনা ?

এক— নংমা রাজধানী চৎলুবদা নংনা করিসু হায়কদনা তানকংপদো।

ছুলারী— আ. আঃ আঃ —।

এক— অদু ঐখ্রু চৎনুবখনি আচৌবাহুনা মনাক্তা অমাংবা চণ্ডাল জাতিনি খাখহুনা তাংজোকপিরক্কবনি। থমুনগী থক্লোইনা গুরু বরিজরগা নৈপাক্তা মুক্তিসগী মথাংগিদা ঐনা খুৎলাই ওৎথাইজবিরবনি মুক্তাং মুক্তম শোননিবনি।

দুলারী— মতুংদি চৎনগন্না? হৈরববা, কয়াম হৈয়ে?

এক— উং, হৈয়ে। ঐ অশোনবা তোলবা তুচৎপিরবা চণ্ডাল-শিংগী মিচংদা চাংশুম্না লেপ্পা ভূমগনি. নং য়েংনিংবরা?

দুলারী— য়েংনিংঙি।

এক— য়েংউ অদুদি (একলব্যনা তেল কাপ্পগী মখোল তাই)

দুলারী— ই: যাম্না থুপ্রেনা অসিদি!

এক— (নোকফেৎ তৌদুনা) অমুপোল অমদা খুৎকাপ য়াং-থৈনি দুলারী।

দুলারী— অদুদি আদগী উচেক অনিসি পানবা ভম্‌য়েংসিদনা?

এক— আদগী উকৈসিদা ঙোংলিবা খুমু লাবা অমোম অসি-বুবা?

দুলারী— মনি।

এক— অমখিদ্রে দুলারী নংসে। থুমু অনিসিদা লাবা অসিদা পাল্লো। অমোম অসিনা কয়াদা চাকুবা? অমোম অসিনা চাকপবত্তু ঐনা থংত্রবত্তু; অমোম অসিদা পাম্মুবদা লাবা অসিনা চাকদবা অদুদি ঐহাক থংঙি।

দুলারী— (নোকই) কয়া চাকদোক্লিবা? কয়ম্না থংলিবা?

এক — শিখিবস্নু নত্তবা। নবাক উপদেশ ঐনা ওঁস্থোক্না হাপ্ত্রে।

দুলারী — ঐস্নু বাই। অদুনা হেক হেক চেল্লকলিবসিনি।

অদুগা সংনা হেক হেক অঙাওবা অঙাওবা হায়দুনা-ঐবু ভাস্লোকপা অদুম্ব ভাস্লোকনু ঐ য়াম্না নুংঙাইতে।

এক — ঐগী গুরু পূজাগী ধ্যান্দা। লুপলিবেদো ঐবু ওংকনু।

দুলারী — খক ওংচরোই।

এক — অদুদি পূজা তৌরগে। নং ভুমিম্না লেপ্তুনা য়েংঙৌকো?

(একলব্য গুরুদেব হায়দুনা ধ্যান তৌখি। মতমসিদা শাদুত দুইজাও অমনা খোজেল হৌনা-২ খোংলকই)

এক — ঐ ধ্যান কাইরেদো। কদাই দুলারী লীক্লং তেলদো।

দুলারী — হাংকদৌরিব্রা? সে লীক্লং তেল।

এক — হাংলোই, ময়া অসিদা তেলনা কবাক থনগে।

(দুইনা গৌ গৌ খোংবনু তেলনা ময়াদা কবাক থনথি-বদগীদি খোংবা ভংদনা ভুমিম্না চেনখ্রে)

দুলারী — ময় কবাক থনখ্রে দুইসে। তেল তরেংনা কবাক থনখ্রে।

(মতম অসিদা একলব্যগী মপা হীরন্যধনু তহা তহা চেনশিনলকই। মমা মেনকাস্নু য়াওই

— চৎলগে ঐ! বাবা হীরণ্যধনু, ইমা মেনকা লাকলে।

(চেনখি)

এক — ভাইখোনে।

দুলারী — নাই কৈস্নু (চেম্না চেম্না খুমম্মী)

হীরন্যধনু— মাংলেদনা একলব্য, কখিনো নংনা তৌরিবসে?
কখিগীনো নংনা ছুইন্নগী ময়দ' তেল ক'পশিনথ্রিবাদা?
এক— গুরু পুজাদা ছুই অসিনা খোংচুনা য়েথাইবা পিরে।
ঐবু ও'লৈ।
হীর·j— মাংলবনিবে ইপাদি তোল্লবা চণ্ডালগী অাংতা পোক্লবা
নহাক্না ক্ষেত্রিশিংগী মংতৌ তম্বা শারি। বন অ সগী মধু·দা
ইমক নক্না হস্তিনা কুরু মহাবংশগী নিংথৌমচা পুম্নমক
শাদানবা লাকনি। মথোয়গী শাহুইনি, থেনৈকসিদা
খোংলকপন্থু।
এক— অদুদি য়াম্না ফরেনে বাবা।
হীরন্য— য়াম্না ফরেবু হায়বা শ.ই। নংবা কখি তৌগ্রবনো
থংজরব্রা?
এক— থংই। ঐনা মতম কুইনদগী তেমশিংনরকলিবা ক্ষত্রি-
শিং অদুদা ঐ লৈরি হায়বা থংজনখ্রে?
মেনকা— ইমাদি মাংজরেদকো একলব্য। নংদি নমা মেনাকা
ঐগী থয়াইগী মনিনি, খোংতেকপগী শাজমক্রবা চৈশুনি।
নংনা ক্ষত্রিশিংগা তেমশিংনরগা ওইরক্নবা দখাক্তু ঐ
থংভি। নৈরানবী ওইগদৌরিবনি, তাক্নে ই ফাওবা লৈহো
দনা মাংজগদৌরিব্রা? ঐবু কখি ওইরসিগেনে একলব্য,
ইমাদি মা'লে। (কপ্পী)
এক— কপকনু ইমা, কপকনু। অদুম্না শে'ঙ্গনু, নচ একলব্য
লৈরি। তোল্লবা চণ্ডাল হায়নরিবশিং অসিবু অমুক্তং

ফুক্কং চনিংহনা মখোয়শু মী ওইরে হায়বসি অমুক্কং খংহনজ-নিংবনা নচ'না লৌশু বিদ্যা'সি ওমজরিবনি কৌতিক ঐ'খোয় করিস্থ শিনিংঙাই লৈত্রে। চণ্ডালশিং'বু মতিক চাবা থুংলাই তম্বীরগনি চৌক্কিক। মখোয়দা জাতিগী প্রেম তারগনি। মখোয়দা লৈপাকমচা হায়বত্র করিনো থংহনলগনি, অমা থুংলা খুংলাই তম্বীরগনি। অমুম্না চপ মান্না ফুক্কংপা শাক্ত অমদি খোনাগী মমাংদা তাইবংগী ক্ষেত্রিশিং অসে মরু লুকহনগনি। মীনা মীনি হায়নরিবশি মতৈহ মশিং হৈববুনি।

(মরক্কুদা বনগী শাশিং চেনখোক চেনশিন তৌবগী খোংবগী খোজেল তাই, উরকন্তা প্রোক প্রেক লাওবগী মখোল তাই। তো বাবা মরাল লৈজত্রবা বনগী শাশিং অসে কোই-ত্তংও তাওহনা চেল্ল! উপাল রাপালশিং অসি অথাকপা লৈতনা য়ম্ভুরকলে। মত্রনা ক্ষৌত্র'শং অসিনা অমুম্না শাদানব'সবা মরাল লৈত্রবা শা উচেক কয়াগী পুন্সি মাংহনলবনি। ইংনা চিক্না লৈজরম্বা ওরাই পানবশিংগী পুন্সিবু খোংচং হোংহনলবনি। মখোয়না উমং কয়া কয়া মাং তাকহনলি।

হীরন্য— মতুদা নংগী করি মাংজরবা? মসিগী মমক নংনা নকশি খোকপা চুম্বা?

এক— নঙ্গেনে বাবা? উমং রামং তাকহনবা হায়বসি প্রকৃ-তিগী কসবা মাংহনবা, ঋতুগী খোংচং থুগাইবা ওইরোইত্রনে

বাবা? মসিনা মাওইবগী থয়া মাংহনলক্লদগে লায়বত্থ করান হায়বা ভমগনি। বাবা, কিমনগ্রে, ঐখোয় য়াম্না কমনগ্র! চুংসা তাইবংপা অয়ম্বা, পাংথবশিংগী ফিদা লৈতে হাযবসি খংবিয়ু। অহনা ঐখোয়গী থৌনা লৈবা তাই, চৈ তম্বা তাই। ক্ষত্রিশিং লাকচসনু ঐনা মখোয়গা মাইয়োক্নগনি।

(মতমসিদা অর্জুন, দুর্য্যোধন চংবা ক্ষত্রি মচাশিং চংলকই)

দুর্য্যো— লৌরুং পাইরবা পাখং নংনরা ঐখোইগী শাহুইদা ময়া কবাক থল্লকলিবসে?

এক মানি করি তৌরবনো?

দুর্য্যো— মরাল লৈতত্রবা শাহুইদা অস্নুম্না তৌরকলিবসে চুম্বা?

এক— কনানো নখোয়?

দুর্য্যো— ঐনা কুরু নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্রগী মচা অহল দুর্য্যান। অসিনা পাণ্ডবকী অর্জুননি।

এক— ঐ চুহুৎত্রবু তাংতে। খোংবা য়াকল্লবতনি, ঐগী ধ্যান কাইদনবা। নখোয়না মরাল লৈতত্রবা বনগী শা, কৈ শক্তি শতাইনচিংবা হাংলিবসিদি চুম্বা?

দুর্য্যো— মসিদি ক্ষত্রিশিংগী ধর্ম্মনি। ক্ষত্রিশিংগীদি শাদানবা পূন্যনি মস।

এক— (নোকপা) হাঃ হাঃ হাঃ মরাল লৈত্রবা শায়াম হাৎপনা পূন্য; ঐগী ধ্যান কাইদনবা হুই খোংহন্দবসিনা পাপ ওইরবা।

অর্জ্জুন— পুন্নমক লাইরি। অর্জ্জুনমক্না চৈত্রবা থৎকাপ অসে নহাক্না কদাইগী ভম্নই দম্ম্য পাথং

এক— ঐগী গুরুদেবনা তম্বীবনি। গুরু জগৎকী গুরুনি। অচম্বা গুরু নত্তে।

অর্জ্জুন— মশক মমিং তাকপা য়াগত্রা দম্ম্য পাথং?

এক— ক্ষোত্র পাথং, উবরা মাংদগী মূর্ত্তি অসে? অসিনি ঐগী গুরুদেব।

অর্জ্জুন— ক্ষেত্রিশিংগী অস্ত্রগুরু দ্রোণ চার্য্যবু নংগী থুৎলাঙ্গী গুরু।

এক— ঐনা ভসাইনা হায়রে, মহাক্তি জগৎকী গুরুনি হায়না নখোয় খরাদগী নত্তে।

অর্জ্জুন— অর্জ্জুনমক্না তম্বিন্ত্রবা থুৎকাপপু তোল্লবা দম্ম্য নঙোন্দ তম্বীরম্লবা।

দুর্য্যো— লোনম চাওথ্রবা গুরুনি। ঐখোয় ক্ষেত্রিশিংগী মাইয়োক্তা লৈনবা, নারক শিংলক মচা শোক্ল শস্লবা য়াত্রবা তোল্লবা দম্ম্য মচা অসিদা অসিগুম্বা লৌকাপ তম্বীরম্বনি!

কৌরন্য— শাওবিখিন্ন রাজকুমার পুন্নমক ঐখোয়না লংশিনজবা ইরাল ভাক্তনি।

দুর্য্যো— দম্ম্য অহল, নংগী নচায়া পাথং অসে? নচাবু খাম-জিল্লু মহাকথক্তা চণ্ডাল শাগৈসে ক্ষেত্রিশিংগী মথুক্তা তুম-পনি থংউ।

কৌরন্য— ইপাগী একলব্য।

এক— বাবা ঐ চেনলোই। ইমা লৈরুং অদু পায়শিন্দুনা খম্নীগনু কদাই।

মেনকা— করমনোনে ইমাদা।

দুর্য্যো— খংগনি মতুংদা দন্দ্র পাথং নং। লাও অর্জ্জুন চৎসি।
(মখোয় চৎখ্রে)

হীরন্য— মাংলেদে। ইপাদি মাংলেদে একলব্য।

অনিশুবা উৎপা

মফম— বনগী অতেপ্পা শরুক অমা

ফিভম— দ্রোন শিষ্য শংবু লৈরুং তেংন্দোং শিক্ষিবদা হৈরব্রা, নপুক্রুং চংভব্রা চাং য়েংশি মখোয়দা বা ঙাংলি।

দ্রোণ— নখোয় অমত্ত নপুক্রিং চংনা উদে। লৈরুং বিদ্যাদি খোংথুং, মিৎ হায়রিবা ইন্দ্র অহুমসি ফজনা হৈশিংদনবনি। মিৎন পান্দম্ফু ফজনা উবা, খুংনা পান্দমকম অদুদা নিকুনা কাপ্পা, মতুদা খোংফম শোইরবদি পানবা ঙমদে। পাইরো সহদেব নং কাপ্পু। (কাপাখ তেল) উব পাল্লে, পাল্লে অনুম হৌনৈদনা। ঐনা নখোয় ময়াম্বু পুখোক্ত্বা

মন অসিদা শাদানবা লাকলিবসে লৈকাপ ঔরাইনবা লাকলিবনি। ভীমস্থ অদুমত্তাই, দুর্য্যোধনস্থ লৈকাপ পাং-দে। গদাদি ময় নি। সেঃ য়েংউ। ঐ অদগী উৎ চেকসিদা কাপকেকো ঐনা করগতৌনা তেন সন্ধ্যান থাবা কমদোনা কাপ্পা মুগা য়েংউকা।

শিষ্যশিং— গুরুদেব। গুরুদেব য়েংজগে।

দ্রোণ— তুঃ তোংলিবা উচেক অসি মুম য়েংউ। উচেক অসি মঙকশাম অসিমক্তনি ঐনা পালহনগদৌরিবসি। ঐমী নিংঙ্গয়েংদা মশা অতৈ উথিদ্রে, মঙক অনিত মউরে। হৌজিক তেননা পাল্লে।

শিষ্যশিং— (লাওনৈ) পাল্লে পাল্লে, মঙকশামদা পাল্লে।

দ্রোণ— লাউ দুঃশাষন, নং অমুক অদগী লমখুম্ব অসিগী মথবাক্তা তেল ভম্মু।

দুঃশাষন — গুরুদেব।

দ্রোন— লৈরু অত্র চেংনা পাইমু। তিংলিবা নপাল্কোম লেং-হনগদ্র। নপামবোমত্র লেংলবদি পশ্দমফম শোইগনি। লৈরি চিংউ নাখোং ফনা। চিংলিবা নখুংতুন্স লেংহনগদ্র, নিংঙ্গেং অমত্তদা চুম্বা থুত্রসিগী মথাদা মুমা য়েংউ।

দুঃশাঃ — য়েংজরে মথাসিদা উজরে।

দ্রোণ — তেলন্ত্র কাপলা অদুদি।

(তেল কাপখি)

পাললেদনা, তো।

শির্ধ্যশিং— (ময়াম খুবাক খুত্না নোকৈ) পাল্লে, পাল্লে।

(মতমসিদা দুর্য্যাধন, অর্জ্জুন চংলকই)

দুর্য্যো— ঙাইখো। নোকখিন্নু, খরাওখিব্ব।

দ্রোণ— করি তৌরে দুর্য্যোধন?

দুর্য্যো— শাক্লুইস য়েংবিয়ু গুরুদেব।

দ্রোণ— কদায় অর্জ্জুন? তেলনা ময়াদা কবাক তৌজ্রে অম-

তম্বু নস্তুনা তবেৎ। কনাননো অসিদি?

অর্জ্জুন— কনানা ওইনি, গুরুদেবগী অচানবা শিষ্যননি।

দ্রোণ— কনানো নে? কনানি তায়বা কনানো বন অসিদা?

দুর্য্যো— বন আসদা লৈরিবা অখোইবা শিষ্যবু কাওবিরবর?

নত্ত খংশিন্নবিদ্রিবা তায়বত্তুর?

দ্রোণ— করিনোনে, ঐ ঙকলেবো দুর্য্যোধন। ঐনা খংবা

তায়ববু বন অসিদ ক্ষেত্রি মচাশিংদগী হেল্লবা লৌশুবা

নিপা অমা লৈরে তায়বসিতনি।

অর্জ্জুন— মহাক গুরুদেবগী অচানবা শিষ্যনি, নিংশিংবিয়ু। তায়-

বিখিবদাই, অশ্বথামাদগী হেন্না নুংশিবা অর্জ্জুন নংনি।

অর্জ্জুনদগী হেন্না নুংশিবা শিষ্যগুবু কাওবিরবরা বনসিগী।

দুর্য্যো— ক্ষেত্রি মচাশা, নখোয় পুন্নমকী থুক্লিংঙাই ওইবা

গুরুদ্রোনগী শিষ্য অমা বন অসিদা কনামক্ত খংহন্দনা

গুরুদ্রোননা থমলি য়াউ, তুইসিগী ময়াগী কবাক অসিনা

মহাকগী শাক্কিনি। পেনদে, দুর্য্যোধনদি মসি পেনদে।

দ্রোণ— রাজকুমার ! করিমত্তা থদে। নান ঐবু করিগী চৈরি।

অর্জ্জুন— হৌজিকসু গুরুদেবনা লোৎপিরি। লোংপিগন্নু গুরুদেবনা তৌবা থবক্তা শিষ্য ওইবনা করি য়ারোইকম থোকপগে? থম্মোইতদি শোংবিয়ু।

দ্রোণ — অর্জ্জু। ইপ বু ঙকলেনে। নত্তে দুর্য্যোধন নখোয় মহাকপু উরুরবর ?

দুর্য্যো — উরুরে তোল্লবা দম্ভ্যনি নাপল চাওই, মী উশিত্তে। ক্ষেত্রে ঐখোয়বু শিংনৈ। তোল্লবা চণ্ডাল অমগী মতিক হাপলিবা গুরুবু ঐখোয় শাউনিংঙি করমনো গুরু, ঐখোয়বু খুৎলাই তম্বীমল কুরু মহারাজগী বঙ্কানদা করি অশোইবা লৈরক্তনা গুরুনা শোক্তা শন্নবা য়াত্রবা চণ্ডাল মচা অসিদগী করি অপাম্বা লৌবিরিবা? ব্রাহ্মননা দম্ভ্যবু শেক্ত শয়রবা থৌদো অসিদি বেদনা য়াত্রবা শাস্ত্রনা থিংলবা থৌদৌনি।

দ্রোণ— নংগীদু য়েমনখ্রে দুর্য্যোধন। হুইসিগী মতৌ অসিদা লীস্ত হৈবা অমনা তৌরকপনি হায়বসি ঐ থংলে। ঐগীদি শিষ্য নত্তে।

অর্জ্জুন— মশামকা হায়রকই গুরুগী শিষ্যনি হায়না।

দ্রোণ— কদাইদা লৈহৌই মহাক ?

অর্জ্জুণ— বনসিগী অরাংথংবা নাকল অশোমদা, উনাগী খাং-পোক অমদা, চুং শিরাল চারবা, শাউবনা ঈ কারবা দম্ভ্য পাখং অদু লেপহৌরি। মহাক্তা হায়রকপনি গুরুগী শিষ্যনি হায়না।

দ্রোণ— অদুদি ঐনা করম্বা মতমদা লাক্কুনা খুৎলাই তম্বীবৈ হায় ?

অর্জ্জুন — মনাক্তা ইরেং লেংদনা লৈবিদুনা তম্বী হায়।

দ্রোণ— মনাক্তা ইরেং লেংদনা —।

দুর্যোধন— মীনম্বীগদু গুরুদেব।

দ্রোণ— মীনম্বগম্বু ক্ষত্রি মচাশা। নথোয়না ঐবু মীনম্বনি হায়রি। নথোয়নি মীনমশিংবদি ঐঙোন্দো।

দুর্যোধন— করিদৌনা গুরুদেব ?

দ্রোণ— নথোয়না হৌজিক্তা হায়, ঐনা মনাক্তা ইরেং লেংদনা লৈ হায়ন। নথোয়না মতাকপু উবা মতমদা উম্নরক্করা ? শেংনা তম্মু অঙাংশা ঐঙোন্দা মীনমগদু

অর্জ্জুন - উম্নজরকই। দম্ম্য পাখং অদুগী মমাংদা গুরুগী চাও-রবা মূর্ত্তি অমা লেপ্পুনা লৈহৌই।

দ্রোণ — ঐ নিংশিংলকলে। নথোয়াদগী মহাক্তা শোয়দনা হেন পদবনি। মহাকতো একলব্যনি, তোল্লমা দম্ম্যগী জাৎতা পোক্লবা। ঐগী নাক্তা খুৎলাই জমজগে হায়দুনা লাক্লম্বনি। অতোনবনি হায়দুনা ঐনা তাম্বে কখিবনি। মহাক থাজে-শেংবা হোৎনবা কনবা গুরু ভক্তি লৈবা নিপ নি। মহাক অদুম তৌরিবোইরে, চুমলে মহাক ঐগী অথোইবা শিষ্যনি। নথোয়গা মাহাক্তা য়াম্না লাপনৈ। নথোৎনা খনবমা বক্কান পিবা গুরুনি চাওখোকপা মানা থম্মোইদা থাম্মোইগা থম্মোইগা শিমদুনা গুরু পূজা তৌবা, লোইননা খুংপান কাওমা

লাকাপ ঙৈকাপ উগ, অদুনা নখোয়না গুরু উবিবা লৈত্ত হৈবগী মতিক মগুম অসিনি। অপংবা ক্ষেত্রি মচাশিং, দস্যু মচা অদুগী শেংলবা গুরু ভক্তিগী খুংগিক খুংদাম্নবা মপ ঙু অদুদা নখোয়না ওক্তুনা ঐখোন্দ চৈরবা নত্রা? থংউ বিদ্যাদি তম্বনা ডাক চংনদে, হোংনবা ডাই, থম্মোই শেংবা ডাই।

অর্জ্জুন — ভাকপিগনি গুরুদেব অগী মিং পাংজরে।

দুর্যো। — অদুনা হেক ওইবা য়ারবনে অর্জ্জুন। ক্ষেত্রিগী মেরু তিথং অসি ফুংজোক্তনা কদাইদনো, নংনা নমিং পাংলিববো?

অর্জ্জুন — কারি চায়বিরিবনো য়াম্বুং ননাওদি শংজাত্র।

দুর্যো। — ভারতবর্ষ নিংথৌ মচাশিংনা নোংমা দস্যুশিংগী মখুত্তা মাইথিবগদবনি। মতু উব ওাত্রবা অর্জ্জুন নংনা নমিং পাংজরে হ য়বত্তু কদাইদা পাংলিবনো?

অর্জ্জুন — কয়াম্বা য়াম্বু?

দুর্যো। — থংউমে অর্জ্জুন, পূককবা হায়বসে পাংদবা হায়বত্তগা অমত্তুনি। অয়ম্বা চায়থানিপা ওজনবা চায়বাসগা অমত্তুনি। রাজবংশদা পোকপদি, পুম্নমক্পু নমহংকদবনি নিংথৌ ওইগদবনি। দস্যু মচা অসিনা খুংলাই পাংজবাদ থা থংবা ভারতকী দক্ষিনাত্যগী চৌংমান উমং রামংদা খুন্দাজুনা লৈরিবা ভীল কোলমচিংবা দস্যুশিংগী মপাঙল কনথং-হনগনি। কোটি কোটি ওইবা জাংশিং অসিনা খুংগু খুংজাই লৈদুনা চপ মাংনা খুবংলক্লবদা ভারতকী

ক্ষত্রি মচাশিং অসি কদাইদনে ? মসি ঐদি কজবা উই। ক্ষত্রি মচা ভিল্লিবা নখোয়না য়ানিংব্রা ?

ময়াম — (অহঙ্গ ওইনা খুম্লকই) চুপৗ, ঐখোয় য়ানিংঙি।

দুর্য্যো — অদুদি গুরুদেবনা মহাকপু ক্ষত্রিগী মাইয়োক্তগী লৌখোকপিবা তাই।

দ্রোণ — ঐবু শিষ্য হ'ংলু হায়ব ? মাবু হংত্তোকউ হায়বা ?

দুর্য্যা — নঙ্গবদি করম তৌগনি গুরুদেব ?

দ্রোণ — গুরুনা শিষ্য হাংপা। মতুদি ঐ ওয়োই। নখোয় চংদুনা মাবু হাংলু।

অর্জ্জুন— তৌভক্তী মহাকী লশু বিদ্য অসিদি ক্ষত্রি পুম্নমক মায়খিবা পিবা ওমগনি। গুরুদেব মহাক দ্বিগবিজয়ী অমনি হায়বা য়ারে।

দুর্য্য — নঙ্গে গুরুদেব। নিপা অসি ক্ষত্রিগী মাইযোক্তা লৈতনবিগনু। ক্ষত্রিশংবু মুংশাবকম খোকই খঙ্গে গুরুদেবগ।

দ্রোণ — ঐ শিষ্য হাংপা ঙ লোই।

দুর্য্য — ওমবিদ্রবসু গুরু দক্ষিনাদি পৌবিয়ু।

দ্রোণ গুরু দক্ষিনা ? মহাক্তা করিবু পিবা ওমগদবা মহাক্তি উমং-রামং মচানি খাংপোক্তা লৈবা।

দুর্য্যো — গুরুদেবনা সনা, লুপা, মনি মুক্তা পাম্বিরব্বা য়াই মতোম্দগী মতু পাম্বিরবসু ক্ষত্রি পুম্নমক্তা কৎকনি। মতোম্দগী গুরুদেবনা পৌবিশদবা দক্ষিনাদ ঐ হজৎচগে। মহাক্তা

য়েং থংবা মখুবী অদু কক্তুনা দক্ষিণা ওইনা লৌবিয়ু গুরুদেব।

দ্রোণ— বীরত্বগী য়েংথংব' মখুবীনা দক্ষিণা। মসিবু কাপুরুষকী লৌচং ৽ত্রা' ?

দুর্য্যো— বীরপুরুষকী মীমাংসা দুর্য্যোধননা থনবা পামদে পাংবা পাংদবগী নৈননবা রাজমত্থ নত্তে দুর্যোধনগীসি। গুপ্নগী নমথবা নমথনবগীমদঙ্কা। দস্যু মচা লমহেনবত্থগী তেল কাপ্পদা শিক্ষিয়গদৌরিবা মখুবীত্থ ককথৎতুনা লৌ-থোকপদনি পাম্বা। নথোয়স্মু হায়যু, ক্ষেত্রি মচাশা এবুদা ফম্ববা ভাহনগম্মু।

মন্ত্রা— যানিংঙ্গ এখোয়স্মু রাজনিংঙ্গি।

দ্রোণ— নত্তে নখোয় অমুক্ত থম্থখো। নখোয় মাইথিবা পাম-দবা নত্রা? নখোয়না হায়ারবসিদি মাইথিরে য়ারিবা নত্রা? দস্যুশিংবুদি অত্তোনবা হায়ত্থনা চৈরি। নখোয়গী লমচং অসিদি অত্তোনবশিংতগী নত্রা?

দুর্য্যো— য়'রেং শৈরেংগী ফজবা ভাব, ভাবকী দলানগী নিং-থাইদবা মত্তোল, দায়া মায়াগী অথুম্বা শৈশক অদু রাজ-নিতীদ' য়াওদে। যুক্তি যুক্তগী ৽ত্ত্ব নত্তে। অদুদি সংসার খাদোক্লবা উমং রাময়দা কোহত্থনা লৈরবা স'ধুশিংগী বাত্তাং-নি, মচৎনি। হায়রিয়ু গুরুদেব দস্যু মচাসিগী মখুবী নিথোকপিগত্র, নিথোকপিরোত্রা?

দ্রোণ— ইস মত্থদা মতারত্রা? দ্রোণগী লাইবক থিগ্রবা।

অহুমশুবা উৎপা

মফম— দস্যুশিংগী খুল মনুংদা লৈবা।

মতম— দস্যু অহল খুঙ্গা ময়াম ফমহুনা য়ারী য়াতাই শাইয়ে অমগা অমগা একলব্যগী মওং মতৌশিংদা।

অহল অমা— নংগী হীরণ্য ধনুগী মচানিপা একলব্যনা তৌরিবা অসে ওষ্ঠোক্লা চুমদবা থবক্নে। ক্ষেত্রিয় নিংথৌশিংতনা অমদি ক্ষেত্রি মচাশিংনা অতোনবা জাতিনি হায়রুনা ঐখোয় দস্যুশিংবু কনবিরিবনি। মখোয়গী শাওনিংবা অমদা ঐখোয়বু পুং তুম তুম হাংদনা কনানদি কনবিগনি। ব্রাহ্মণশিংনা বেদ শাস্ত্র নৈনব, ক্ষেত্রিয়না খুংগু খুংলাই হন্বা শূদ্রান মীগী মখোং হাপ্পা নেবা তৌবা দস্যু ঐখোয়বু অমাংবা জাতিনি হায়বনি। মসিগীদমক ঐখোয়না করি খুংনাংকম থোক্পগে? মসিদা নখোয়গী য়েৎনিংবা করি লৈ হায়রু? ঙসমক একলব্যবু ধনুবিদ্যা থাদোকহনগদবনি।

ময়াম— হায়রিবহু অচুম্বনি।

(মতমসিদা হীরণ্যধনু চংলকই)

হীরণ্য— ময়ামা ঐবু কৌবিরা?

অহল— ঔম। কৌই নংবু।

হীরণ্য— তাকপিয়ু।

অহল— হিরণ্য নংগী মচা মপা একলব্যনা খুজ্জা ঐখোয়বু পাংহনগদৌরি। মতাক্তা ইভং হৎত্তনা ক্ষত্রিয় শিংবু খৎনবা হৌই, ক্ষত্রিয়শিংগা ভেমশিংনৈ। অসিমক ক্ষত্রিয়শিং অহংগা হস্তিনাপুরী লিংথো মচাশিংগা খৎনরে তায়বস্নু তাদ্রে। মাসদা দস্যু ঐখোয়না ইংনা লেগদৌবসবু কদাইদনো? নংনা মচা অসিবু থাম্মজিনবা থক ওমদ্রবরা?

হিরণ্য— করি তায়রা হক্কংবনি? কয়া থায়জবনি? কপা হুংলবাব ঐনা। মবা কৌবা নৈতে বিদ্য অসিদা তাওদবা এম্মা ইচা অসিনা কে এ মচা হাথবা মমিং অসি মুকপন পনবা য়াদে, পংখাওদা মখাওই। মচিন্দন্ত মুকুম মুকুম পংশোনত্তা শোনলি, "ঐখোয়বু অতোনবা।" ঈশ্বরনা শেম্মা খুৎশেম দা অসিক অচৌ থাইনা শেমক-পরা? পুম্নমক অসি মাওইবন শেমজিনবা আইন কানুন ওাক নত্ত্র? মসি য়াদিংদে, য়াদিংদে" হায়দুনা ওাংহনত্তা লৈ।

অহল— অচুবু। মদু ঐখোয়গী খাংনবা নত্তে। করি অমুক হায়গনি, নঙ্গীদা চৎপদা নিংথৌগী শন্তক লৈয়াংদদি দস্যু জাতি ঐখোয়বু মাংই হায়দুনা চৎহনবা নত্তে। শোয়রদে শদ্বদে। করি অমুক হায়গনি, ইমি লেৎপা ফাওবা মাংই হায়দুনা নেৎনদে, অচুবু করিদ ভৌগনি? ভোলবা পাং-দবা দস্যু জাতি ঐখোয়না কনাদা রাকৎলুনি? অরেম্বদা থরাই মাংদুনা ভোকনি। ঐখোয়গী ইরাইবকনসি। অম্মা

ঐখোয়গী পুন্সি অসি লোয়খিবা তাই।

(ধর্ম্মপাল চংলকই)

ধর্ম্মপাল — কনানা অসুম্না লেনসি হায়রিবা ? ঐ অয়ানবসি য়ানিংদে। মীওইবনা মওইবগী চথোং লেক্তুনা হিংবা মহিং অসিদি শিখিননা ফবা মহিংনি। মসিদগী ঐখোয় নাক্লোয়রবা হোৎনবা তাই।

অহল — নংমু অচুম্না ঙাংলব্রা ? ধর্ম্মপাল। নংবু হায়রুনে, অসুম্না তোপ্প তাধবগী ঈপাক অসিদগী করম্না কাধংপা চেমগনি ? কোক; কাখংলুবদা কোক কেনবনা হানগদৌরিবনি !

ধর্ম্ম — কোক কেপতনবা ঠায়বা অচুবু থুৎলাইনা নক্লা ? লীশু হৈবনা নক্লা ? মচু ঐখোয়না হৈদোক্লবদা মখোয়না ঐখোয়বু অচুম তৌবা ঙমগব্রা ? অওক তোক্ষনা খনবিগমু ইচিল ইনাওশা। ঐ খায়মু মীপ। তোৎনানিংব্রবা, ঙল্লবা, কিগল্লবা ওইচুনা ঐখোয়না করিগী অসুম্না লেনগদৌরিবেনা। ঐখোয় নিংথোগী মথক্তা অসুম্না লানহৌশি হায়দে। মীওইবগী ফিদা কংদনবা ঐখোয় ইহৈ ইশিং হৈশি হায়বনি। মহৈ মশিংবু মীওই খরতনা তম্বা য়াবা হায়বসি অর্থ লৈব্রবা য়াহৈনি। ক্ষত্রিতনা লীশু তম্বা ব্রাহ্মনতনা করিগী শাস্ত্র হৈবা, ... লীশু হৈব শাস্ত্র হৈবা ওইদমগদবনি। মচুদা কনাগী মাংজগনি হায়দুনা অপনবা পিরিবা ? বিধান অসিদি মশাগী ওইজবা খিবা খরতগী বিধাননি। মসি

ঐখোয় ইনফম খোক্তে। ঐখোয় নহারোলশিংদি মসি ইননিংদে। চোংখোরকউ দস্যু পাখংশ। নখোয় করিগী ইপং পংখরিবনো? নখোয়সু মীনি। ভারতবর্ষসিবু লৈপাক অমা ওইহনবা ভারবদি জাতি বিজাতি থাদবা চপ মাৎবা থেংনখাং অমদ চংশিনব তাই। বৈশ্যগী মথৌ নত্রবসু শূদ্রগী মথৌ, ক্ষত্রিয়সু ক্ষত্রিয়গী মথৌ, ব্রাহ্মণসু ব্রাহ্মণগী মথৌ তোগদবনি হায়রদুনা কনাও তাওবা রাখল অমদা লৈখোক্কদবা নত্তে ঐখোয়।

অকল— ধর্ম্মপাল নংগীদু হায়বদদি লাইবা থবক্তা ওন্থোকপদা লুবা থবক অমনি। জাতি ভেদ লৈতবা য়ারোই।

ধর্ম্ম — ঐ থাজৈ। ক্ষত্রিয়না মখোয়গী খুৎলাইগী মপান জাতি অতৈবু শুপ্পম সাসন তৌবা থোইদোক্না দস্যু জাতিসিবু শোক্ক শঙ্কব য়াদবা শাগোন কাওরিবা অসিদা ঐখোয়না য়ানা তুক্কচনা থাংশিন্দুনা লৈবা হায়বসি মীওইবগী পুন্সি হায়বত্তরা? মসিদগী নাপ্থোক্লবা লীশু তেনশুগী মহৈ অসি ঐখোয় পুম্নমক জাখোকহৌশি, হৈদোকহৌশি হায়জবগী রাকমতনি। করিগী মসিদা ঐখোয়না কিপদোরিবনো? থুম্নকউ ঠচিন ইনাওশা, ঐগী রাকমসিদা খুম্বিরকউ। নখোয় য়ানিব্রা?

সমান — য়ানিংঙি, য়ানিংঙি, ঐখোয় য়ানিংঙি। জয় দস্যু জাতিগী জয়। (শিন্না খোংঙি)

কৌরণ্য— ধর্ম্মপাল নংসু হায়বা ইস্রবা একলব্যগী মচুং ইরে।

মসিবু চুমলিবয়নে ইচাশা? কৌশিক ক্ষেত্রিশিং অসিনা ঙশাইমক্তদা একলব্যবু শিংজ্রুনা চৎখি। মদু ঐগী ইমাং-অক্তদা। ঐগী একলব্যনা খক্তিক্তা হল্লক হায়বা য়াদে। ঐ ভাওজনা নৈরবখি। ময়াম্না কৌরিবরবা অসিদা একলব্যবু থামজিনবিনবা হায়কপে লাকচিবনি। ধর্ম্মপাল নংগা খৌজুনা চম্মাংসে নৈপাল চোরে। অল্লু ধর্ম্মপাল মসিবু কয়া য়ামা মাই পাকপা ভগদোরিবনো? মসি ইপাকি য়াম্না কিশিল্লকলে।

ধর্ম — বাবা ধনু! করিগুম্বা কিবিক্লগনু। অনৌবা য়াওলগী কাংথুব্দগী ঐখোয় নকারোলগী খুমু থিনগংলকলে। মসি পারেপ ফাবগনি খঙ্গে একলব্যনা মাই পাকপগী চৎখুবা থিনগংলক্লিবসে ঐখোয়বু অাকবা কমুংসিদগী মিংকপ থোকহনখবনি। নত্তেঙ্গ বাবা ধনু মসিদা ঐখোয়বু অমুম্মক নাখোক্তুনা অমুম্মক নৈখিসনো? দস্যুগী মপাম্মোম ঙিংবা দক্কার ওইরে। ঐখোয় অমুক শোঙ্করোই, ঐখোয় অমুক কিরবাই। ঐখোয়গী মাইফবা কোয়ো থিংশারক্লবা মতম অাসিদা ইশানা ইশাবু পাক্লন, ঐখোয়গী ইখৌ ভোবা ভাই। চৎসি ঐখোয় পুম্নমক। ঐখোয়গী লুচিংবা অখোবা একলব্যগী মনাক্তা।

ময়াম — চৎসি ঐখোয় পুম্নমক মাগী মনাক্তা চৎসি।

অংল — কাম্নরোই হৌরগ্নথনু। ঐখোয়শু নহারেন মচুং ইন্নসি।

মরিশুবা থৌংপা

মফম :— একলব্যগী যাংপোকশং।

ফিভম :— দ্রোণগী অশাবা মূর্তি লৈরি। মথাংদা একলব্যনা খুৎলাই ঊবাইরি।

একলব্য — গুরুদেব! নংগী থৱাই য়াওত্রবা চিংলেমগী লৈপাক্তা মূর্তি অসিনা ইত্তৎ তত্তুনা ঐবু থৌনা হাপ্পিরি। নংগী থৌজাল হৈবা মপাওগী মুখ একলব্যগী মাকোংদা তত্তনা তাহনবিরি। "কিপন্থু নপুক্কিং চংউ, নংগী সাধনাগী পাক্কলনা লৌশু বিদ্যা অসিগী মতুং হনজিনবা কবা থংলবনি।" চুম্মী গুরুদেব! ঐ থংজয়ে। লৌশু বিদ্যা অসিগী মতুং হনজিনবা কয়া গুরুদেবনা তাকপিরেনা থংজরে মসি মুংদা কাওবা থৌজাল হৈবগীসুবনি। নংনা অমুক হাম্বিসি, ঐনা নকমদা খুৎলাই তমগে লাকপদা — —।

(ক্লস বেগ —)

দ্রোণ — নং দস্যু পাথং মাল্লি শোক্ক শম্বা য়াদবা। অদুবু নংগী খাংথোক শক্তেরুকপা খুদিংদা লৈপাক মচা তাবগী থাজাং ওাংদি। মসি নং কদাইদগী তম্লুই? হায়মু নং করি পাম্মী?

একল — গুরুদেব! লৌশু বিদ্যা তমজগে।

দ্রোণ — মথুদি য়ারোই। মরমদি নংদি শোক্ক পম্বা য়াদবা অমাংবা জাতিদা পোকপনি, ক্ষেত্রিশিংগ পূমা লৈমিন্নবা

য়াম্রোই। খোইদোকপদি হৌজিক নংগী ঐগী য়ৈ থাংনা
রিবসিনক অউবা অমা য়াওঙ্গবদি ঐদি মাংজরে চৎলু
থুনমক চৎরো।

এক— গুরুদেব। মস্তদি ঈশ্বরনা শেম্বীবা মী নত্তবরা?
ঈশ্বরনবু অস্তুম্না অঁপক অচৌ থাইনা শেম্বীরকপরা?

দ্রোণ— নত্তে মতু নৈনরগু সি নং চৎরো।

এক— গুরুদেব ঐ চৎচরে। নহাকপু থাম্মইদা গুরু বরি-
জরে। নহাক একলব্যগী অশেংবা অস্ত্রগুরনি।

দ্রোণ— মইপাকপা আশিবাদ পিরম্নি। চৎলো মঙ্গলগা লোয়ননবা।

(চিং মাংস বেগ লোইখিনখ)

এক— অঙম অন্তু পুন্থনা লাকচরগা মুগশিনবা গুরুগী মূর্তিবু
ইসেপাক্না মাজনা পূজা কৎচবা খুদমশাই ঐমাইজবদগী
ঐগী লাইগী বিদ্যাগী থৌনা পেনচরে, মথং কায়থবিবু
গুরুদেব। মথং অমুক চখজখিগে। দেবিবু একলব্যগী
পূজা কচ্চরগা হৈতৈল।

(মতমসিদা দুলারী চেনশিনলকই)

দুলারী— একলব্য একলব্য।

এক— মসি অমুক লাকলেদো অঙাওবী দুলারী হায়রিবসে।

দুলারী— চেনকত্তদি চেনকতবা য়াদ্রিবরা। মংসীদমক্‌ ঐ
বাইএ।

এক— ক্ষেত্রিশিংথনা ঐবু থংগনি হায়রম্মী।

ফুলারী — থংগনি হায়রম্বা ? অদুদি কমদৌরি ? মখোয় তোঙাল কৌদুনা লাক্লগনি হায়খিরবা. মোংলৈ মুংশিং কম। শিং-লবনি। নংনা কুনখিনবা লৈজব। উপাঙ্গী মচাগুম খাংদুনা ই হুমদুনা খাংগদৌরিবদো কমদৌনা য়েংউগে ? নত্তে একলব্য নংবু তোঙাক্লবা লৌকুং তেলগী শামবসি।

এক — শামবা হায়বা ?

ফুলারী — অং শামবা নত্তে।

এক — ঙসাই হুইগী মখায়দো তেলনা কবাক থনুব অহুথুব শামবা মীনা তুমগদ্রা ?

ফুলারী — হোয়নে তুমজরোনে। মদুনা ক্ষেত্রিশিংবু নংনা তেমশিংনখ্রিবদুদি ? কৈদৌবগে একলব্য নং ঐনা হায়রবা ইল্লু। (কপ্লি কপ্ল তোনা নং ঐবু মুংশিত্রা ? নংনা অমুম্না খাংদুনক্লা মাংখিবদা ফুলারীদি কমদৌহোবা। ক্ষেত্রিগী বিদ্যা লৌগু তেলশুদো খিং শিংমিরবিরমুবা মংবো।

এক — ফুলারী কিগনু। ঐ খাংউন্দুনা থক মাংলোই। মংগী মপাল নাইত্রবা প্রেম অদুদা একলব্যমু চোংথরিবনি। ঐবু ক্ষেত্রিশিংনা অদুমা হাংপা থক ওইরাই। নং রাগণু।

ফুলারী — ঐতা নত্তে য়ারিবসি। ইমা মেনকানমু থারকলিবনি। ইমানা খাম্বা নংনা মযাম্বতদা ঐবু খাম্ব হায়দুনা চেপ্লক-ফিবনি। নংনা হায়বা ইয়া মযাক্রবসিদা ঐখোয় তম্বা থুংনা থেক্কুনা লৈরবনি থংলবা ? নং থুম্মোই কনমচি। নংদি

কনাবুঙ্গু সুংশিদে, নিংশিবদুগা অদুগুমক নিংচুনা লৈ।

(মেনকা চংলকই)

মেনকা— হুলারী করি হায়রে, থাম্বসি ইমা মমাগীবনা ?

এক— ইমা ঐ কনাগুম্বগী মমা তাররোই। ঐগী হায়ববু পাং-খোকনিংলিবা থবক অসে ইমাগী, পাগৈ মাতৈগী, মাকা ইনবা থবক নত্তে। তাত্তিবু কন্নবা থবকনি। তাত্তি অমনা তোপ্প তায়বগী কফুৎতা তারিবসি চিংখৎনবগী থৌরাংনি ইমা ঐবু থামবিগদবু।

মেনকা— ইনাগী একলব্য। নংদি মচুগা হায়চুনা লৈখ্রে ! মচুগা শিবাং থাংখ্রে। নংসি থম্মোই পানমনখ্রে।

এক— ইমা ঐ থম্মোই পানি। ঐগী থম্মোই অসি ঐগীতা ওইবশিংগী কোনশিন্নবা থম্মোই নত্তে। মীওইবা জাতিগী পোইদোক্লা তেংল্লব দস্যু জাতিশিংবু কোনশিন্নব থম্মোইনি নংনা খংজে। ইমা ঐ। কনাই কাওবা চাকথবা ? কনাই ফাওবা থৌথ্রবা।

হুলারী — ইমা ! থাগমুরগম্ব মাবরোই মানা ঐখোয়বু লুংশি-নদুনা তৌরিবনি, করে মনিং থুংগ্রসনু।

এক— করে ঐ ইনিং থুংজরগে। চশিগী থুংলাই ঔরাইদি। ওৎপিবগী ওংশিন্নবমক্তনা, চসিসি পুমাং লাংখ্রে। ইমা চৎখ্রে, হুলারী চৎখ্রে।

মেনকা— চৎলা কায়বা ?

এক— চৎলো চৎপিরো। ঐবু অদি হপা ... শিংবনু।

মেনক — ঐখোয় চৎলে। লাকলো চুল্লারী। (চংখি)

এক — (মথন্তা) ক্ষেত্রিশিংহ কল্পকাপসু গুরুদেব ...ংগী, পৌজাল মঙাইরে।

(অমুম তৌবিদুনা দ্রোণ, দুর্য্যোধন, অর্জ্জুননচিংবা চংলকই)

এক — গুরুদেব! ভুসি তৌরবা একলব্যগী উমং অসদা খোংদাবিরকপসি ঐগী লাইবক কয়াদা ফরবা। একলব্যগুম লাইবককবা ভসিগী জগৎ অসিদা অতোপ্পা লৈরমখিগদ্রা?

দ্রোণ — একলব্য ইপা লাকলে। নংবু উনিংবনা ইপা লাক্রবনিনে।

এক — খম্মোইদা লাৎচব্য ৎত্তি শংশংনা চমংদা লেপপিরমো। পাপ চেম্নবা একলব্যগী খংপোক্তা লেংশিনবিরকশি? করিনা সবা তৌগনি? কারন অর্ঘ কৎকনি।

দ্রোণ — ওকলে। পুমপেন পেল্লে একলব্য গুরুগী অপেনবদি শিষ্যনা মথৈ মশিংদা চাওখৎপা তেংখোক শিংথোকচবা অহুগনি। নংনা ভাস শাহুতগী মঙ্গাদা তেলে তরেৎনা কবাক থম্লকপা বিদ্যা অসি কদাইদগীনো?

এক — গুরুদেবনা তম্বীবা।

দুর্য্যো — মাখি, মাখি অচানবা শিষ্যদা তকপিবনি গুরুন।

দ্রোণ — একলব্য নং নোংমা ঐগীদা লাকই পুৎলাই তমগে হায়না।

এক — অশেংবমকনি গুরুদেব। অহুবু অমাংবা লাৎনি হায়-

তুনা তথা ফংজরকতে।

দ্রোণ অদুদি ঐনা নংবু করম্না তম্বীবা? হায়রু ক্ষেত্রি-শিংগী মমাংদা।

এক— য়েংবিয়ু মাংদা লেপ্লিরিবা মূর্ত্তি অসিংঙা ননাই একলব্যবু তম্বীবনি। থংম্বাইগা থেম্বোইগ কাওনবা অস্ত্রবিদ্যা মতম্বী অদুদা হৈজবনি।

দ্রোণ— ক্ষেত্রি মচাশা ভারেদনা, থংলেদনা নথোয়।

দুর্য্যো— অমবু ওইরবস্থ অমবু ওইরবস্থ একলব্যনা গুরু দক্ষিনা কংকম থোকই।

এক— চুম্মী। ঐ গুরু দক্ষিনা কংচগনি। হায়বিয়ু গুরু-দেব নচানা নকমদা করি কংচোগে। নহাক্কী কৃপানা, আশির্ব্বাদনা ননাই একলব্য লৌশু বিদ্যা ফনা য়াম্না থংজরে হৈজরে। তৌবিক দাক্ষনা কংনবগী মতম চপচারবনি। অদুবু অমাংবা একলব্যনা গুরুদেবগী নাক্তা লাকপা জমজদবনি, লেংবিরকলিবসে লাইবক ফবা ভাজানি হায়বিয়ু।

দ্রোণ— ইপানা করি দক্ষিনা হায়সিগে।

দুর্য্যো— হায়বিরো গুরুদেব। চিংনবা লৈতনা দাক্ষিনা নিংবিরো!

দ্রোণ— দুর্য্যোধন মদুগুম দাক্ষিনা অদুবু?

দুর্য্যো— গুরুদেব! মদুমক্তনি নিবিগদবা।

দ্রোণ— ক্ষেত্রি মচাশ অমুক্তা থদুগো নথোয় পুন্না।

ময়াম— থম্মরবনি গুরুদেব থম্মজরবনি।

এক— করি থনবিরিবনো গুরুদেব। করিগী তিংজিং মাংজিংনবি-
বা? শিষ্যগী মফমদদি গুরুগী য়াথংদা অদু কত্তু চপ মান্নে।
পুম্নমক অাস অমত্তনি। তাকপিয়ো নয়াথং অহু।

দ্রোণ— ইপাগী একলব্য। তোংনজররিবা অথৌবা নংগী তু-
তু চেনখংলকলিবা লন্থী অসিদা ইপানা থৈথৎকদৌরি
নংবু। য়ারোগণু ইপাবু অথৌবা।

এক— ওহোরা তাক্লিংঙে গুরুদেব। হে আচার্য্য তাকপিয়ো
পম্থবিয়ু।

দ্রোণ— ইপা হায়রগে। নংগী লৌত্তু বিদ্যা চংথোন্নবা য়েংথংবা
নথুংকী নথুবী ইপাদা দক্ষিনা ওইনা পিয়ো।

এক— গুরুদেব। কৎচরবনি, নচানা করিমু য়ানিংদবা লৈতে।
ক্ষোত্রিশিংগী লাতবক ফবগী মুখিৎ মসিনা মতাম চাওবা
ওইসনু। একলব্যগীদি গুরুগী য়াথং ইনতরবনি। অদুগা
ক্ষেত্রি মচাশা মসিনা দস্যুশিংবু নমথবা ছমে হায়নদি
থক থনগনু। মসিনদুম দস্যুশিংগী একলব্যগী থৌনা
হাপকৎলবনি।

(থুবী ককপগী মথোল তাই)

লৌবিয়ো গুরুদেব নচাগী দক্ষিনা কৎচরবনি।

সুভদ্রা হরণ

-:০:-

অহানবা উৎপা

মফম — রৈবত পর্বত।

মতম — নুমিদাংবাইরম।

ফিভম — সত্যভামা, সুভদ্রা অনি রাণী শাই।

সত্য — চংসি সুভদ্রা সুমিৎ থেংলে। কুমৈস্ত লোইরে কৃষ্ণ সখা অর্জুনগা নবুং শ্রীকৃষ্ণগম্ভ তু. দোলাই খোঙনা চংশ্রিবসি। চংসি সুভদ্রা।

সুভদ্রা — ইনম্মা য়ুংগ্রে। সত্যভামা ঐ খোংথাংবা য়াজ্রে। তিংথং য়ুগ্রে।

সত্য — কদাই ঐ থেংগে নখোংদো। কদাইদা য়ুরিবা তিং-থংমোনে? তিংথং থেংনদেনে সুভদ্রা?

সুভদ্রা — কদাইদগী তিংথং উগদগে ইনম্মা তাবা। থম্মোইদা য়ুবা তিংথংনি। মিংনা উগদনা তিংথং নত্তে।

সত্য — ইস নুংশ্রদা অতুদি। কনানা কমদৌনা নংগী থম্মোইদা তিংথং অদু য়ুহলশিবা?

সুভদ্রা — কনানা ওইগনি ইনম্মা। কৃষ্ণ সখা অর্জুনগী নিংতিগী

মিৎচিগী তিংথৎলে, ঐগী পাম্মাইদা য়ুবিবা অসি। থম্মোই পুৰ ঙমদ্রে। খোংথাংবা থোক্তুরে ইনম্মা ভাম্মা। ঐ ৰুমথরে ঐ চৎপা ঙমদরে।

সত্য — অদুবু কেঁক য়াবরা? চৌংথক অসিদা? মুখিৎনা তাশি-লকলবদা ঐখোয় অনিদা কমদোনা লৈগনি, দাওখীনা পার চাবগনি, নবুং কৃষ্ণনা ঐবু চৈরোইজ্রা? নত্তেনা সুভদ্রা চৎসি। অর্জুন অসি নবুং কল্লাংগা শর্মা অমরুবা চেপমিন্নবা লুপকম অমঙদা থামিন্নবা নবুংনি। নবুং ওইনা থল্লু অদুম্বা থক থায়গনু। পাথনা নংবু করিনি হায়গনি। নত্তেদা সুভদ্রা মহ্ন শাগৈ চেম্বা রাকমনি নংগী সি।

সুভদ্রা — ঐনা পিশক পিকলিদৈগী অর্জুন মাগী মগুন তাই। লৌশু তেনস্থ লৈবা গুরু দ্রোণগী অপোইবা শিষ্য অর্জুনবু তাইবং অসিগী অকনবা পুম্নমক্না কিন্নরিবনি হায়নৈ। খোইদোক্ন পাঞ্চাল দেশতা দ্রৌপদীগী স্বয়ম্বরদা ভারতকী নিংথৌ, নিংথৌ মচা লক্কানা ককথদ্রবা লক্ষ্যবু অর্জুন মাত্তনা ককথিবা নত্রা? লাল হৌরকপা নিংথৌ মচা লক্কা লক্কাবু মাইথিবা পিথিবা মহাক্নি। মকমদা নচন সুভদ্রানা পুক্নিং অসিনা বরমাল্য হকচখিবা কুইরবনি। তায়বিম্নু মসিনা করি লানবা। নুপীজা ওইবীগী থম্মোই শিন্নজবগী মতিক চাব অসি অর্জুন নত্তনা কনা ওইকথ থোকপগে। ইবুং ইন্দ্রগী অর্থ সুভদ্রা থংদে। কৃষ্ণ সখা নর-নরায়ন ওইবা অর্জুনদা ঙসি থম্মোই শিন্নজবগা

লোইমনা বর মালা হুক্তগে! মসি থেক্লবা ইনম্মা ভামা মংনা শিনবিয়ু। নক্লবদি ঐ দ্বারকা কোম্বুং চংলরোই, মফম অক্লিদা ঐ শিবগনি।

সত্য - নহাক্কা হায়বিবা ব্রা অসি ওস্তু ক্লা লুথ্রবা বানি সুভদ্রা। অর্জুনসি পাঞ্চালী দ্রৌপদীগী মবু'ছোমি দ্রৌপদীগা মফমদা মংনা লংজক্লবা ওনা থোকলোইদ্রা? নবু কৃষ্ণনা কার হায়গনি। দাওজিনী ঐনা য়াম্ন হেক কিরিবদি। পাণ্ডবকী অর্জুনদা নহাকপু পিশিনসি হেক হংকুবদা মৈ থোকনা শাওগনি, খাঙলবরা? মতুনা ফত্তবা অমুক ওনগনি। দাও-জিনা নহাকপু কুরুগী নিংথৌ দুর্য্যোধনদা খাজনিংবগী বা ঐনা খংই। মচ থবক্তা ও স্তু কথ্রবদি করম তৌবা?

সুভদ্রা — ঐবু মামনা পাণ্ডবকী অর্জুনদা শিনবিয়ু। মফমদা বরমালা কংচগে। ঐগী অশ্ম হলা চপ্লুনা শিংজরকপা রাক্ষস অসি ওসি পাংথোকচগনি। অস্তুক কুইবসি পার্থ মাবু মশক য়ম্না উজদে মওদি অই। নত্রাদা ফওবা শংবাম্নবা কুচু, মথবাক ফনবা চপ্লাং চেংবা নোংশা শবান মানবা, মমিং থেরাও তারাওবা মাঙোন মাকচি জাবা ফজবা মচিনবান চঙাং তঙাংবা, ঙাংখোরকপা রাঙাং রাত্তাদা লুপতক্লা লেমজবা থোঙেক, য়াঙ্গ থৌরোক থৌনা ফজবনা চেঙবা মাইথোং অসিবু তৌগংলকালবনা মহাকপু উজবদা ঐগী থম্মোই নংচবা অসিবু লাল্লবরুমে ইনম্মা? অসিদি মরাকী পাম্বম শমু নাত্তাক মাঙবা অসি

থুকউ মথা হেন্না চোল্লি। মসিনা ভাকলিবদি মতাক লাইগী মচানি, যত্ত নিংঙোল সুভদ্রানা মফমদা, খম্মোই কংচবনা যত্থু শাদৈগী কয়াম ময়েং ভারগদগে? নত্তে হায়বিয়ু ইনম্মা ভামা। সুপীনচা অমনা মপুরোইব খনজ-বদি অমুত্তনি। অসিগুম্বা নিপা অসি খম্মনা কনাবু খল্লগদে'বা।

১ম্ভ্য – ঐনা মতৌ লাল্লি হায়দে। পাণ্ডবকী পার্থ অসি ঐমু পামই ঐগী মওইনিংঙি নংবু পিনিংঙি অতৌবু অত্তক তহা তহানা করম্না খবক অসি পাংগনি সুভদ্রা নংমু মখল্লু নংনা হায়রিবা অসি নবুংগা মুম্না খন্নখিবা ভাই। অহল লম-নশিং ভারুম্বা ভারি! ঐকু নিংখৌ বসুদেবগী নাকোং য়োইহন-খিগনি। মখোয় পুম্নমক্কী মথাখংনা পার্থ অসিদা নংবু চাওনা লুহোং খোংদোংগনি। লাকপ চৎসি, ঐথাক নংগী ব্রাকম অসি নবু শ্রীকৃষ্ণদা ওহৎলগে।

সুভদ্রা – মতৌমু বা য়াম্না চাওল্লে। অতৌম্না ভৌরবদি ঐগী হৌজিক নিংজরিবাসি থুংলোই, শুকওই ওইখোক্লরোই, নত্তে ভামা ঐ চৎলরোই, ঐ মসিদা অম্মুম শিজরগে।

সভ্য – চক্রপানীগী মচন ইবেম্মা নংবু চক্রিথাক্লা ভৌরগমু নত্তে নংনা হায়রিবা অসি করিনো নবুদা ব্রাকম পুম্নমক অসি চায়রগা নংগী নিংলিবা পুম্নমক ইনম্মানা শিনগে হায়কত্তু য়াদবা, ঐবু করি ভৌ থায়রিবনো?

সুভদ্রা – ; ঐনা হায়জরিবদি পার্থ অতৌগী মনাক্তা ঐবু পুরিমু

মকমদা গন্ধৰ্ব বিবাহ তৌবিয়ু। মকমদা ঐবু শিগ্রবিরম্মু অসিগুনি।

সত্য— অচুদি ঐবুনা শিজরো অসিসিনে। পাণ্ডব অহুদা যদুগী অহল লমন কনাগুম্বা খংহনলমদনা ঐনা নহাকপু কোক পিখোকউনদা মতুংদা অহল লমগা খংলক্লবা, দাৱা- জিনা থংলকলবা পোইদোক্লা নংগী দাদা শ্রীকৃষ্ণনা খংলকলবা ঐবু দ্বারকা অসিদা লৈবা য়াখিগদ্রা ? অচুবু পার্থ অচুনা নংবু কোক লেক লৌশিল্লু ওাৰবা করম্না য়াগনি থাজসিবা ?

সুভদ্রা— পুম্নমক ঈনম্মানা ফনবা শিনবিগদবনি। কৃষ্ণ সখা অর্জুনবু ত ইনবিনবা যদুগী অহল লমনশিংবু তাইনবিনবা পুম্নমক ইনম্মাদা ই হাকচরবনি। মসি শিনবিক্রবা ঐহাক কোম্নুংদা চংলাম্লাই চৌংথক অসিদা টতোমন্তা শিজহৌরগে। লেংশিল্লো ইনম্মা ভামা কোম্নুংদা চংবিল্লো। শিনবিরোই হায়রবশু ঐগীদি অসুম শিজহৌরগনি।

সত্য— নংগী পোৎলুম অসি ইনম্মাদা থোন্নগনলে। মসি ঐঙোন্দদি য়াম্না লুপ্না থোকত্রে। অটথো নংগী দাদা শ্রীকৃষ্ণদ ঐ লোম্না অমুক্তদি হৌদোক্লমগেদনা। মতুংদা ঐনা করি থৌশিল শিংবা ভঙ্গু। হায়রবদু য়েংগে। নবুংগী ইন্নিং অমত্তং ফংদনা যদু নিংথৌলম্বা তাংনা লৈগ্ৰবী, বলরাম কৃষ্ণগী মচন সুমীবু পার্থ অহুদা ঐনা হেক শিথোক্লুবা আসি য়াম্না থৌবা ওয়া তাৰনি। ত রবস্থ ভাগাগ। নকুং কৃষ্ণনা ঐ নংগী মিচমদা লৈরবদি এইদবা নত্তবা হাকম:

কয়া লাকলবসু তাকপা ঙমগনি। মহৈৰদা কন্নবা তারক-লবদা ভদ্রার্জুন অনিবু যদুগী অহল লমননা শেংঙোক্লবা লাক্লরকপা মতাংদা ঐখোয়না মাইপাকপা ঙমগনি। অাকুপ চৎলসি।

সুভদ্রা— চৎসি। ইনসু ভামা, য়াঙ্গুনি কমযৌবা দাদা বক্ক হৈনা?

সত্য— ঐনা খোকপা অঙ্গম্বক তৌগে।

অনিশুবা উৎপা

মফম— শ্রীকৃষ্ণগী সঙ্গাই।

ফিভম— অহেংনি, শ্রীকৃষ্ণ, সত্যভমা বান্নী পাম্বি

কৃষ্ণ— অচুপি দুরেন সত্যভামা। সুভদ্রা অহু নংদা খেদা মৌবা ঔষা য়াত্রবনা?

সত্য— যত্ন নিংঙোনবু মীনা তায়বা ঔনত্রা? যধিম খাত্রবা। হৌজিকসু শিনি হায়রি, পার্থদা মাপু শিনবিত্রবদি। অসাই ঐ ওংবোক্লা যাত্রবনি। মলপি কৌবা শুকয়া য়াদে, মথৈদা মখুং কহাইদা হাযবিরগে, য়াকা অমা তাবিসি, মচুংদা মংসু পাথবা শিরগে হায়চুনা ওংহোকা যামা খেনচুনা

লাকখিনরিবনি। হৌজিক অসেবোংদা কর্জুনা লৈরেহৌনি।

কৃষ্ণ— ঐহাক ইন্দ্রগী অর্জুনদা থাদুনা কোক নিংথোকপা ওন [illegible] বা [illegible] অমদা বাথোই ন ওইদি অশুবনা হুংনিদে, পার্থনা সুভদ্রা পিনি হায়বা যাম্বকলোই, মখিন্দা ঐথোয়না কড়ি তৌগি হায়বা ?

সত্য— [illegible]কপিরিবা পুমনক অচুবনি, মোলাম [illegible] অর্জুননা মচনবু থাজনি হ [illegible] যাম্বকলোই, অমরোঝনা সুভদ্রানা শিনি হায়রিবা।

কৃষ্ণ— শিরগা শিজত্রেপনাং। কনাইদা করম তৌনা নিংথই অসি তৌরকলিবা। নত্তেনে সত্যভ মা, মবুং কহ্নাইগা তিম্নরিবা লুকক্ন অমকদা চামিম্নরিবা শর্য্যা অমত্তদা চেপশিন্নরিবনি মংগীগী মপুংঙি মতুম্না হৌনবরো, অম্বুম্না মৈথং/লা অমুক্তা।

সত্য - ভগবান। চামরক [illegible] অহু [illegible]নি, চামরক [illegible] [illegible]। হৌজিক তপ মুংনা [illegible] পার্থ মতমা [illegible] [illegible] [illegible] চবুংতোনা অমা অমা তাকপিন্না লৈরকদি, [illegible] হাৎ-থাস [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

কৃষ্ণ — ঐ [illegible], [illegible] ; ঐনা [illegible] [illegible] [illegible]নি, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কড়ি তৌগদৌরিবনো ? [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

সত্য— পাবোক্‌, কোংবরগে, মতাং মত্বংদা লমাইদু লিয়রবা খুঙিন লৌরাংগি তগন্নবীনি।

কৃষ্ণ— করে চৎলো, মতম মতংদা থোক্লবা পোৎসি পোৎলম শিনবা হায়রবনি। চৎলো, সুভদ্রাবু পুম্বা পার্থদা শিন্‌-নরো।

সত্য— চুম্না শিন্নগদবা নত্তে।

কৃষ্ণ— উম! গন্ধর্ব্ব বিবাহ কৎলমলো। পার্থ অমত্তু ঐগী লমাইদা লৈতে। তৌবিক মহাক চহি ১২ বনবাস থোংচবা লাকলুবনি। অতিথি শালাদা লৈরিবনি।

সত্য— করে ননাই চৎচরে। পুম্নমক কনবা লৌরাং শিনজ-রুহগে।

———

অহুমশুবা উৎপা

নকুল— অতিথি শালা।

সহদেব— মুনিদাং

বিদুর— অতিথি শালামদুংদা অর্জুন লৈরি। থোং মরী লোয়শিনখি। মমাদু পায়া তিঙ্গান, থোং কক, কক থিনবা তাই সত্যতাবরি।

অর্জুন— (মখুংদগী) কনানো? কদ্রি ওইরবনো?

সত্য— (লম্বদগী) খোং হাংদোকউ পার্থ।

অঃ— করিগীনো তাকপিয়ু ইবেম্মা সত্যভামা?

সত্য— অরুবা রা অমা ভাংনগদবা লৈরে, খোং হাংদোকউ।

অঃ— খোংদি হাংদোচররোই। ভাংনগদবা রাকম, তাক-পিগদবা রাবোন পুম্মক হয়েং নোং ভানলগা তাকপিবনা কগনি।

সত্য— নোং ভানলগা নত্তে, হৌজিকনি, অহিং অসিদা। পম্বরম্বু পার্থ, নফমদা শিম্বগদবা পোৎশক অমা পুরকলি, মশি লৌশিনলু।

অঃ— হৌজিকমক ইকমদা শিন্নবিগদবা, নোংভানগদি রাদবা। মতুনা চেম কিজত্রে। খোং হাংজররোই ইবেম্মা, থুনা লেংবিরো অহিং অসিদা অর্জুনগা কৃষ্ণনা চানজবী সত্য-ভামাগা রাঙী শারিবা অসিমক কিটৈজ, উথিবা তাখিবা মাওরগা অর্জুনবু করি লায়খিগনি। শ্রীকৃষ্ণগী নাকোং য়ৌরবদা ঐবু থারিকাদা চংজনবিগত্রা?

সত্য— হায়রিবা অদুগা মসিগা করিমত্তা মরি লৈনদে পার্থ। মুনা থমনিংঙাই নত্তে। কনানা কয়িস্ন হাররোই। খোং-ভা হাংদোকউ উরগা থংগনি। মপান্দা ঐখোয়বু অম্মুম্মা কুইনা লৈহনগনু। থম্মোইগা থম্মোইগা শিন্নগদবা রাকম অমা লৈ। শিরকপদবী অত্তু ঐনা পুরকলি, খোং হাং-দোকউ।

অঃ— ইবেমা সত্যভামা! ঐহু ওকহনবিয়ু। ঐ হায়াক কিরকনে। মা অচু কন্নিনো হায়বা ঐ থংজদে লৌবিগে। পুক্নিংগী অমুক।

সত্য— মা অচ ইবাহৈ লাইবা থংগনি। ওমাগী মরুংগী কৃষ্ণনা চংবিবা অদুনি ঐনা পুরকলিবসি।

অঃ— বিষ্ণু বিষ্ণু, হায়রিবিরিবা অচু করিনো? মহাক অদুনি ঐগীদু ইচলনি। ইচলগী মথক্তা ঐদি করিগুম লৈজদে। যোগ্য ফংবদি ফংগে। মতু ঐগী তোংজানবা অমদি অপুই, মদুগা ইচল অমনি তায়না লোৎলে। চৌবিকটুগী মতুংদা লৈজরি। রাকস অহুম তৌবরদি হায়কপিবা থংনা মায়-কিনিদনা, থম্মোইগা থম্মোইগী মামী অমি অনিদা তেন-খিবনসি।

সত্য— অদুদি থোং অমি মখাংলরোইদনা পার্থ। চৎলি সুভদ্রা।

সুভদ্রা— চৎলোই। (পেচৌ পেচৌমবা মখংদা হায়বা)

সত্য— করমনো তৌরিবসে। পার্থ তাবেদনা থোং কাংলোকই।

অঃ— লৌবিগে— অচিং অনিদা অর্জুননা লক্ক অমা হায়-দুনমু থোং কাংজরোই, ঐ খোজিনি, অর্জুননি।

সত্য— ইস— অখেম্প্রেমা পঞ্চালী দ্রৌপদীগী মথৈ অনিদি— অম-হংবাই অনিংবিদনা, পা গুব মতাংদু মামী দ্রৌপদী লিপুনা পুরিবসি।

অঃ— ইবেম্মা; ইবেম্মাদিনা, পাঞ্চালীদা মহে, করিগী মাদু পনবিবিবনো?

সত্য:- ঐনা কেদৌৰবা পার্থ?

অঃ- শ্রীকৃষ্ণগী লৈমা ১৬১০৮ নি। পাটৰাণী মপান অদুগী মধুংদ রুকমনি, সত্যভামানা অখোইবনি। নপ্তেনে ইবেম্মা রুকমনিনা পারিজাৎ পরেং অমত্তং শিরুবা অদুগী খীহৌনবদা। শ্রীকৃষ্ণবু পুমনাও ভাওহনখিবা। সোরারেনবু লাননা মাইথিবা পিহনখিবা অম্রাপুৰদগী পরিজাৎ পাম্বী ফুকক্না ইবেম্মাগী সঙ্গাই মমাংদা থাহন-খিবা অদুদগীসু হেন্দোক্লনা পারিজাৎ পাম্বীদা পুন্নগা নবুংঙো কৃষ্ণবু নারদনা দান তৌথোকখিবা দ্বারিক বা-থোক ওইহনখিবা অদু ইবেম্মা সত্যভামা নত্রা? মদুগী মতু মত্র অদু ইবেম্মনা কদাইদগী তশীক্লবগে। যাদু লৈবা অসিবু পাক্কনী, সত্যভামা অনি অসি কনানা হেনবগে: অঙক য়াম্বা লৈমশিংবু পিৎচিনা য়েংঙনিত্রবা মনাক্তা শ্রীকৃষ্ণনা তুংলিবা মত্র অসি নমাই দ্রৌপদীদি লৈরমগনি থাজদে। লেংবিরে কাম্নদে লেংবিরো—। থোং পোক্নোন অমা অমুক হাপচিনজরে। (থোং পোক্রোন হাপচিনখিবগী মথোল তাই)

সত্য - (ইশিশিনা নোকই) থোং হায়দোক্লবা ওমগনিদনা পার্থ চৎলি ভদ্র, কাংদেবগী গুপী রতিগীদা। য়েংগে কদাই কাওবা নিপা লমিংনী মতিক মঙ্গল।

সুভদ্রা- ইনম্মা ভামা (পেক্তো পেক্তো চায়বা)

সত্য - অদুম্মা পেংগৌ পেংহৌবনা কাম্নরোই। লাকও চৎলি কাংদেবগী রতিগীদা।

(অনিমক চংথ)

মরিশুবা উৎপা

মফম— রতিগী মযুম

মতম— নুমিদাং।

ফিগুম— সত্যভামা, রতি হায়রি শা'ব।

রতি— তোকপিদিবা অসিবু করিনো, ইনেম ইবেম্মা?

সত্য— পার্থ অকুনা খোং হাংউ হায়বা গন্নাখিব্রে। ঐনা তমলিবনু'ন, মথাক থম্মোই য়াম্না কনখ্রে।

রতি— অদুদি ইদোম ইবেম্মা ভদ্র বু পার্থ অদুনা লাইনা থনখ্রেদনা। নমাই ঐ লৈজরি। পার্থ মথাক্না করি মতিক লৈদ্রনা খোং হাংদোক্কবা তমদোবা।

সত্য— করম্না হায়রু, অদুগীনি ঐখোয়না মনাক্তা চেপ্পকলিবসি।

রতি— মীওইবা পার্থ মহাক্তি থম্মু থমবিখো। লাই পুরমকগী অপোইবা সদাশিব মহাদেব ফাওবা রতি ঐগী কাম শিন্দুর ফৌটা উবদা তাওদ্রনা দুর্গাগী মথোং কোন্নুনা ভুখিবনি। মনাইনা ইন্দোন ইবেম্মা সুভদ্রাগী লাইবক্তা কামশিন্দুর মমুগা লোইননা নমজগনি মদুদা পাণ্ডবকী অর্জুন অহু তাবদুনা ইন্দোন ইবেম্মা সুভদ্রাগী মথোং কোন্নুনা তুজগনি।

সত্য— মতুদা ওইরবদি পেলে। থুংগনিদনা সত্যভামাগী গুন চপ চানা, লাক্লপে পাণ্ডবকী পার্থ অহু। অহবুনে মাঙা লুরবা রাকস অমা লৈরেনে রতি।

রতি— কারি অরুব থাকখনো চংনেম ইবেম্মা ?

সত্য— পার্থ অহনা থোং হাংদোকখি হায়বা সুকরা মাখিত্র-বনিনে। মাসিদু নংগী কামশিম্দুরগী মগুনসি করি ওই-গদৌরিবা ?

রতি— মহাকী করি মত্তা বাবিগনু। অতিথি শাল্লাগী ইচম চম্বা উবাক থোং অহুদি লাইবু লাইরি, য়োংকা থোংজাও ওইখ্রে—য়োংকা পোরোল লোনজনবু পোরোল ভবেৎস্ব থাসত্র রতি ঐগী কাপাটভেদ মরুনা কোক্রে ক্রাক, থোংদে হেক্তা হাংদোকখিনি মরামনাই।

সত্য— চংনেম পোম্রা, তাবা সুংভাই। মত্র অহুদি ইনেম হৈবে কমদৌবা। নংবু ইনেমদা ভক্তীগত্রা ?

রতি— মহুদি অসুম তৌবনা। ইনেম ইবেম্মাগী য়েং থংবা খুদোংশীদা নবোনা মত্র অসি শোকখ্রনি। থোং অহুদা কিং নম্বীরু। মত্র শোনবা খুদোংশী অহনা। থোংগী পৌরোল কেমুনা মরামনাই হেক্তা হাংদোকখ্রগনি।

সুভদ্রা— থাং পাইহনা চোংশিনখ্রবদি। রতি নংবু ঐখোয়না কমদৌবা ?

রতি— ইপোম ইবেমগী শান্তবক্তা নঙলিবা কামশিম্দুর অহু হেক উবদা মথুত্তগী থাং মবরাই থাকথিপনি। করি হায়রি, য্যাম্ম নূপক্রবা ত্রিশুলী, মথুত্তগী ত্রিশুল তাথবরনা তারা-মীগী মথোংদা ওনথিরদনি। শোঁহয়োই থোরেন পার্থ অহু ইপোম ইবেম্মাগী থোংদা থয়ো থবো ওনশদবনি।

সত্য— ওনসংং, লৌথংলাই, কোনথংলোই, মানা ভসাই চাওখিবগী মক্তিক চপ চানা সত্যভামা ঐনা লাকপনি। নংবু লমন শিংলোইদ্রনে ভদ্রা?

সুভদ্রা— করম্ব লমন শিংউ হায়রিবনোনে?

সত্য— পার্থ অহুনা নখোংদা চুরবদ শাওশিন্নবা, লাওশিন্নবা মতুংদা সত্যভামানা মপান খোকপা। পার্থদো ডাইহাক্তি ক্রিং ক্রিং, চোংচনগদবনি। প্রেম কাংবসিদি ওইন ওচনরুপা মশক পান বা কেনবনি। অদুবৈ ব্রজদ নংবু কৃষ্ণ খোয়রুম্বু, রাধাগী মানদা দেহী পদ পল্লব মুদরম' য়োম্রিবনি।

(মযাম নে কই)

রতি— চনেম ইবেম্মা চাংশুম্মদনা থবদি লাক্রবনা চুংই।

সত্য— সে রতি, কামদেবগী কামসিন্দুর নম্বোম ইবেম্মা সুভদ্রাদা নদীম্ন সে, ঐগী য়েং থংবা খুদোম্বী অফিনা নংগী কপটভেদ মন্ত্র শোয়র।

রতি— ওঁ কামদেবায়, কাম ভদ্রায়, শীঘ্রং ওঁ—শুক্লবনে কারবনে পুম্নবনি লেংফদে ও শুঃ শুঃ শুঃ। সে সিন্দুর অসি নমজরগে। চনে চবেম্মাগী য়েং থংবা খুদোম্বী অহু অমুক্তা তিংখোকপিরকউ।

সুভদ্রা— সে সে (খুদোম্বী তিংলোকই)

রতি— ওঁ ফং কপটভেদ ওলো বীয়তি ত্তৌ সেপাক কাইয় ফং ভাও—শুঃ শুঃ শুঃ মারুগনি ইনেহ ইবেম্ম লেংবিয়ো।

সত্য— হন্দকীসে মঙল ওইরবদি সত্য চাক হাওনা কৌপনি হাই রতি নং। লাকলো ভদ্র।

মঙাঙবা উৎপা

মফম — অতিথী শালা

সত্যভামা — ধনঞ্জয়। থোং হাংদোকউ হায়বা অসি ময়াত্রেদনা ?

অর্জ্জুন — ইবেম্মা সত্যভামা নত্রা? কারগীনো অমুক লেংখিব-রকইবসিবো ? ঙসিগীসি ঐদি ইচক ঙকচরে।

সত্য — ঙক্কম্নু, থোং হাংদোকউ। নিংথিনা হায়রিঙৈ অসিদা লেক্ত। হাংদোকউ। থোং হাংদোক্নবা য়ারোই।

অর্জ্জুন — করম্না ইবেম্মায়াইগ ?

সত্য — থোংনা মতোমক্ত হাংদোকচগে হায়রবনি। ধনঞ্জয় নংনা হাংদবা য়াররোহদোবা।

অর্জ্জুন — অদুদি ননাই হাংদোকচররোই।

সত্য — নিপা থোক্লবদি হাংগনু। ইসঃ শুঃ শেৎ কাইরো লেপাক কাইরো। (থোং গে হাংদোকপগী থোকেল তাহ) চাউ হায় ভদ্র।

অর্জ্জুন — ইয়া (থাং শৎলি থোকেল থোক্না সুভদ্রাগী নিংথিরবী শককমদু উবদা ঙকই মথক্তগী থাং তাথি) নিংথিরবী ঐ লাললে। ঐবু ঙাকপিয়ু। (সুভদ্রাগী মখুং পাইরুই

সুভদ্রা — ইনম্মা ইনম্মায়াইমা (লাওশিনৈ পাগৎলনৈ মনম্মা সত্যভামাবু কৌই)

সত্য — কৈদোরে হায় ভদ্রা ?

সুভদ্রা — লমবোইবা অসিনা ঐগী খুৎ পাইখরে।

সত্য— করিগীনো ধনঞ্জয় ভসাইমখৈ খোং হাংভু হায়বদি ময়াগা, কারণা উপিংত্রবা মতৌনো ? ঐনা কৃষ্ণদা তাকনি, দাওজিদা তাকনি, যাদবার সুভদ্রাদা নংনা উপিংত্রিবসি। ঐ মাওরিবসি নং খংত্রা ?

অর্জ্জুন— তাকপিপগনি ইবেম্মা মাইবা। ঐনা লাল্লে, ঐ তাওরে যাদবীর সুভদ্রেগ নিংখিবী লকম উবদা ঐ পুমনম শুক্কাখরে। নিংখবী লকমগী, ফানয়াই পুনয়াই অসিদগী অর্জ্জুন নাম্মোকপা ভয়রোই। হে দেবি, সত্যভামা নংদি শ্রীকৃষ্ণগী খরাই ধমকথনি নমক্তা চংকরি। অর্জ্জুনগী খম্মোই খুমা পানখিবা কামগী তেল আস লংত্তোকপিয়ু। ঐবু অমুক্তা কনবিয়ু।

সত্য— করিনো ? হায়রিবদো অভাওবা। নং ভসাইদি সাধুনি হায়বদাই লম্মোইবা তীর্থ যাত্রিকনি হায়বদাই। হায়বদাই-নে নচলগুম নিংলে হায়না। কৌপিঙ্কা কদাই, পুম্নমকত্তো তৌশিন্নব, লাশিন্নবা চোইরোল ভাক্তা ওইরবা। ঐ খাকদে নং মীনমানি, অসাধুনি। মীনম্বা তাং তৈবা নিপা অমদা রামকৃষ্ণগী অমত্তা ডাইজবী মচন পিবা ভয়োই

অর্জ্জুন— পুম্নমক অদু অচুম্বনি ! ঐনা খল্লুই নিংখিজবী সুভদ্রা উত্রিউদা। ঐগী সত্য বত্র পুম্নমক অদু চাংগুম্না রাংলম্মী। খম্মোইবা অচেৎপা বাশক্না পুল্লম্মী। অদুনা ঐনা খোং হাংশিদে। কৌপিক করম্না খোং হাংখিবা। করবা মায়াবীগী আকর্ষণ মম্না। ঐগী খম্মোইবু চিংখিবা ঐ ক্যরিমত্তা হায়বা

থমোং ঐনা অমত্তা লায়বক্তু, ঐ লালদে ঐবু সুংশিন্নিত্তু চানবিত্তু, তত্তাবু ইকায়খুম্না লিংখত্তবিয়ু অসিদনি।

সত্য— (হাঁসি শিনা নোকই) থেদনা অর্জ্জুন সত্যভাগী ইতিক, নংনা য়েংকী খোঙনা পোইরোল লোনবৌ। পোইরোল তরেং। কপটিভেদ মদুবা পোইরোল তশিনবনি। কৌজিক তাক্কে পোইরোল। দ্রৌপদীগী শুক্ষয়াহগী মন্ত্রী লাঙ্গোই-গুংদা লৈক্রবনা নংনা থাং পাইবা নত্তেদো কৌজিক। য়াম্রে দন্না থাংজনা, কৌজিক য়েংশি। তত্রাগা কান শিন্দুর-দা নং কৌজিক কাম্বুক ওইরে ঐ থংলে, অমত্তরে নং। লৈরোল লৈকাইরগনু, নরোল শেংউ, করিনা নংগী অপাম্বা ? মচুগীদমক সত্যভামা ঐ লাক্লিবনি।

অর্জ্জুন— করি অমুক হাত্নকম লৈবগে ইবেম্ম তামা। ঐবু তাকপিগনি। ঐ থাঙ্গৎশোংনা শেখাৎক্রবনি। তাংগ্রে কনা ভিনা, থাং খাওবা শংগ্রেদনা।

সত্য— হঃ হাঃ হাঃ (নোকই) কৌজিক্কা — ?

অর্জ্জুন— কৌজিক্ক মচন ইবেম্মা সুভদ্রাবু অর্জ্জুনগী প্রেমগী ভিক্ষ বুলিদা হাজিরো পুন্সিগী, পুন্সি অসিমগী অদুম্মক লোইনশিনগে।

সত্য— দ্রৌপদীবু কিত্রবা ?

অর্জ্জুন— থংমাইদা পুম্মক থজবনি। ঐনা কনাবুস্ত কিত্রে।

সত্য— তত্তা।

সুভদ্রা— ইনশ্মা। ঐগী খুৱাদগী তিঞ্চ অসি ঙসাই শংজোক- পিদ্রু হায়খিবদো। শংপিদ্ৰ তৌজিক ফাওৱ

সত্য— খ'ংলে, ধনঞ্জয়, সে নকমদা ভদ্ৰা পিয়ৱৰনি। অদুবু মা অসি তুম্নপি নৱ'ঙো' কৃষ্ণনা তুপকদবনি। ঐ অমুক্তা চেম্নখিগে। থুনা হল্লকনি। চৎলে। (চৎখিবা)

অর্জ্জুন— কম্যে, অদুৱ ভইনৱি।

সুভদ্রা— অদুক চাওখোক্লবদবুদি। তুমৰ নত্তেনে, খা'ং ফাওৱা হেক পাইবনি।

অর্জ্জুন— যাদৱী, মখোৱ যাদৱ চপ্পু'স পাওয়োল থাবা তৈত্রে। লাত্রে ক'ম্বয়েদনা, নত্তে— নহানমথৈ কদাইদা তৈলক্লবগে।

সুভদ্রা— ঐদি অদুগ তৈনমা কদাইদগু চৎত্তে।

অর্জ্জুন— অতুদি ঐন' দ্বারিকাদা লাকপদা অমুক্তমু উদে, ঙসাই চীংখক্তগী শ্রীকৃষ্ণগা লোইমনা হল্লমদাঢদা ইবেম্মা। ভাবাগা তৈংলোবা উখি যেংলমই, হংদি শ্রীকৃষ্ণনা মাগি খুমকই। খঙ্গোইদদি ফাওখি, ফু, লাওনা মথা তাকম থংদনা ঐগী বাহু লোংশিল্লে ঙসাইথৈ ঐ অদুম থন্দুনা তৈরম্মীবনি।

সুভদ্রা— (নোকই) খল্লস্মিবা। খোংদি হা'দোক্তৰা।

অর্জ্জুন— হাংদোকলেদদা তৌজিক। খঙ্গোইগী চৎলবা খোং- জাও ফাওবা হাংদোক্লবসিনি।

সুভদ্রা— মতুমা কদাই ফাওবা ঐবু থাজৌ হায়খিবা।

অর্জ্জুন— তৌজিককাওবা পাওয়োল থাবদি সুকলোই হেক

[illegible]বরুনি। দ্বারিকাদগী [illegible] লৈবাকনি, [illegible] [illegible] শো শানা লৈরা। অদুগী [illegible] মথুং [illegible] শ্রীকৃষ্ণ। অহিং অসিদা ইকৈশা [illegible] থোং [illegible] তাকলি। [illegible] এনা [illegible] থোং চাংপদোক্লিবনে? [illegible] নত্তে, ঐহাক করিনো পুক্ননিং হায়বগদা থোক্লি হাংদোককনি [illegible]। হায়বুনে করবী, অহিং অসিদা এনা [illegible] [illegible] হাংগনি? সেমদোকপা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মরোল, শৌগিবী যাদবী নংবু খংশিন্নবা?

সুভদ্রা— খংজরে পাথ, কৌরক্লি [illegible] হাংদোকনু।

অর্জুন— চুপগী থো হাংহ নত্তে। [illegible] [illegible] কাও-দোকপা থোংশাংনি অসিদি। [illegible] [illegible] ভদ্রা।

সুভদ্রা— অদুং [illegible]?

অর্জুন— সেমদোকলা লোয়িবা থোংবু হাংদোকলা [illegible] [illegible]-দে [illegible]। চিত্রাঙ্গদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]-রকপা [illegible]। [illegible] [illegible] অসিদি।

সুভদ্রা— [illegible] [illegible] [illegible] লৈরিবা?

অর্জুন— করিনো?

সুভদ্রা— [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

অর্জুন— [illegible] [illegible], [illegible] লোয়িবা [illegible] [illegible] [illegible], করবী নংবু উবদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মুক্তা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]-র [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৈরিবে, [illegible] [illegible]?

সুভদ্রা— নংচা়েদ্দা। পক্লোইদ্রা থঙ্গোইগা লিরাগ্দে লাক্চম্লি, অতুগী উদম্বা তাইরবা তরুরুবা। ইকাই ইকি শুমমক হন্দোকচনন থাং চারমন্দোই।

(নোংকাথিরে। তাঙা অঁসদা সত্যভামা চংলক্‌ই)

সত্য— নে কথিন্থু! রাসি লুরে।

অর্জ্জুন— কমদৌথিরবা?

সত্য— ময় মুং বলরাম য়োদবা রাম্মোইদৌরি হায়। ঙসুনা হৌজিক নোং লেক তানবগা তারগনি।

অর্জ্জুন— রাত্রবদি?

সত্য— রাত্রগনা মতুং থৌলিল অমা শাবেদনা। হৌজিকমক তারকরনি হায়বৌর্নি। চৎসি ভদ্রা।

অর্জ্জুন— কাইদনবা লিনবিরকনি নিংজৈ।

সত্য— কৈদৌনবা কাইকরুদগে; সত্যভামানা লিলবগো। (চৎখি)



তরুকশুবা উৎপা

ফকর— বলরামগী সঙ্গাই।

কিভম— কৃষ্ণ বলরাম রাগী শারম্মী।

বলরাম— ঐ থানিংদে কাহ্নাই। পাণ্ডবকী অর্জ্জুনদা ঐগী ইচল সুভদ্রা পিনিংদে।

কৃষ্ণ— লৌশু হৈবা মধ্যম পাণ্ডব অর্জ্জুন ক্ষেত্রিয় কুগী অভাংব-নিবা। দ্রৌপদীগী লক্ষ্য স্বয়ম্বরদ নিংথৌ লক্ষা অমা মাইথিবা পীবা ঙমখিবা নিপা না। মহাক অকনবনি। লৌশু হৈবনি।

বলরাম— হৌনা ওকসনু। মহাক নিংথৌ সুকপুই ওইরোই। ইচল্ম কুরুগী নংথৌ দুর্যোধন্দা পীগনি। মহাক্কনি সুভদ্রাগী মপিকচাবা বয়। থবক অসি থিরোই ঙসি ভরানি হেক শুবদা সুভদ্রা কুরু নিংথৌ দুর্যোধনগা লুহোংগনি। ঐ চৌফিকনক চিঠি হপান। দুর্যোধনবু কৌগনি।

কৃষ্ণ— দাওজি।

বলরাম— প্রাণ কৃষ্ণ ঐ ওন্দক্ত সমদি যারোইকো নরৈমু। ইবুংঙো নংনা হেক চায়বা খুদিংদ। ইয়াম্বনা যারকভবা লৈত্রিবনি। ওন্দকৌশিমদি ইয়াম্বনা খেক্কৰ প।

কৃষ্ণ— দাওজি! ননাওনা কার অমুক হনকচগদগে? দাওজিনা নিংবা তৌবিরো।



অরেগুবা উৎপা

মফম— অতিথি শালা।

ফিভম— কৃষ্ণ অর্জ্জুন য়ারী শাই।

কৃষ্ণ— ইভাও অর্জ্জুন, য়াকম অসি দাউজিনা শুকয়া য়াবে। অসি ভগ্নালি শুবা সুমিৎতা কুরুনিংথৌ দুর্য্যোধনগা লোইননা ভয়াবু লুপোংগনি হায়বসি দাউজিনা লেপরে। অদুনা দুর্য্যোধনবু কৌনবা চিঠি থারে।

অর্জ্জুন— অহৃদি ভগবান ননাইবু কয়ি তৌজৌ হায়বা?

কৃষ্ণ— কয়ম তৌবা হায়ববু ইভাও, নংগী দাদা মহারাজ যুধিষ্ঠিরদা চিঠী থাখো। ঐনা শগোল তোংবা থাহোক্ত অদা পিগনি।

অর্জ্জুন— মরোলদি?

কৃষ্ণ— মরোল হায়ববু দাদা মহারাজনচিংবা লেংবিরকদবনি মতম অর্জ্জুন গন্ধর্ব্ব বিবাহ তৌবা সুমিৎ মচানি শুরে। হায়রিবা সুমিৎ ভগ্নানি ভবা সুমিৎ অসিদা বহা বিবাহ তৌগনি, ইয়ু।

অর্জ্জুন— ইবগে। মথাদি কয়ি তৌবা ভাবা ভগবান?

কৃষ্ণ— কবিয়ু মত্তে ঐখোয়না তৌগদবনি। লুহোংগদবা সুমিৎ অদুদা ভত্রানা মভাশিংগা লোইননা ঈকনবিবা ভরবাবু ঐগী গরুড়ধ্বজদা হাপ্তনা পুখো। তৌরদি সুমিৎ অমুক ভত্রাদা শা ভানবা চংকনি হায়দুনা য়াকপু

শাখৌহন্দুনা ঐগী গরুড়ধ্বজ কৌবা দোলাইসি পুদুনা চৎখো।

অর্জুন— লাননফম অদদি শোরুবা তারেদনা?

কৃষ্ণ— করগদি তৌনি। চুপী হুরানবনি। খুৎলাই থোক্নদবা য়ারিবরদো। চেংকশিল্লু ইত্তাও। দ্বারিকাগী পাখংশিং অসে মনে হুপ্রে হায়বদা ঈ কাইদোরিবনি।

(কৃষ্ণ অর্জুন পুন্না নোকমিননৈ।)

নিপালশুবা উৎপা।

মকম— লম্বী, দ্বারিকা তাবা।

ফিভম— ভীম অমদি দুর্য্যোধন লম্বীদা উরৈ য়ারী শান্নৈ।

দুর্য্যো— য়াইমা, ঐদি বার্তানবু তোহোদ্রে। দাদা মহারাজ-নচিংবা লাকপিরিবসে ফরেদা।

ভীম— করিগী বার্তান ওইরবনো দাদা মহারাজ। ঐখোয়গু বার্তান কৎহোদ্রবনিনে দাদা মহারাজদা।

দুর্য্যো— করিগী বার্তাননোমে য়াইমা।

ভীম— ঐগী ইনাও বীহারিহু লুহোংগদৌরিয়ে অা দ্বারিকাদা।

দুর্য্যো— কনানো বিহারী হায়বদো ?

ভীম— আঃ কনা ওইগদগে, বোনো বিহারী অর্জ্জুনবুনিদা I মানা বন চৎকনি হায়দুনা কোইথ্রগা বনলোমদদি চত্তুনা দ্বারিকারোমদা হায়জিন্দুনা শ্রীকৃষ্ণগী মচল ওপী সুভদ্রাগা লুহোংগনি হায়নে লাকদবা পুর্ণিমাসিদা।

দুর্য্যো— ইঃ শোইত্রবরা য়াইমা ?

ভীম— পুর্ণিমা সুমিৎ অসিদা লুহোংগনি চায়বগী রাতনি। শ্রীকৃষ্ণনা মচল ইবেম্মা সুভদ্রা গন্ধর্ব বিবাহদা লোয়্না লুহোংবদি কুইরবনি।

দুর্য্যো— অদুগী চৎলিবরা ?

ভীম— অহোয় I চুম্নদা চৎপা নত্তে ঐগা চপ মান্নবা নিপা চনি গদা পাইদুনা লাকলিবসিনি। লমহেন ভুহেনবা য়াওরকপস্তু থরা ফুথরগে হায়দুনা I

দুর্য্যো— ইঃ য়াইমা I

ভীম— নত্তে দাদা মহারাজবু বরগী ফিজোলসু থোলি কদো-মদনো ?

দুর্য্যো— ঐসু দ্বারিকাদনিনে। বলদেবজিউনা ঐঙোন্দা সুভদ্রা পিগনি। লাকদোরিবা পুর্ণিমা সুমিৎ অসিদা লুহোংগনি হায়দুনা কৌরিবনি।

ভীম - (ফাক ফাক নোক্লদুনা) ওইরয়োই দাদা মহারাজ লেংবিরুরসু, থরা হানজয়য়ুগে I চৎসি লাকও। জয় পাণ্ডব অর্জ্জুনগী জয়, পাণ্ডবকী জয়।

(চৎখি, যল্লগী খোজেলনা ইনিন নিননা)

দুর্য্যো— করিনো হায়রমলিবসিবো মাম', অঙাওবা ভীম অসিনা।

শকুনি— মহারাজ। অঙাওবসিগী রা অসিবু রা ওইনা তৌশিল্লে।

দুর্য্যো— ঐগী পুক্নিংদদি য়াম্না চিংনৈ মামা। কৃষ্ণ অর্জ্জুন চায়জবা মপূ মনাইনি। অর্জ্জুনগী মিচংদা কৃষ্ণনা তোংলমগনি, শিন্নরমগনি। অঙাওবা ভীমগী মরা অসে ঐদি অকিবা অমা পোকই মামা। নত্তে চৎলগুম্সিরা মামা।

শকুনি— করি রানোদা কুরুপতি। বলদেবাজউগী খুৎমক্না ইরকপা চিঠিনি করম্না শোক্টগদবা। চৎতবা য়াদে লেংলসি। পাণ্ডবকী খুৎমা কাম্না দ্বারিকা থুংহনবা য়াদে।

দুর্য্যো— কয়াদা মথোং চাখিদ্রবা ব্যবহার লৈখিদ্রবা ভীমনো? মাগা শক্তাচুপা চপ মান্নবা নিপা চনি অসিনা কদাইদগী পীক্নরিবা। কিশিশেৎতুনা মরেংবান্দা গদা থোংগৎতুনা পরেং চানা চৎখিবসি কিবু কি। নত্তে মামা তোক্লসি দ্বারিকাদা লাগ তাম্নহনা তোক্লনি।

শকুনি— লাল তৌরগা তৌরেদনা। ঐখোয়রোমগীস্ত বৈকর্ত্তন কর্ণনচিংবা অকনবা কয়া য়াওরি। য়ান্নবা তারেদনা। কৃষ্ণ বলরাম অনি মীচং শঙ্গন নাইন্দুনা লাকপাক লাকপাক তানবা রাফমনি। লাল তানররস্ত মচিন মনাও অনি তানজগদবান। কুরু পাণ্ডব খৎনগদবা নত্তে। লেংকুম লেংলসি মহারাজ।

ময়াম— জয় কুরুপতি দুর্য্যোধনগী জয় ২। (লাম্মী ময়াম চৎখি লাও লাওদুনা)

মাপনশুবা উৎপা।

অহুম— দ্বারিকা বলরামগী য়ুম।

নিভম— বসুদেব মথংস্তা শাওনা তাংজনা লৈ।

বলরাম— উশিংগ্রিক্রেদা, পাণ্ডবকী অর্জুন, ঐবু উশিংতজনা যাদব শাগৈবু উশিংতজনা ওসি লুহোংগদৌরিবা ইচলবু অর্জ্জুন মানা হুদুনা পুশিনবনি। পাণ্ডবকী অর্জ্জুন মাগী মথু ই লৌগনি হন্দক্তি। ঐনা তম্বনা হায়রিবনি ঐগী ইনাও কৃষ্ণনা। মরৌ চাওবা পাণ্ডবনি, অর্জ্জুনগা ডিমগনু। যাদবনি, য়াদবা। মখুংগা ডিঙরগা মচলদা নত্তবা গিৎ-মোনা লৈংবা মচলশুম্বা থম্বা। সিকআঃ, ওসি লুহোং-গদবরো লুহোংগদবা বরম্ব মীতোপ লম্বব। ময়াম্বুং কুরু নিংথৌ দুর্য্যোধন। তুকচৈ, হৌজিক্তি ঐনা হায়বা বাফমজনা তারেদে। হন্দক্তি অর্জ্জুন হাংকনি। ঐগী ইনাওদা নত্তে অর্জ্জুনবু লুনা তৌরিবা মচুগী মঙল-লমম পুম্বনি। পাবুং বসুদেব, ইবুধৌ উগ্রসেন ওম্বোক্তা মথরাই তাঙ্গব্রা অর্জ্জুনবু। হৌজিক্তি কৈ ওলেদনা।

(মতম অসিদা কৃষ্ণ চংলকই)

কন্নাই চংলকউ, নপু মনাই লৌতুনহুনা ঐবু চোপহল-লিবা কব্রিগনো? অর্জ্জুননা সুভদ্রা পুশিলবা দোলাই অসি কনাগী দোলাইনো?

কৃষ্ণ— ঐগী গরুড়ধ্বজ দোলাই পুথি। দারুকনা খোংখিবনি।

বলরাম— নচল হুরান্নবা অর্জ্জুনদা দোলাই পিদুনা থাদোক্খিবা ?

কৃষ্ণ— ঐথেন্দা মতুদি হায়রগদে। লৌনম্বা অর্জ্জুন, কয়াদা লৌনম চাওখ্রবা, পাদানবা চৎকনি হায়রম্মনি ঐথোন্দদি। কৃষ্ণ ঐবু উদিংথবা থংগনি মহাক।

বল— লৌনম তৌগনু প্রান কৃষ্ণ। করগী পাথোবগা কোরনা দোলাই পিথোকখ্রিবনো ?

কৃষ্ণ— মতুগী বারেবিগনু দউজি। ঐনসু হস্তিনাপদা চৎলগা মহাক্কী মায়ারথ পুদুনা পাদানবা অতুম মচৎলি। অতুগী রাখলদা ঐনা হৈচম চম্না ঐগী দোলাই পিখিবনি।

বল— হৌজিক করম তৌগনি ? বুরুপতিদি লায়রগনি।

কৃষ্ণ— থংদ্রে, নংগী ওসু হায়রম থংদে। ওস্তোকপা মাপক্কা তিন্নরুবা হায়বত্রু তারে।

বল— হৌজিক্কা থংনকাদনা। ঐদি নহালনা হায়রবনি, লৌনম চাওবা পাণ্ডবনি। থোইদোক্পা অর্জ্জুন মহাক লৌনম চাওবনি। অতুবু হৈতাও হায়দুনা হিকম কাওবা হেক তিন্নবা, চারে হেক চামিন্নবা। চায়রো, ওস্তোক্কা চায়রো। হৌজিক্কি হু কারেদনা ? (মপান্দগী মরাম লাংনরকপা মখোল তাই লাপথোক্লবগী, লাওনরকই মীয়াম অমগা অংগা)

মন্নাম — চেল্লো, চেল্লো, অর্জুনগা মাইয়োক্নরুবগনু শিবা. তারে চেল্লো।

(মতম অসিদা কামদেব চেনশিনলকই)

বল— করি তৌরে কামদেব ?

কাম— অর্জুনগা মাইয়োক্নবা ঙমদ্রে ইপন ইবুংঙো। গদ, শাম্বা, চক্রদেস্নচিবা ঐখোয় পুন্নমক ইনেক্তোনবু লাকচখি হায়দুনা যদু সেনা অক্ষৌহিনি অমগা লোইননা অর্জুনবু তান্নবনি। অর্জুনসু চেন্দনা লাম্বা পাই, মাইয়োকনৈ ঐখোয়গা। পার্থহনা সুংশিন্দুনা ঐখোয়বু হাংপিদবনি, কৃষ্ণগী, মশিংনি হায়দুনা। অচুকপা থুংকাপনি পার্থ অদুগী থুংকাপ। আকাশতা মাগী তেনতনা ফুনবনি ঐখোয়না কাপ্পা তেন অমতা মঙোন্দা পানবা ঙমদে। ককথংশিন, করম্না ককপনো খংদে। থুগ্রে, যাংগ্রে, করম্বা তেনকাপনো খঙদে। থাংবা ঙমদহুনা চেল্লকলবনি করম তৌজো হায়বগে ?

বল — ঐ থোক্কনি, অর্জুন হাংকনি। কনা নৈ, ঐগী লাঙ্গোল পুরকউ। চংশি কৃষ্ণ, খোক্লসি অর্জুন হাংসি।

কৃষ্ণ— হাংকনি অর্জুন ঙসি। ঐগী সুদর্শন চক্রনা মাবু কক্কনি মতুপ মতুপ। মী উশিন্তবা।

বল— নক্তেসে কামদেব। দারুক হায়বা ইকাই খংদবহুনা হৌজিক ফাওব দোলাই খোংহৌরিবরা" হৌজিক ফাওবা অর্জুনগী।

কাম— থোদে। দোলাই চৈখোঙ্গা পুন্দুনা লৈহৌই দারুক্তি।

বল— দোলাই চৈখোঙ্গা পুলহৌবা?

কৃষ্ণ— অদুদি কনানা দোলাই থোই হায়রু?

কাম— দারুকা দোলাই থো হায়বা মযাত্রবদা অর্জুননা মাবু দোলাই চৈখোঙ্গা পুনখ্রে। অঙকপনি পার্থদো, শগোল চুপ্লি মখোংয়েংকা, খোংশানা চপ্লগা ওইগী মখোং খোংশানা শগোল শাজৈ চপ্লগা দোলাই অদুম মথোই।

বল— তৌজিকস্নু অদুম থোহৌরিবরা?

কাম— থোদে। মতুংদা ঐখোয়গী ইনে ইবেম্মা সুভদ্রানা ম্যাংচেৎ কম্না শেংতুনা শগোল চুপলি পাইরগা থোই। হৈখ্রে। ফজখ্রে। নোংথাং কুপ্লদু মজাই।

(কৃষ্ণনা নোকই)

হনে ইবেম্মানা অদুম তৌরকপা অদুদদি ঐখোয় তেল কাপফম খংদ্রে। কুইস্নো থেংদুনা অদুম্মক লৈরে।

কৃষ্ণ— (নোক্লদুনা) দাওজি মসিদা করি হায়বিগদবা?

বল— প্রান কৃষ্ণ ইয়াম্বনা করি হায়কম লৈবগে? নংনা শিল্লিবা পোরম্বু ইয়াম্বনা হোংদোকপা ওম্না? দুর্য্যোধন চোপচবা তরে। হনগ্রসম্নু মচাক হস্তিনাদা। নংগী মনিংতা থুংনবা ইয়াম্বনা হোৎন্দুনা লাকলি। তৌজিকসু মনিং থুংউ। (দুর্য্যোধন লাকপগী ধ্বনি তারকই)

তরাশুবা উৎপা

মফম— দ্বরিকাগী শ্লগোং।

ফিভম— দুর্য্যোধন কর্ণ, শকুনি, ভীম লৈ দুর্য্যোধন শাঙনা বর্ণগা য়ারী শাড়না লৈ।

দুর্য্যো— (শাঙনা) মিত্র কর্ণ য়েংবিয়ু। কয়াদা ইকাইবা থংখিদ্রবা পাণ্ডবকী পাথমো? তাঙ্গা অসিদা ময়াম্বা দুর্য্যোধন ঐগা লু'হাংগদৌরিবা কন্যাবু হুহনা পুথ্রিবা অসে। দ্বারিকাগী তেঙ্গোল পুন্নমক মহাক্না চাইথাইরে। লাক্লং-বিয়ু হস্তিনাগী তেঙ্গোলগা লোইননা মাইথিবা পিশি। সুভদ্রাবু মুন্সি।

শকুনি— চংশিনবিয়ু মহারাথী। অকনবা নহাক য়াঙনা য়াঙনা অমুক চোঙ্গা মতৌ অসি ওইগদবা? অর্জ্জুনবু মাইথিবা পিবিয়ু। সুভদ্রাবু মুনবিয়ু।

দুর্য্যো— তুকচৈ অর্জ্জুনসে। কুরুবংশদা পোকপনি হায়ব-ফাওবা হায়নিংদে। মহাকপু য়ারক্তবা য়াদে। চংশিল্লো, হে অকনবশা য়াংদা চংশিল্লো। অর্জ্জুনগী মথক্তা লান-তাও, অর্জ্জুনবু ফাও, সুভদ্রা মুল্লু।

ভীম— নভিক লৈবা কনানো ভীমসেনগী মমাংদা ইনাও অর্জ্জুনবু ফাগদবা। ইনাওগী মথুক্তগী ভদ্রাবু মুনগদবা। ভামগী মথুক্তা গদা পাইরি। চংশিল্লকনু নথাই মাংনিং-ঙবদি।

দুর্য্যো— হাঃ হাঃ হাঃ ভীমসেন। দুর্য্যোধনগীসু খুত্তা গদা পাইরি। মসি ঐগী অততাইনি চৎখোকউ।

ভীম— ঐগীসু অততাইনি। হেক পোকমিন্নবা ইনাও অর্জ্জুনগী মথক্তা লান্দাগনি হায়রিবা নখোয়বু থিংবা অসে ভীমগীসু তৌকদ খোকপনি, অততাইনি।

দুর্য্যো— য়েংউ করাদা ইকাই খণ্ডখিত্রবনো অর্জুন হায়বা অসে। চৌজিক মপননা পোকপা ময়ম্বদা লুহোংগ-দৌরিবা কন্যাবু থোইদোক্না মতৈমা ওইগদৌরিবী মহাকপু হুত্নুনা পুরিবসিবু করাদা তুকচপ্রবনো?

ভীম— তুকচরিবদি কুরু নিংথৌনি। ঐনা হায়না হায়খ্রে ঐ অর্জ্জুনগী লুহোংবা চৎলিবনি। ঙসি লুহোংগদৌরিবা অসে মমিংতগীনি ফোংদোকপগী রানি। মসিগী মমাংদা হায়না অর্জ্জুনদা গন্ধর্ব্ব বিবাহ তৌত্রুনা পিপ্রবনি লোল্লা থুপ্ল সুভদ্রাদি। মসিবু ঐনা হায়শিন্নরে? মামা শকুনি নংসু পুম্নমক তাহৌরিবা অত্রুনি। নখোয়না অভাওবা ভীমনি হায়ত্রুনা ইরা লৌবিদবা। অত্রুনা সিদা চোপ্ল-রিবা অসিনি। ইকাই খংত্রিবসি কুরু নিংথৌ নহাকনি। সুভদ্রাসি মনাওবুপীনি।

দুর্য্যো— ভীমসেন নংগী নরা লৌরোই। গদা পাইয় ঐ লাজংলবনি।

ভীম— (ইশি শিনা নোকুনা) হাঃ হাঃ হাঃ লাউ য়োংনরসি লাইবক চাং! দ্বারিকাসিদা মনাও হাকম্নবগী ভীম থরাই

থাগে। দুর্য্যোধননা ইকাই খংদবগী মনাওবু হাংপা ঙম্বা য়েংউ।

দুর্য্যো— করে। য়েংনবা তারেদনা অদুদি।

ময়াম— জয় কুরুপতি দুর্য্যোধনগী জয়।

ময়াম— জয় ভীমসেনগী জয়।

(ভীম অমসুং দুর্য্যোধন গদা হাইনথি, অমনা অমবু লাকচনবা ঙম্বদে)

(ভীমসেন অমদি কুরুপতি দুর্য্যোধনগী মরক্তা কামদেব চংশিনলকই থামলৈ)

কাম— কুরুপতি, ভীমসেন অনিমক লাল লেপথো।

ভীম— করি তৌরে কামদেব।

কাম— পার্থদা ইনে ইবেম্মা সুভদ্রাবু লুহোংগনি হায়দুনা দ্বারিকাগী অহল লমন পুম্নমক তিলহৌরে। বেদগান তৌহৌরে। করিগী তহা তহারিবনো লেংশিল্লসি মহাবীর। অদুগা থোইদোক্না ইকাই খুম্নজরিবা কুরুনিংথৌদা ইপল ইবুংঙো দাওজিনা হায়জরকপদি ননাও ইবুংঙো অর্জ্জুনগী লুহোংবা অসি য়াওবিয়ু হায়না বার্ত্তোন তৌজরকই। য়ারোৌবিবা য়াদে।

ভীম— (ইশি শিনা নোকপা) য়াম্মুং ইবুংঙো কুরুপতি ননাও-না গদানা বার্ত্তোন বচ্চবা ওইনা থোকখ্রে। য়ারৌবিগন্নু। মচিন মনাও থংনববু অদুক কেৎনবা হায়বন্দুনি। ননাও অর্জ্জুনগী লুহোংবা য়াওবিয়ু বার্ত্তোন কচ্চরি।

দুর্য্যো— য়াওবোই ফরিগী বার্তোন। খাওজিনা ঐবু ইকাইবা পীনবা মফম অসিদা কৌরিবনি। মামা চৎশি। হস্তিনাদা চৎশি কুরুগী অহল লমন পুন্নমক্তি য়াওবিহৌগে হায়রবসু য়াওবিকৌ ঐদি চৎলমি।

শকুনি— চৎসি মহারাজ চৎশি।

লোইরবা

লেখকী রেডিও ড্রমাশিং মমিং

১। কর্ণগী মমা।
২। কর্ণগী অরোইবা যাহিপ।
৩। সুপীগী মিচংদ গান্ধারি।
৪। সুপীদা লংজবা কীচক।
৫। একলব্য।
৬। সুভদ্রা হুবা।
৭। শ্রীকৃষ্ণদা গান্ধারীগী শাপ।
৮। মণিপুরদা অর্জ্জুন হুবা।
৯। মপুরোইবা নীংবা সব্যা।
১০। কর্ণগী দান।
১১। রাবন হুবা।
১২। সীতা বন্দা হন্দোকপা।

কোপী—১১০০

১৯৮২

লাইরিক নম্ফম— সোল প্রেস, শিংজমৈ ইম্ফাল।